

# সেবা তৌনবা হৌগৎলকপা



রুহি ইনষ্টিট্যুত





বুক ২

# সেবা তৌনবা হৌগৎলকপা

রুহি ইনষ্টিট্যুত

মথঙ মথঙ লৈরিবা লাইরিকশিং :

মখাদা পীরিবসি হৌজিক লৈরিবা রুহি ইষ্টিট্যুতনা শেম্বা মথঙ মথঙ লৈরিবা লাইরিক্কী মমিংশিংগীনি। লাইরিকশিং অসি নহাশিং অমদি এদল্টশিংনা মখোয়গী খুন্নাইশিংবু সেবা তৌনবগী তৌবা ঙম্বদু পরিং- পথাপ নাইবা মওং অমদা হেনগৎহন্নবা শিজিন্নবা থঙনা থঙননা লৈরিবা মপুঙওইবা কোর্স ওইনা শিজিন্ননবা শেমখিবনি। রুহি ইষ্টিট্যুতনা মথঙ মথঙ লৈরিবা লাইরিকশিংদগী বাহা'ইগী অঙাংশিংগী ক্লাসশিংগী ওজাশিংবু শিন্দম্নবা লৈরিবা অহুমশুবা লাইরিক অদুদগী মশা লোংথোরকপা কোর্স চবুল অমসু শেম্লি, লোয়না লোয়ননা নৌরিবা নহাশিংগী কাঙলুপশিংগী এনিমেটরশিংবু শেমগৎলক্নবা মঙাশুবা লাইরিক অদুদগী মসা লোঙথোরকপা অতোপ্পা চবুল অমসু শেমগৎলি। মসিগী লাইরিকশিংসিসু, মখাদা পীরিবা লিষ্ট অসিদা উৎলি। মসি খঙজিনগদবনি মদুদি থবক্কী মফমশিংদা থেঙনরকপশিংদুনা খুমাঙচাওশিল্লকপগী মতুং ইন্না মসিগী লিষ্ট অসি হোংলকপা য়াই, অমসুং হৌজিক হৌজিক শেমগৎপগী থাক্তা লৈরিবা মশিং য়াম্লবা curricular elements শিং অদুনা পাকশন্না খঙহনবা য়াবা থাক অদু য়ৌরকপা মতমদা অহেনবা লাইরিকশিং হাপচিল্লক্কনি।

*বুক ১ থরায়গী পুন্সিগী মতাংদা মুন্না খন্থবা*
*বুক ২ সেবা তৌনবা হৌগৎলকপা*
*বুক ৩ অঙাংগী ক্লাসশিংবু তাকপী তম্বীবা, গ্রেদ ১*
*অঙাংগী ক্লাসশিংবু তাকপী তম্বীবা, গ্রেদ ২ (মশা লোংথোরকপা কোর্স)*
*অঙাংগী ক্লাসশিংবু তাকপী তম্বীবা, গ্রেদ ৩ (মশা লোংথোরকপা কোর্স)*
*অঙাংগী ক্লাসশিংবু তাকপী তম্বীবা, গ্রেদ ৪ (মশা লোঙথোরকপা কোর্স)*
*বুক ৪ খমত্রাংনবা লাইপোক*
*বুক ৫ নৌরিবা নহাশিংগী শক্তিশিংবু শাফোঙহনবা*
*অহানবা ইনোৎ : বুক ৫কী অহানবা মশালোঙথোরকপা কোর্স*
*পাকথোক চাওথোরক্লিবা অকোয়বা : বুক ৫কী অনীশুবা মশালোঙথোরকপা কোর্স*
*বুক ৬ মরম অসিবু তাকপী তমবীবা*
*বুক ৭ সেবাগী লম্বীদা পুন্না চৎমিন্নবা*
*বুক ৮ বাহা'উ'ল্লাহগী য়ানবা*
*বুক ৯ পুবারীগী মিৎয়েং অমা ফঙজবা*
*বুক ১০ পোৎচাক্কী পাম্বৈশিং*
*বুক ১২ (থুনা থোরক্লগনি)*
*বুক ১৩ সমাজকী ওইবা থবক্তা হোৎনশিনবা*
*বুক ১৪ (থুনা থারক্লগনি)*

Copyright © 1987, 1995, 2020 by the Ruhi Foundation, Colombia
All rights reserved.
Edition 1.1.1.PE published October 1995
Edition 2.1.1.PE September 2020
ISBN 978-958-59880-9-5
Ruhi Institute Cali, Colombia
Email: instituto@ruhi.org
Website: www.ruhi.org

**য়াওরিবশিং**

ট্যুতরগীদমক্তা ৱাফম খরা
তাকপী তন্বীবদা ফাওরিবা হৱাও তয়াম্বা
নুঙগী ওইবা থাক ৱাংবা ৱারী ৱাতাইশিং
দিপনিং থিমশিং

রুহি ইষ্টিট্যুতনা পীবা মথঙ মনাও নাইবা মপুঙ ওইবা কোর্সশিংগী অনীশুবা লাইরিক ওইরিবা, মসিগী লাইরিক অসি ঐখোয়বু ৱাহন্থোক লৈবা অমসুং নুঙগী ওইবা থাক ৱাংবা ৱারী- ৱাতাইশিং শান্নবা ঙমহনবা তৌবা ঙন্নশিংদুগী মতাংদনি। লাইরিক অসিনা মিৎয়েং থল্লিবা অকক্লবা সেবাগী থবক অদু অহুমশুবা unit তা শন্দোক্লা তাক্লি। অপুনবগী ওইবা লিপুনশিংবু শক্তি লৈরবা শাফুশিংনা মচেত্তনা শেগাইরক্লিবা (communal bonds) মালেম অমদা, মরুপশিং অমদি যুমলোন্নবশিংবু মখোয়গী যুমশিংদা উনবগী প্রেক্টিস অসিনা সমাজকী পুন্সিদা খ্বাইদগী মরুওইবা themes শিং কুপ্না য়েঙমিন্নবগী থবক অসি, করিগুম্বা মদুনা চৎনবীগী মশকথোকপা শক্তম অমা ওইরক্লবদি। লেপ্তুনা হেনগৎলক্লিবা নাইতোম তাবনা থোকহল্লক্লিবা অনাবা খরদি কোকহনবা ঙমগনি। অসুম্না তৌদুনা শেমগৎলকপা মরুপ মপাং ওইবগী লিপুনশিংসিনা মশাখিংবা অমদি চান্ন- চিন্নবা খুন্নাইশিং শেমগৎপগী প্রোসেস অদুবু হেন্না মপাঙ্গল কনখৎহনগনি।

Neighbourhood নত্রগা খুঙ্গং অমদা লৈরিবা য়ুমশিংদা উনবা চৎপগী থৌরম অমা তুংকোইনা চথবা হায়বসি, দরকার তাবা লৈঙাক্কী সঙস্থানশিং অমসুং agencies শিংনা শৌগৎপীবা কখোক্লবা মরুপশিংগী চবুল অমা (nucleus) য়াওনা, শিল্লাংবগী থাক অমা দরকার ওই। কাঙলুপ অমবু লাইরিক অসিবু নৈনবদা লমজিংবদা, ট্র্যাতরনা পুক্লিংদা কাওরোইদবনি মদুদি শরুক য়ারিবশিংদু অসিগুম্বা চঙশিল্লিবা হোৎনবাা অমা য়াওহন্নবা হোৎনগদবনি। মখোয়গী নৈনবগী শরুক অমা ওইনা মখোয়গীদমক্তা শিনবা উনবা চৎপদুনা মসিগী হোৎনবসিদা লেপ্পা লৈতনা চহি অমদগী চহী অমাফাওবা মখাতানা শরুক য়ানবগী কখোকচবা অমা য়ৌহনগদবনি, মসি সেবাগী পুন্সিগী মরুওইবা শক্লোন অমনি।

নুঙগী অমদি সমাজীক্কী ওইবা ৱাহন্থোক লৈবা themes শিংবু কুপ্না নৈননবগী ময়েকশেঙলবা পান্দমগীদমক্তা য়ুমশিংদা উনবা চৎপগী প্রেক্টিস অসিনা তশেংনা খুন্নাই অমগী চৎনবীদা হেন্না মগুন হাপ্পী। মসিগা মরিলৈননা য়ুমদা অমসুং থবক মফমদা, মহৈ তম্ফমদা অমসুং কৈথেলদা informal ওইনা খন্না নৈনবা অসিসু য়াম্না মরুওই। অদুনা, মতম মতমগী মতুং ইন্না নোংমগী শান্নরিবা ৱারী- ৱাতাই অদুদা নুঙগী ওইবা চৎনপথাপশিং য়াওহন্নবা হৌদোকপসি মিৎয়েং চঙবদা মতিকচাবা তৌবা ঙম্বা অমনি। মসিবু চাওখৎহনবসিনা অনীশুবা unit না মিৎয়েং থল্লিবা অদুনি, অসুম্না তৌদুনা, অহুমশুবা unitতা লৌখৎকদৌরিবা নৈনবা অদুগী য়ুম্ফম অমা থোল্লিবনি।

মরুপশিং অমদি য়ুমলোন্নবশিংগা শান্নরিবা ঐখোয়গী ৱারী- ৱাতাইশিংদু করিগুম্বা নুঙগী ওইবা অৱাংবা থাক্কী ওইগদবা ওইরবদি, ঐখোয়না মখোয়গা তোৎন- তিন্নবশিংদা হরাও তয়াম্বা ফাওহনবা ঙমগদবনি। মসিগী হিরম অসি, অহানবা unit ওইরিবা, “তাকপী তম্বীবদা ফাওরিবা হরাও তয়াম্বা” অসিদা নৈনরি। রুহি ইষ্টিট্যুতনা পাঙথোক্লবা পুক্লিং থৌগৎলিবা সেবাগী থবক পুন্নমকশিং অসিদা, য়ুমফম ওইনা ঐখোয়না বাহা‘উ’ল্লাহগী শাফোঙবগী ইপাক্তগী ফঙজরকপা তাইবঙ মপুগী লৌশিংগী হি য়াইশিংদুবু অতোপ্পশিংদা শরুক তম্বদু য়াওই। মসিগী হোৎনবা অসিগী মনুঙদা য়াওজরবা হরাও তয়াম্বা অদুবু হেন্না খঙহন্নবা অহানবা unit নৈনবসিনা হোৎনরি। শরুক কয়া চংনা তাইবঙ মপুগী ৱাহৈগী মতাংদা অমসুং মদুবু (মপুগী ৱাহৈ) অতোপ্পশিংদা শরুক তমলুবসি করি করম্বা থৌজাল অমনো হায়বদু খন্থনবা শরুক য়ারিবশিংদা হায়রি। মসিগী থবক অসিদগী, ঐখোয়না মপুগী লম্বেলদা চৎপদা ঐখোয়গী খোঙথাঙশিংবু হেন্না থুজিলহল্লিবা হরাও তয়াম্বা অদু লাকপনি, হায়না unit অসিনা তাক্লি। অদুবু, মসিগী য়াম্না অর্থ চেল্লিবা নুঙগী ওইবা অচুম্বা অসিবু মপুঙফানা থাজরবফাওবদা, সেবা অদুবু থোইদোক হেন্দোকপা ওইহনগদৌরিবা গুনশিং অমদি মওং মতৌশিং অদুগী মতাংদা ঐখোয়না ৱাখল খন্থহৌদ্রবদি তাকপী তম্বীবগী হরাও তয়াম্বদু মাঙখিবা য়াই। মসিশিংসিনা মথঙ মথঙ লৈরিবা মতুং তারকপা মশিং য়াম্লবা লাইরিকশিংগী খন্ন- নৈনবগী পান্দম ওইরি,

অমসুং তরেৎশুবা শরুক্তগী হৌদুনা খরাখক্তমক মসিদা কুপ্পা নৈনবনি। বাহা'ই অইবশিংদগী খনগৎলকপা quotationশিংদা য়ুম্ফম ওইদুনা মসিগী গুনসিগী মতাংদা ঐখোয়না মুন্না ৱাখল খন্থগনি, ঐখোয়না সেবা তৌজবগী নুঙাইবদুবু মপাঙগী মরমশিংনা মগুন হন্থহল্লোই হায়রবদি মসিগী গুন অসি থানবা য়াদবা অমনি। মরুওইরিবসি করিনো হায়বদি মসিনি মদুদি শরুক য়ারিবশিংনা মখোয়না নৈনরুবদগী থাদোকচবা হায়বসি মীগা পুন্দুনা নাইতোম লৈবা নত্রগা করিসু খন্দনা নাচুংদনা লৈথোকপনি হায়বা অরানবা ৱাখল্লোন অমা খনখিরোইদবনি। ঐখোয়না লেপ্পুনা ঐখোয়গী হোৎনবশিংদুবু হেন্না হকচিন্না হোৎনশিন্নবা কন্না হোৎনগদবনি অমসুং হেন্না হেন্না ফবা ফলশিং ফঙনবা ঐখোয়না হোৎনবা মতমদা ঐখোয়গী সেবাগী মহে য়ানবদু হেনগৎহন্নবা হোৎনগদবনি। মসি হোৎনরিবা থবক অদুগী মওং মতৌগী মতাংদা মপুঙফানা ভাব তাবা অমা দরকার ওই, মসিগী হিরম অসি নীপালশুবা শরুক্তা নৈনরি। সেবাগী লম্বেলদা য়ুম্ফম ওইনা চঙদবা য়াদবা মওং মতৌ অনী ওইরিবা, অফবগী ওইরক্কনি হায়বগী ৱাখল্লোন (optimism) অমসুং তৌবীমল খঙবা, অসি শন্নপ্পা মথঙ অমদি অরোইবা শরুক্তা খন্না নৈনরি।

লাইরিক অসিগী অনীশুবা unit ওইরিবা, "নুঙগী ওইবা থাক ৱাংবা ৱারী ৱাতাইশিং", অসিনা informal ওইনা শান্নরিবা ৱারী ৱাতাই অদুবু তাঞ্জা চাবা মতমদা নুঙগী ওইবা চৎনপথাপশিংগা মরি লৈনহন্দুনা থাক ৱাংখৎহন্নবগী তৌবা ঙম্বা অদুদা মিৎয়েং থল্লি। মসিদা তোঙান তোঙানবা হীরমশিংগী মতাংদা মশিং য়াম্লবা অতেনবা ৱারোলশিং য়াওরি, মসিগী ৱারোলশিং অসি, চপচাবা quotationশিংমক নত্রবসু, অব্দুল- বাহাগী ৱাঙাংশিংদা য়ুম্ফম ওইবনি অমসুং মহাক্না শিজিন্নরম্বা ৱাহৈশিং অমদি ৱাহৈ চবুল কয়া য়াওরি। ঐখোয়না আসা থল্লি মদুদি, ৱারোলশিংসি নৈনবসিনা, শরুক য়ারিবশিংনা নুঙগী ওইবা চৎনপথাপশিংদুবু অব্দুল- বাহানা শন্দোক্লা তাকপা মওংদুদগী ইন্সপিরেসন লৌজগনি অমসুং বাহা'উ'ল্লাহগী শাফোঙবগী ইপাক্তা তাদুনা লৈরিবা মনিমুক্তাশিংদু ফঙনবা মখোয়না কন্না হোৎনবদা মঙোন্দা য়েঙজবগী হৈনবী অদু লৈরক্কনি, মহাক্কী মপাবুঙগী তাকপী তম্বীবশিংগী ৱাহস্থোক অমসুং ইমপ্লিকেসনশিংবু ভাব তাগনি, অমসুং মদুবু অতোপ্পশিংদা পুকচেলচাওনা শরুক তমগনি।

Unit অদুগী পান্দমদু ফঙনবা, শরুক য়ারিবশিংদু ৱারোল খুদিংমক্তুবু কয়ারক হন্না পানবগী খুদোংচাবা পীবিগদবনি। ৱাখলগী মথঙ মনাওদু মশক খঙদোক্কনি, অমসুং মখোয়না মহৌশা ওইবা মওংদা ফোঙদোকপা ঙমদ্রিবফাওবা ৱাখল্লোনশিংদুবু পুক্নিংদা নিংশিংদুনা মখোয়না মদুবু হায়বা তমগনি। খরা অমদি, অহানবদা, তশেংনা হায়রবদা ৱারোলশিংদুবু চিনফা পুগনি অমসুং মদুবু unit অদুদা য়াওরিবা অদুগুম্না মান্নবা অমুকহন্না হায়গনি। অসুম্না তৌরক্কনি হায়বসি খনবা য়াই। থাজবা (faith) অসিগী মখোয়গী জ্ঞান অদুনা হেন্না লুখনা খঙলকপগা লোয়নবা অমসুং মখোয়না থেঙনরকপদু হেন্না পাকথোক চাওথোরকপগা লোয়নবা, মখোয়না হেন্না পাকচাওরবা মখলগী পোৎচাকশিং অমসুং হেন্না ৱাহন্থোক লৈবা ৱাহৈশিং ফঙলক্কনি, মদু অতোপ্পশিংগা মখোয়না তোৎন- তিন্নবশিংদা উথোরক্কনি। ট্যুতর অদুনা খঙবিগদবনি মদুদি, মসিগী থাক অসিদা, ফঙনবা হোৎনরিবসি অনীনি : তাকপী তম্বীবশিংবু শন্দোক্লা তাকপদা লায়না থোকহনবা অমসুং অব্দুল- বাহাগী ৱাখল্লোনগা চুশিন্নহনবা।

কাঙলুপ অদুগী মীওইশিংদুনা ৱারোল খুদিংমক্তুগী ৱাফমশিংদুবু ফজনা থম্বা ঙন্নবা মতুংদা, মখোয়না নৈনরক্লিবা ৱাখল্লোনশিংদুবু মখোয়গী ইমুঙশিং, মরুপশিং, অমসুং থবক তৌমিন্নরিবশিং অদুগা মরি লৈনবা ৱাফমশিং (issues) অদুবু মরি লৈনহন্নবা মখোয়বু পুক্নিং থৌগৎপা অতোপ্পা থবক অমদা চঙশিল্লম্মী। মসিগী পান্দমশিংগীদমক্তা, ৱারী ৱাতাইদুদা থোরকখিবা হীরমশিং (topics) অমসুং ৱাহং খরগী মতাংদা খন্নবা হায়রী অমসুহ করম করম্বনা মখোয়না খন্না নৈনবা অমদা ৱাখল্লোনদুবু হৌদোকপা য়াবগী খুদোংচাবদু মখোয়দা পিগদগে হায়বদু ৱারেপ লৌনবা হায়রি। ৱারোল খরগীদি, অব্দুল- বাহানা শন্দোক্লা তাক্লিবা নুঙগী ওইবা চৎনপথাপশিংদুনা করম্না মফম খুদিংমক্তা লৈরিবা মীয়ামশিংনা ৱাজরিবা ৱাফমশিংগী মতাংদা শন্দোক্লা তাকপীবগী হায়বদু খুদমগা লোয়নবা উৎনবা খুদম অমা নত্রগা অনী পিরি। করিগুম্বা লাইরিক অসিবু নৈনরিঙৈ মতমদুদা, ট্যুতর অদুনা য়াওরিবা মীওই

খুদিংমক্তুবু ৱারোল অমা খনবদা অমসুং মদুদা য়াওরিবা ৱাখল্লোনশিংদুগী মতাংদা ৱারী শারুনবা লন্নাই মীওই খরসু খন্দোকপদা মতেং পাঙবিবা ঙম্নবদি, মসিগী চাংয়েং অসি হেন্না কান্নগনি। অসিগুম্বা মওংদা, পুন্না পুল্লকপা মতমদা, মখোয়না শরুক য়ারুরবা ৱারী ৱাতাইশিংদুগী dynamics কী মতাংদা অমগা অমগা পাওদম্নদুনা শৈথানবগীদমক্তা শরুক য়ারিবশিংদুগীদমক্তা তোঙান্না মতম অমা থম্বা য়াই।

Unit অদুদা য়াওরিবা ৱারোল খুদিংমক্কীদমক, চিনফা পুথোক্লবগীদমক্তা বাহা'উ'ল্লাহগী অইবশিংদগী লৌথোরকপা ৱারেং খরা য়াওরি। মথঙ মথঙ লৈরিবা লাইরিক অসিগী অহানবা লাইরিক্তা হান্না ময়েক শেঙনা উশ্নবা, রুহি ইন্সটিট্যুতনা চিনফা পুবগী মতাংদা পল্লিবা মরুওইবদু, অনীশুবা লাইরিক অসিদগী অমুক্কা হেন্না ময়েকশেঙলক্লে। হৌজিকফাওবদা, শরুক য়ারিবশিংদুনা অইবশিংদগী ৱারেংশিংদুবু হন্না হন্না পুক্লিং ৱাখলদা নিংশিংজবদগী মখোয়না ফঙজরিবা নুঙগী ওইবা নাওয়োকপীবদুগী মতাংদা খঙজরন্নগনি হায়না ঐখোয়না খঞ্জে। অদুনা, লাইরিক অসিদা মখোয়না মখাতানা তাইবঙ মপুগী ৱাহৈনা মীওইবগী থম্মোয়দা পীরিবা ইথিলশিংগী মতাংদা মুন্না খন্থগনি, অমসুং অহুমশুবা unit তা তৌবগুম্না, মখোয়না ৱা-ঙাংথোকপা মতমদা অইবশিংদগী ফঙলকপা চৎন-পথাপশিং অমসুং ৱাখল্লোনশিংদু ফোঙদোকপা তমশিনগনি অমসুং, মতাংচাবা মতমদা, ৱারেংশিংদু হকথেঙননা পানগনি। তাকপী তম্বীবশিংদু চুম্না শন্দোক্লা তাকপা, মদুবু মখোয়গী অশেঙবা মওংদা অতোপ্পশিংদা পীবা, অসি ঐখোয়না সেবাগী লম্বেলদা চৎনা চৎনা ঐখোয় পুম্নমক্লা চাওখৎহন্নবা হোৎনরিবা তৌবা ঙম্বশিংগী মনুঙদা অমনি। অব্দুল-বাহানা শন্দোক্লা তাক্লম্বশিংদুবু নৈনবা অমসুং মদুবু মহাক্লা তৌখিবগী মতৌগুম্না ফোঙদোক্ল বা হোৎনবসিনা খ্বাইদগী থোইদোক হেন্দোকপা ওইগনি হায়বসি অনীশুবা unit অসিগী য়ুম্ফম ওইবা ৱাখল্লোন্নি।

মথক্তা তাকখিবগুম্না, "Deepening Themeশিং" হায়না মিংথোনবা অহুমশুবা unit অসিনা লাইরিক অসিদা নৈনরিবা সেবাগী থবক্তুদা ওনশিল্লি হায়বদি, খুন্নাইগী পুন্সিদা য়াম্না মরুওইবা খন্ন-নৈনবশিংদা শরুক য়ারুনবগী ময়েকশেঙবা পান্দমগীদমক্তা মরুপশিং অমসুং য়ুমলোন্নবশিংবু উন্নবা চৎলুবা। ৱারী-ৱাতাই মখল অহুমখক unit অসিদা য়েংথোক্লি অমসুং, অমমম খুদিংমক্কী, অকক্লবা ৱারোলশিং (content) পিরি। অহানবা মখল অদু খুঙ্গং অমা নত্রগা neighbourhood অমদা লৈরিবা মীয়ামশিংদুগা themes খরা মথঙ মথঙ নৈননবা পরিং পথাপ নাইনা উন্নবা চৎপশিংগী থৌরম অমনি। শন্নপ্পা পিরিবা ৱারোল (content) অদু থৱায় য়াওবা মীয়ামশিংগা তোঙান তোঙানবা মওংদা শরুক তম্বা ওইথোক্লবসু, theme শিংদুগী থল্লিবা পান্দম ইমুঙ অমগী মীওইশিংদুবু ফেথ অসিগী মতাংদা লৈজরিবা মখোয়গী জ্ঞান অদুবু হেন্না লুখ্না খঙজনবা খুদোংচাবা অমা পীবা অদুদি খ্বাইদগী মরুওইনা অদুম লৈ। অদুনা, unit অসিগী অয়াম্বা শরুক অদু অসিগুম্বা মখলগী ৱারী-ৱাতাইগী মতাংদা ওই।

অদুবু, অখন্ননা খুঙ্গং অমদি urban neighbourhoodকী থাকফাওবদা লৈরিবা, অপিক অপিকপা geographical units শিংদা, ট্যুতরস ওইনা, নৌরিবা নহাশিংগী কাঙলুপশিংগী এনিমেটরশিং, অমসুং অঙাংগী ক্লাসশিংগী ওজাশিং ওইনা থবক তৌবা ঙম্বা লন্নাই মীওইশিংগী মশিং হেনগৎলকপগা লোয়ননা, য়ুমদা চত্নুনা উন্নরুবগী থবক অসি ইকুই কুইদ্রিবা চহিশিংসিদা অনৌবা মায়োলশিং লৌরক্লি। অখন্ননা, থবক (practice) অসিমক ফেথ অসিগী জ্ঞানবু পাকথোক চাওথোক্লা শন্দোকহন্নবগী পান্দমগীদমক্তা দরকার তাই হায়বতা নত্তনা; মসি নৌরিবা নহাশিংবু নুঙগী ওইবা শক্তি হাপ্পবগী অমসুং অঙাংশিংবু নুঙগী ওইবা মহৈ মশিং পীবগী থৌরমশিংনা মায়পাকনা হাংদোরকপসু দরকার তাই হায়বদু উৎলক্লি। মসিদা, ময়েকশেঙলক্লিবা মসিনি মদুদি থৌরম (program) অদুবু শেমলক্লিবা ৱাখল্লোনশিং অমসুং approaches শিং অদুবু খন্না নৈনবা থৌরম অনীদুদা য়াওরিবা নহা ওইরিবা মীওইশিংদুগী মমা মপাশিংগা তোইনা উন্নবদু এনিমেটরশিং অমসুং ওজাশিংনা পায়খৎপা দরকার তাই। অসিগুম্বা খন্না নৈনবা অসিনা অনীশুবা মখলগী ৱারী-ৱাতাই ওই, মসি ১৪শুবা অমসুং ১৫শুবা শরুক্তা কুপ্পা নৈনরি। মসিগী শরুকশিংসিদা য়াওরিবা ৱারোলশিং (content) অদু মপুঙফাবা য়াম্না ৱাৎলি, মরমদি শরুক য়ারিবশিংদুনা

তুংদা লাক্কদৌরিবা কোর্স শিংদুদা মসিগী মহৈ মশিংগী ওইবা থৌরম অনীসিগী মতাংদা হেন্না হেন্না খঙলক্কনি। অদুবু অসিগুম্বা মখলগী ৰারী-ৰাতাই অসিগী মরুওইবদুগী মতাংদা মখোয়না খঙজনবা অমসুং অঙাংশিংগী ওজাশিং অমসুং নৌরিবা নহাশিংগী কাঙলুপশিংগী এনিমেটরশিংনা মমা মপাশিং উন্নবা চৎপশিংদা মখোয়বু লোয়নবীবসি ঙল্লিঙৈগী থাক অসিদা য়াম্না মহৈয়ানবা ওইগনি।

Unit অসিদা য়েঙথোক্লিবা অহুমশুবা মখলগী ৰারী-ৰাতাই অসি য়াম্না অখন্নবা পান্দম অমগী মতাংদনি। মশিং য়াম্লবা নহা ওইরিবা নুপা অমদি নুপীশিংনা মালেমগী য়াইফনবা হোৎনবদা মখোয়না শরুক তম্লিংবগী মখোয়গী অকনবা অপাম্বা অদুবু ফোঙদোকচবা য়াবা লম্বেলশিং থিজরি। মখোয়শিং অসি সমাজপু হোংহন্নবগী য়াম্না চাওরবা, ঙাইদুনা লৈরিবা, নত্তে, নিয়োমচুম্না শিজিন্নখিনবগী থৌরাংজদুনা লৈরিবা, তুংদুনা লৈরবা পাঙ্গল-শক্তি (capacity) অমনি। নহাগী চহি তাঙ্কক তোপ তোপ্পা লোয়নবা খুদোংচাবা অমসুং দাইত্বশিং, মদুদা লোয়নরিবা পাঙ্গল শক্তি অমসুং থোইদোক হেন্দোকপা লোত্তুনা লৈরিবা শক্তি পুন্নমকশিংসি মতাংদা মখোয়না মুন্না খন্থদুনা মশুং মমান্নবশিংগী মরক্তা শান্নবা ৰারী-ৰাতাইশিংদুনা, য়াম্না তোইনা, সেবাগী মতাংদা খন্না নৈনবা অমা থোকহনবা ঙম্মী অমসুং মালেমগী মফম খুদিংমক্তা লৈরিবা খুঙ্গংশিং অমদি neighbourhoodশিংদা হৌজিক হৌজিক চঙশিল্লিবা থবকশিংদুদা থৰায় য়াওবদু চুখৎপী। মদুগী মতুংদা, কয়া অমনা অঙাংগী ক্লাসকী ওজাশিং অমদি নৌরিবা নহাশিংগী কাঙলুপশিংগী এনিমেটরশিং ওইনা হৌগৎলক্লিবা শুরোলশিংগী নুঙগীওইবা মহৈ মশিং পীবিনবগী তৌবা ঙম্বদু তানশিনবগী পাম্বৈ অমা ওইনা institute course শিংদা য়াওনবা হায়রুবদা তরাম তরাম্না য়ারক্কনি। অসিগুম্বা মখলগী ৰারী-ৰাতাই অসিদা কুপ্পা নৈনবা য়াবা ৰাখল্লোন খরা ৯ শুবা অমসুং ১০ শুবা শরুক্তা পিরি।

লন্নাই মীওইশিংবু ৰাহন্থোক লৈবা ৰারী-ৰাতাইশিংবু হৌদোকপা অমসুং তুংকোইনা মখা চত্থবা ঙমহন্নবা, unit অদুনা, পাকচাওরবা theme শিং পীবা অমসুং মরিলৈনবা ৰারোলশিং পীবদগী হেন্দোক্লা তৌগদবনি। ৰাখল্লোনশিংবু ময়েকশেংনা শন্দোক্লা হায়বগী তৌবা ঙম্বদগী হেন্দোক্তুনা, শরুক য়ারিবশিংদুনা দরকার তাবা মওং মতৌশিং (attitudes) অমসুং নুঙগী ওইবা গুনশিংসু চাওখৎহনগদবনি। মসিশিংসিনা unit অদুদা পীরিবা অয়াম্বা ৰারীগী শরুক্কুগী য়ুম্ফম ওই, অদুবু মরিলৈনবা তৌবা ঙম্বশিংগা মরিলৈননা মখোয়গী মরুওইবদু ৪ শুবা শরুক্তা ময়েকশেংনা তাক্লি, মদুদা ঐখোয়না উনবা চৎপা মতমদা ঐখোয়গী থম্মোয় অমসুং পুক্নিং ৰাখলশিংদা করম্বা মখলগী ইথিলশিং অমদি ৰাখলশিং খঙগদগে হায়না হংলি, অমসুং ৫ শুবা শরুক্তা, মখোয়না নোল্লুকপগী গুনগী মতাংদা মুন্না খন্থৈ। মসিগী শরুকশিংসিদা শরুক য়ারিবশিংদুবু ট্যুতরদুনা শোইদনমক মতিকচানা মিৎয়েং চঙহনগদবনি, মরমদি, ঐখোয়না জ্ঞান ফনা তানশিল্লবসু, ঐখোয়না ৰাখল্লোনশিংদুবু ফনা ফজনা শন্দোক্লা তাকপা ঙল্লবসু, ঐখোয়গী ৰারী-ৰাতাইশিংগী মহৈ য়ানবদু ঐখোয়না শান্নরিবা ৰারী ৰাতাইদুদা ঐখোয়ন লোইনগদৌরিবা গুনশিং অমসুং মওং মতৌশিংগী মখা পোল্লি।

মসি খঙজিনগদবনি মদুদি মসিগী মথঙ মথঙ লৈরিবা লাইরিকশিংসিদা শৈথাদুনা তাক্লিবা সেবাগী থবকশিং অসি, খুন্নাই অমনা চাওখৎলকপা অমসুং চাওখৎপদা খ্বাইদগী মরুওইরবসু, মসি মুন্না য়েঙলুরগদি পুন্নমক্কী মথক্তা নৈনবা অমসুং থবক্কী মতেংদগী লান্না মীওইগী তৌবা ঙম্বা অদুবু হেনগৎহন্নবা পান্দমলিবা প্রোসেস অমগী পোৎলমশিংনি। ট্যুতর খুদিংমক্লা খঙজিনগদবসি মসিনি মদুদি মসিগী থবকশিংসি পাঙথোকখ্রবা থবক অমদুদা য়ুম্ফম ওইদুনা অতোপ্পা অমদু পাঙথোরকই, অমদি লাইরিক অমদগী লাইরিক অমদা হেন্না হেন্না লুবা হেঞ্জিল্লকই। সেবাগী থবক খুদিংমকপু মহৈ য়ানবা মওংদা পাঙথোকপা তমশিনবসি মদুগী মতুংদা পাঙথোরক্কদৌরিবা থবক অদুদা দরকার ওইরিবা তৌবা ঙম্বা অদুগীদমক্তা য়াম্না মরুওই। মসিগী লাইরিক অসিদা পিরিবা, য়ুম অমদা কয়ারক হন্না চৎপা মতমদা লেপ্তুনা চঙশিনগদৌরিবা ৰারী ৰাতাই অদুবু মখাতানা চত্থহনবসি, ময়েকশেঙনা অহানবা লাইরিক্তা হায়রিবা লন্নাই ওইনা নত্রগা অতোপ্পা খরগা পুল্লগা চাংনাইবা লাইশোল মীফম শিনবগী থবক অদুদগী হেন্না লুবা

ওই। অমসুং তুংদা য়াওরক্কদৌরিবা হেন্না লুবা থবকশিংদুবু পায়খৎনবগীদমক্তা, লাইরিক অসিদা নৈনরিবা তৌবা ঙম্বশিং অসিদা শরুক য়ারিবশিংদুনা খুমাঙ চাওশিনবা দরকার ওইগনি হায়বদু উবদা অরুবা ওইরোই।

অহানবা লাইরিক্তা পনখিবা ৱাহৌদোক্কী ৱারোলশিংদুগুম্না, মালেমগী মফম শিন্নুংবদা institute কী কোর্সশিংদা শরুক য়ারিবশিংদু খেন্ন খেন্নবা হৌরকফমশিংদগী লাকই অমসুং, হৌগৎলকপদা, বাহা'ইগী তাকপী তন্বীবশিংগী মতাংদা খেন্ন খেন্নবা থাক্তা খঙজে। মখোয়না মসিগী অনীশুবা লাইরিক অসি নৈনবা হৌরকপদা, মখোয়না তশেংনমক, মখোয় অমমম অমদি পূন্নমক্না, কোর্সশিংদুনা হাংদোরকপা সেবাগী লম্বেলদা চৎলমলগনি। নহাশিংগী মতাংদদি, খুদম ওইনা, মখোয়না অঙাংশিং অমসুং নৌরিবা নহাশিংগীদমক্তা লৈরিবা মহৈ মশিংগী থৌরমশিংদু নৈনরক্কবা ওইদ্রবদি, লাইরিক অসিদা পিরিবা ৱারোলিং অমদি theme অয়াম্বদি মখোয়না অনৌবা ওইগনি, অমসুং মসিবু নৈনবসিনা থাজবা (Faith) অসিগী মতাংদা লৈজরিবা মখোয়গী জ্ঞান অদুবু হেন্না লুখনা খঙজিন্নবগী পান্নে অমা ওইগনি। কাঙলুপ অদুগী মীওই খুদিংমক্তা ভাব তাববু য়োকখৎপদা দরকার ওইবা অনো- অতিং য়াবা অমদি ৱাখল থোকপা মওংদা ৱাখল খনবগী মওং অদু উথোক্নবা ট্র্যতর অদুনা মসিগী মতাংদা শেম শাদুনা লৈগদবনি, অসুম্না তৌবসিদা শরুক য়ারিবশিংবু ৱাহস্তোক লৈবা অমদি নুঙগী ওইবা অৱাংবা থাক্কী ৱারী ৱাতাইশিংদা শরুক য়াবা ঙমহন্নবা, কোর্স অসিগী মপুঙ ওইবা পান্দম অদুবু ফঙহনবদু শোইহল্লোইদবনি। মসিদগী হেন্দোক্তুনা, লাইরিক অসিবু শিজিন্নরিবা লমদম লিশিং লিশিংদা, unit অহুমসিনা শরুক তম্নবা হোৎনরিবা খুন্নাই শেমগৎপগী প্রোসেস অদু চাওখৎপগী চপ মান্নবা মতাংদা অমদা লৈতে। অদুনা, তমশিল্লক্লিবদুবু থবক্তা পানশিনবা অদু লমদম অমগা অতোপ্পা লমদম অমগা খরমখৈ খেন্নবা শক্তম লৌরকপা য়াই, অমসুং মসিনসু, কাঙলুপ অদুবু মসিগী লমাইশিংসিদা পুদুনা চৎপা মতমদুদা মীওই খুদিংমক্কী দরকারশিংদুগী মতাংদা য়েঙশিনবা মতমদা লোয়নগদবা চেকশিনগদবা অমসুং ময়েকশেঙবগী থাক অদু তাকই।

## তাকপী তম্বীবদা ফাওরিবা হ্রাও তয়াম্বা

**পান্দম**

তাকপী তম্বীবদা ফাওরিবা হ্রাও তয়াম্বসি অতোপ্পশিংদা তাইবঙ মপুগী ৱাহৈবু
**শরুক তম্বগী থবক অদুদা লৈ হায়বদু খঙজনবা**

## অহানবা শরুক

*সেবা তৌনবা হৌগৎলকপা* অসি নৈনবা অমসুং থবকপু পুনশিন্নবা হোৎনদুনা রুহি ইন্সটিট্যুতনা পীবা মথঙ মনাও নাইবা কোর্সশিংগী অনীশুবনি। মসিগী পান্দমদি নহাক্না নশাগী ওইবা নুংগী অমদি বুধি লৌশিং চাওখৎহনবা অমসুং সমাজপু হোংহনবদা শরুক তন্বা অনীলোংবা পান্দম অমবু মপুঙফাহন্নবা কন্না হোৎনদুনা নহাক্না চঙশিল্লক্লিবা সেবাগী লম্বেল অদুদা মখাতানা খুমাঙ চাওশিনবদা নহাকপু মতেং পাঙবিবনি। অহানবা কোর্স য়াওবদগী নহাক্না খঙলমলগনি মদুদি ঐখোয়না পল্লিবা লম্বেল অদু মথঙ মথঙ লৈবা সেবাগী থবকশিংনা মশক তাকই, মসিগী থবকশিংসি বাহা'উ'ল্লাহগী অইবশিংদা উবিরল্লিবা অনৌবা মালেমগী পরিং অদুগী পান্দম অদুদা ঐখোয়না মিৎয়েং থমদুনা পাঙথোকপা থবকশিংনি। অদুনা, "সেবাগী লম্বীদা চৎপা" হায়না ঐখোয়না হায়রিবা অসি অয়াম্বদি মহাক্কী তাকপী তম্বীবশিংবু ঐখোয় ইশাগী পুন্সিশিংদা অমসুং মীওইবা জাতীগী পুন্সিদা পানশিন্নবা ঐখোয়গী হোৎনবশিংনা অয়াম্বা ওই। মহাক মশামক্না মহাক্কী শাফোঙববু অসিগুম্বা ৱাহৈশিংদা হায়রম্মী :

> **"হে ঐগী ইনাইশা! ঐগী শেঙলবা, লাইরমলেন্না নোংদম্বীরম্লবা ঐগী শাফোঙবসি মদুগী অরুবা ইরোন নুঙদা মশিং থিঙমদনা মমল নাইদ্রবা, লঙলবা হি য়াই ফুমজিনদুনা য়াওরবা ইশিং ইপাক অমগুম চাংদম্লবা য়াই। মশাবু থৌজিঞ্জবা অমসুং কন্না হোৎনদুনা ইপাক অসিগী তোর্বানশিংদুবু ফঙজবা হায়বসি থিজরিবা খুদিংমক্কী মথৌনি, মদুদি মহাক্না, মহাক্কী থিজবগী ইখৌলাংজবা অদুগী চাংগী মতুং ইন্না অমসুং মহাক্না হোৎনথোকপগী চাংগী মতুং ইন্না, তাইবঙ মপুগী হোংদোকপা য়াদ্রবা অমসুং অরোৎপা কোর্বাকশিংদা হান্ননা নোংদমখ্রবা অদুগুম্লবা কান্নবশিংদু ফঙজনবা।"[১]**

মসিগী অহানবা unit অসিদা, বাহা'উ'ল্লাহগী শাফোঙবগী ইপাক অসিদা লৈরিবা লৌশিংগী হি য়াই অসিবু ঐখোয়না খঙজরকপা অমসুং মদুবু ঐখোয়না অতোপ্পশিংদা শরুক তমলুবদা ঐখোয়গী থম্মোয়শিংদা ফাওখিবা হরাও তয়াম্বা অদুগী মতাংদা ঐখোয়গী ৱাখলশিংনা খন্নরি। মহাক্কী অইবশিংদা য়াওরিবা তাইবঙ মপুগী লমজিং লমতাক্কী হি য়াইশিংসি কয়াগী মতিক ফজে হায়বদু অহানবা লাইরিকপু নৈনরুবদগী নখোয়না উরে। অতোপ্পা লৌথোরকপা ৱারেং খরদা ঐখোয় অমুক মুন্না খন্নসি :

> **"তাইবঙ মপুনা ঙাম্থোরকপা ৱাহৈ অসি থাওমৈ অমনি, মদুগী মঙালদি মসিগী ৱাহৈশিংসিনি: নখোয় উপাল অমত্তগী উহৈশিংনি, অমসুং উশা অমত্তগী উনাশিংনি।"[২]**

> **"ঐগী মিৎয়েংদা ঐনা খ্বাইদগী পামজবদি অচুম্বা ৱায়েলনি; নহাক্না ঐবু পামজরবদি মদুদগী নমাই লৈথোকখিগনু, অমসুং ঐনা নঙোন্দা থাজবা থম্লবগীদমক্তা মদুবু থওইদবা তৌগনু।"[৩]**

> **"নখোয়না হিংলিবা এজ অদুগী দরকারশিংদুগী মতাংদা পুক্নিং চঙনা লুনা খঞ্জৌ, অমসুং মদুগী থুনা দরকার তারক্লিবশিং অমসুং চঙদ্রবা য়াদ্রবা দরকারশিংদুগী মতাংদা নখোয়গী চেকশিন্না খন্না নৈনবদু মায় ওনশিল্লু।"[৪]**

> **"মীওইবা পুম্নমক লোইনাইদনা খুমাঙ চাওশিনখিগদবা সভেত্য অমবু মাঙলোমদা পুখিনবা শেম্বীখিবনি।"[৫]**

**“মালেম অসিদি হৌখিগনি, অমসুং লোইনাইদনা লৈহৌগদবদি তাইবঙ মপুগী নুঙশিবনি।”**[৬]

**“নহাক্তগী ঐগী থাওমৈনি অমসুং ঐগী মঙালদি নঙোন্দা লৈবনি। নহাক্না মদুদগী নহাক্কী মঙাল ফঙজৌ অমসুং ঐহাক নত্তনা অতৈ অমা থিরুগনু। মরমদি ঐনা নহাকপু ৱাত্ত-পাদনা শেম্মীরবনি অমসুং নঙোন্দা ঐগী পীনবিবা (favor) অদু মরাংকাইনা খিকথখ্রবনি।”**[৭]

মতমগী মতুং ইন্না মসিগী অতেনবা ৱারেংশিংসি নখোয়না চিনফা পুথোকপা পান্না য়াই।

**অনীশুবা শরুক**

Unit অসিগী মপুঙওইবা theme অদুগী মতাংদা নখোয়গী মমুত্তানা শাংনা খন্না নৈনবদু হৌনবগীদমক্তা, মমাঙগী শরুক্তা য়াওখিবা অহানবা ৱারেং অদু অমুকহন্না পাও অমসুং মখাদা পিরিবা চাংয়েংশিংসি পাঙথোকউ :

১. মখাদা পীরিবা ৱাহৈ পরেংশিংসি মপুঙফাহল্লু।

   ক. ঐখোয় ইশাবু ______________________ অমসুং ______________________ বাহা‘উ’ল্লাহগী শাফোঙবগী ইপাক অদুগী ______________________ হায়বসি ঐখোয়গী ইথৌনি।

   খ. বাহা‘উ’ল্লাহগী শাফোঙবগী ইপাক অদুগী তোর্বানশিংদুবু ফঙজনবা ঐখোয়না কন্না হোৎনগদবনি মদুদি ঐখোয়না তাইবঙ মপুগী হোংদোকপা য়াদ্রবা অমসুং অরোৎপা কোর্বাকশিংদা হান্ননা নোংদমখ্রবা অদুগুম্লবা ______________________ ফঙজনবা।

   গ. বাহা‘উ’ল্লাহগী শাফোঙবগী ইপাক অদুদগী কান্নবশিং ফঙজবা হায়বসি ঐখোয়গী ____________________________________________ চাংগী মতুং ইন্না ওইগনি।

২. ইশাবু “থৌজিঞ্জবা” হায়বসিগী ৱাহন্থোক করিনো? ______________________________

______________________________________________________

৩. করিগুম্বা খরা “ফঙনবা কন্না হোৎনবা” হায়বসিগী ৱাহন্থোক করিনো? ______________

______________________________________________________

৪. থিজরিবা খুদিংমক্তা করিবু ফঙনবা কন্না হোৎনগদগে? ______________________________

______________________________________________________

৫. পোৎ অমগা অতোপ্পা পোৎ অমগা “চাং অদুগী মতুং ইন্না” হায়বসিনা করি ৱাহন্থোক ফোঙদোক্লিবগে?

______________________________________________________

৬. বাহা‘উ’ল্লাহনা ঐখোয়না হায়রি মদুদি ঐখোয়না ঐখোয়গী হোৎনজবগী চাংদুগী মতুং ইন্না মহাক্কী শাফোঙবগী ইপাক অদুগী কান্নবশিং অদু ফঙগনি।

   ক. ঐখোয়না মসিগী কান্নবশিংসিবু ফঙজবশিং ওইজবগীদমক্তা ঐখোয়না হোৎনজবশিংগী খুদম খরা পীয়ু : ______________________________________________

   ______________________________________________________

   ______________________________________________________

   ______________________________________________________

   ______________________________________________________

   ______________________________________________________

খ. ঐখোয়না ফঙজবা কান্নবা খরগী খুদম পীয়ু : ______________________

______________________

______________________

______________________

______________________

______________________

**অহুমশুবা শরুক**

বাহা'উ'ল্লাহগী শাফোঙবা অসি মদুগী অরুবা ইরোন নুংদা মমল য়াল্লবা হি য়াইশিং লৈবা ইশিং ইপাক অমগুম্বনি হায়বসি খঙলবদা, ঐখোয় খুদিংমক্লা মদুগী কান্নবদুগী শরুক ফঙজহৌনবা খমথেঙনা কন্না হোৎনৈ অমসুং মদুগী তোর্বানশিংদুদা অতোপ্পবুসু য়ৌহন্নবা তেংবাঙই। অদুবু মসিগী ইপাক অসিগী তোর্বানশিংদুফাওবা চৎপদা কয়া য়াম্না লাপ্লিবগে হায়না ঐখোয় ইশানা ইশাদা হঙজবা য়াই? বাহা'উ'ল্লাহ লাওথোরক্লে :

> **"হে ঐগী ইনাইশা! অমত্তা ঙাইরবা অচুম্বা মপুদুনা ঐগী শাখিনি! মসিগী খ্বাইদগী চাওবা, মসিগী অরুবা খঙদ্রবা অমসুং ইথক কারিবা ইপাক অসি নক্লা লৈ, য়াম্না ঙকনিংঙাই ওইনা নক্লা ননাক্তা লৈ। য়েঙউ মদু নহাক্কী পুন্সিগী শিংলিদুদগী হেন্না নক্লা লৈ! নহাক্কুবু নিংজরবদি, মিৎনা কুপ্পমুক য়াঙনা, মসিগী মাঙলরোইদবা পীনবিবা (favor), মসিগী তাইবঙ মপুনা পীবা মীনুঙশি থৌজাল, মসিগী মোৎহনবা ঙমদ্রবা খুদোল, মসিগী খ্বাইদগী শক্তিচেনবা অমসুং হায়ঙমদ্রবা মশেক মঙালগী থৌজাল অসিবু য়ৌজবা অমসুং শরুক ফঙবা ঙমজগনি।"[৮]**

১. "মসিগী খ্বাইদগী চাওবা, মসিগী অরুবা খঙদ্রবা অমসুং ইথক কারীবা ইপাক" হায়বা ৱাহৈ চবুল অসিনা তাক্লিবসি করিবুনো? ______________________

______________________

২. মসিগী ইপাক অসি ঐখোয়গা কয়া য়াম্না নক্লা লৈবগে? ______________________

______________________

৩. মসিগী ইপাক অসিদা কয়াম অমা থুনা ঐখোয়না য়ৌবা ঙমগনি ? ______________________

______________________

৪. মখাগী ৱাহৈ পরেংশিংসিবু মপুঙফাহল্লু :

ক. খ্বাইদগী চাওবা বাহা'উ'ল্লাহগী শাফোঙবা অসি নক্লা লৈ, ______________________ ঐখোয়গী ইনাক্তা লৈ।

খ. বাহা'উ'ল্লাহগী শাফোঙবগী ইপাক অসি ঐখোয়গী পুন্সিগী শিংলিদুদগী হেন্না ______________________

গ. ঐখোয়নবু নিংজরবদি, ______________________ য়াঙনা, মহাক্কী শাফোঙবগী ইপাক অদুদা অমসুং ______________________ ঙমজগনি।

ঘ. ______________________, মীনা কুপ্পমুক য়াঙনা, মহাক্কী শাফোঙবগী ইপাক অদুদা য়ৌজবা অমসুং শরুক ফঙজবা ঙমজগনি।

**মরীশুবা শরুক**

বাহা'উ'ল্লাহগী শাফোঙবগী ইপাক্কী তোর্বানশিংদু য়ৌরবদা, ঐখোয়না মদুগী লঙ্গৈশিং অদু লৌজে অমসুং ঐখোয় ইশানা নৈনরুবগী, লাইশোল অমদি মুন্না ৱাখল খন্থরুবদগী অমসুং মহাক্কী মরম অমসুং মীওইবা জাতীবু সেবা তৌনবা ঐখোয়গী হোৎনবশিংদগী ফঙজরকপা, তাইবঙ মপুগী লমজিং-লমতাক্কী হিয়াইশিংদু অতোপ্পশিংদা মরাংকায়না অমসুং মরম অমত্তা থমদনা শরুক তম্মী। মসিগী ইথৌ অসিগী অশেঙবা মতৌদুবু তত্তনা নিংশিংহল্লিবা, মখাগী ৱারেং অসিবু চিনফা পুথোক্লবা নখোয়না মতম খরা লৌবা পাম্বা য়াই :

**"তাইবঙ মপুগী লম্বীদা চৎলিবা ও! মহাক্কী মীনুংশি থৌজালগী ইপাক্তুগী নহাক্কী শরুক অদু লৌহৌ, অমসুং মদুগী অরুবা ইরোন নুঙদা লোত্তুনা লৈরিবা পোৎশিংদুবু নশানা নশাবু ফঙজহনদবা তৌগনু। মদুগী লঙ্গৈ অদুবু লৌহৌবা মখোয়শিং অদুদা নহাকসু অমা ওইয়ু। মসিগী ইপাক অসিদগী ইরিক অমত্তং, লাইরৈপাকশিং অমদি মালেমদা লৈরিবা পূম্নমক্তা খিক্লবদি, মদুনা মখোয়বু পূম্নমক কম্হৌবা, পূম্নমক খঙবা, পূম্নমক লৌশিং লৈবা, তাইবঙ মপুগী থৌজালনা থলহনবদা ওক্লগনি। থাদোকপগী খুৎশিং অদুনা মসিগী পুন্সি পীনবীরিবা ইশিং অসিদগী লৌদুনা, শেম্বীরবা পোৎ খুদিংমক্তা খিকউ, মদুদি মখোয়না মীওইবনা শেমজবা ওমখৈ নাইবা পূম্নমক্তুগী শেঙদোকচনবা অমসুং মসিগী শেঙলবা অমসুং লংলবা মফম ওইরিবা, তাইবঙ মপুগী কনথৌবা ফম্বাল অদুদা চঙজনবা।"[৯]**

**মঙাশুবা শরুক**

Institute course শিংদুনা দরকার ওইরিবা নৈনবা অমদি থবকপু পাঙথোক্তুনা, ঐখোয়না কোর্সশিংদা খুমাঙ চাওশিনবগা লোয়ননা, সেবা তৌনবগী ঐখোয়গী তৌবা ঙম্বদু চাওখৎহল্লক্কনি, অমসুং ঐখোয়গী থম্মোয়শিংদা থোইদোক হেন্দোক্লা হরাও তয়াম্বা পোকহনবা সেবাগী থবকশিং ঐখোয়না পাঙথোকপা ঙমগনি অমসুং ঐখোয়গী অনীলোংবা পান্দম অদুবু মপুঙফাহনবদা ঐখোয়বু মতেং পাঙবিগনি - অঙাংশিংগী নুঙগী ওইবা মহৈ মশিংগী ক্লাসশিং তাকপী তম্বীবা, নৌরিবা নহাশিংবু নুঙগী ওইবা শক্তি হাপনবগী প্রোগ্রাম অমদা য়াওহনবা, অমসুং মরুপশিংগী কাঙলুপ অমবু মথঙ মথঙ লৈরিবা মপুঙওইবা পরিংগী লাইরিকশিংবু নৈনহনবদা মতেংপাঙবা অসিগুম্বা থবকশিং পাঙথোকপা ঙমগনি। মসিগী খোঙচৎ অসিগী মতম পূম্নমক্তা, ঐখোয়না নহা অমসুং অহলদা শরুক তমগদৌরিবা, তাইবঙ মপুগী ৱাহৈ, অসি ঐখোয়বু লেপ্তুনা থৱায় হাপ্পীনবগী হৌরকফম অমা ওইগনি। অদুনা, মসিগী শক্তি অমদি মসিনা মীওইবগী থম্মোয়দা পীরিবা ইথিল অদুগী মতাংদা য়াম্না তোইনা ধ্যান তৌবা হায়বসি মরমচাই। মখাদা পিরিবা quotation অসিদা, বাহা'উ'ল্লাহনা মসিগী শক্তিগী মতাংদা হায়রি :

**"তাইবঙ মপুগী ৱাহৈ অসি মীওইবগী থম্মোয়নুঙদা মরা তারবা চরাশিংগা চাংদম্নবা য়াই। মসিগী চাওখৎলকপা অসিবু লৌশিংগী অহিংবা ইশিং, শেঙদোক্লবা অমদি অশেঙবা ৱাহৈশিংনা য়োকখৎপা হায়বসি নহাক্লা তৌফদ্রবনি, মদুদি মসিগী মরাশিংসিনা চেৎনা মরাতাখিনবা অমসুং মদুগী মশাশিংদুনা লাইরৈবাকশিং অমদি মদুগী ৱাংমা লান্না শন্দোকখিনবা।"[১০]**

১. তাইবঙ মপুগী ৱাহৈ অসি করিগা চাংদম্নবা য়াবগে? ______________________________

______________________________________________________________

২.	তাইবঙ মপুগী ৱাহৈগী উ পান্বীগী মরাশিং অদু কদাইদা থাবগে? ______________

______________

৩.	মসিগী উ পান্বী অসিবু চাওখৎহন্নবা ঐখোয়না করম্না য়োকখৎকনি ? ______________

______________

৪.	মসিগী উ পান্বী অসি কয়া য়াম্না ৱাংনা চাওখৎখিবা ঙন্বগে? ______________

______________

৫.	তাইবঙ মপুগী ৱাহৈবু অতোপ্পশিংদা শরুক তন্বসি অশুক্কী মতিক মরুওইরিবসি করিগীনো হায়বদু ৱাহৈ পরেং খরদা শন্দোক্লা তাকউ।

______________

______________

______________

______________

______________

**তরুকশুবা শরুক**

ঐখোয়গী নুঙতিগী পুন্সিদা ঐখোয়বু ইথৌ চিলহল্লিবা তোঙান-তোঙানবা থবক থৌরমশিং অদুগী মরমদা ঐখোয় খনসি। ঐখোয়না ঐখোয়গী হকচাংশিংবু য়োকখৎলি। ঐখোয়না অনৌবা জ্ঞান ফঙনবা অমসুং ৱাখলগী পাঙ্গল শক্তি হেনগৎহন্নবা লাইরিক লাইশু নৈনৈ। সমাজকী কান্ননিংঙাই ওইবা মীওইশিং ওইনা হিংবা ঙমহন্নবা ঐখোয়না থবক শুই অমসুং হৈশিংবশিং চাওখৎহল্লি। ঐখোয়না শান্ন-খোৎনবগী অমসুং অতোপ্পা অৱা-পোথাবগী থৌরমশিংদা শরুক য়াই। ঐখোয়গী বুধি লৌশিং চাওখৎনবা অমসুং পোৎচাক্কী ওইনা নুঙাই য়াইফনবগীদমক্তা, অসিগুম্বা মশিং থিংঙমদ্রবা থবক থৌরমশিংনা ঐখোয়গী মতমগী অয়াম্বা শরুক লৌই। অদুবু নুমিৎ খুদিংগী, নুঙগী ওইবা ইথিলনা য়োম্বা, অখন্নবা মিৎকুপশিংসু লৈ, ঐখোয়না লাইশেশল হায়রিঙৈ মতম; ঐখোয়না ইথন্তা নত্রগা মরুপশিংগা, তাইবঙ মপুগী তাকপী তম্বীবশিংদুগী মতাংদা ঐখোয়গী জ্ঞানদুবু হেন্না লুথনা খঙনবা হোৎনবা মতমশিং; নত্রগা, ঐখোয়গী অকোয়বদা লৈরিবা মীওইশিংদুদা বাহা'উ'ল্লাহগী শাফোঙবসিগী ইপাক্তা লোত্তুনা লৈরিবা হি-য়াইশিংদুবু খঙহনবদা মতেং পাঙলিবা, মওং কয়া অমগী মতমশিং। মসিগী মিৎকুপশিংসি ওনবা ঙম্বগী ৱাংমদা মমল নাইদবা ওইদ্রা ? মসিগী লাইরমলেনগী ওইবা থৌজালশিংসিগী শরুক ফঙহৌবা ঙম্বদগী হেন্না অতোপ্পা হরাও তয়াম্বা অমা লৈরিব্রা ?

মীওইবা জাতীবু ৱাংনা থাঙ্গৎনবগীদমক্তা ঐখোয় ইশাবু কথোকচগদবনি হায়না করম্না অব্দুল-বাহানা ঐখোয়বু পুক্লিং থৌগৎপিরম্বগে হায়বদু ঐখোয়না মতমচুপ্পদা নিংশিংগদনি :

> **"ঐখোয় পূম্নমক তাইবঙ মপুগী অমত্তা ওইবা পান্দমদা পুন্সিল্লিবনি, পোৎচাক্কী ওইবা অনিংবা-অপাম্বা অদু ঐখোয়গী নত্তে, অমসুং তাইবঙ মপুগী নুঙশিবদু মালেমশিন্নুংবদা শন্দোকহনখিবদুনা ঐখোয়গী খ্বাইদগী পামজবনি।"[১১]**

নহাক্লা অহানবা শরুক্তা চিনফা পুখ্রবা quotation অমা মরুপ অমদা হায়বগী খুদোংচাবা অমা নহাক্লা ফঙজে হায়না খল্লু। নহাক্কী থম্মোয়দা ফাওরিবা হরাও তয়াম্বদু কদাইদগী লাকই হায়না খনবগে? মহৌশানা, বাহা'উ'ল্লাহগী ৱাহৈশিংদুনা নহাক্কী মরুপ অদুবু নুংগী ওইবা থাক্তা ৱাংনা থাঙ্গৎপীগনি হায়না নহাক্লা আসা তৌজৈ।

অদুবু করিগুম্বা নহাক্না খল্লুরিবা থৱায় য়াওবদু মহাক্না উখোরক্কবদি? নহাক্কী থম্মোয়গী হরাও তয়াম্বদু হেক্তমক মাঙখিব্রা? করিগী মাঙদ্রিবনো?

**তরেৎশুবা শরুক**

ঐখোয়গী পুন্সিদা তৌবা থবক পুম্নমকশিংগী মনুঙদগী, ঐখোয়না অতোপ্পশিংগা লোয়ননা তাইবঙ মপুগী ৱাহৈবু শরুক তন্বদা লেল্লিবা মিৎকুপশিং অদু অখন্নবা থৌজালশিংগা লোয়নৈ হায়বসি ঐখোয়না খঙজরকপা মতমদুদা, ঐখোয়না খ্বাইদগী মরুওইবা ৱারেপ ফঙলকই : মদুদি সেবাদগী ঐখোয়না ফঙলিবা হরাও তয়াম্বা অসি সেবাগী থবক অদুমক্তদা লৈ। তশেংনমক, ঐখোয়না আসা তৌজে মদুদা ঐখোয়না পাঙথোক্লিবা সেবাগী থবকশিং অসিনা মতিকচাবা মহৈশিং পীগনি, অদুবু করিগুম্বা ঐখোয়না মহৈশিংদুদা য়াম্না হেন্না নপশিল্লুরবদি, মীয়ামগী থাগৎপা নত্রগা ফৈ-ফত্তে হায়বদুনা য়াম্না হেন্না চৈথেঙ পিহল্লবদি, ঐখোয়না তাকপী তন্বীবদগী ফঙলকখিবা হরাও তয়াম্বা অদু মাঙখিগনি। সেবা তৌনবা ঐখোয়বু থৱায় হাপ্পীগদৌরিবসি তাইবঙ মপুগী নুঙশিবননি, মায়পাকপা ফঙনিংবগী অপাম্বা, কান্নবশিং ফঙনিংবা, নত্রগা মীয়াম্না শকখঙবীবা ফঙনবগী নত্তে। হায়রিবা পোৎশক পুম্নমকশিংসিদগী থাদোকচবা হায়বসি হরাও তয়াম্বগা লোয়ননা সেবাগী দরকার অমনি। মখাগী quotationশিং অসি নৈনবসিনা মসিগী theme অসিবু খন্থবদা নখোয়বু মতেঙ পাঙগনি :

**"হে মিৎয়েং অনীগী মচা! নমিৎ নামা উইশিল্লু অমসুং অতোপ্পা অমদু পাঙথোকউ। মিৎ নাম্মনা মালেম অমদি মদুদা লৈরিবা পুম্নমত্তুদা উইশিল্লু, অমসুং অতোপ্পা অমদুনা নুঙশিথোইরবগী শেঙনা ইকাইখুম্নরিবা ফজবদুদা পাঙথোকউ।"[১২]**

**"হে মরুপশা! খমখিগদবা (শিখিগদবা) ফজবা অদুগীদমক লোইনাইদনা হৈলখ্রগদবা ফজবা অদুবু থাদোক্লগনু, অমসুং নখোয়গী অপাম্বশিংদু শিবা নাইবা উফুলগী তাইবঙপালসিদা থমলুগনু।"[১৩]**

**"হে ৱাঙাংগী মচা! নহাক্কী মাইথোঙ অদু ঐঙোন্দা ওনশিল্লকউ অমসুং ঐ নত্তনা অতৈ পুম্নমক থাদোকলো; মরমদি ঐগী লৈঙাকপগী শক্তিদি লোইনাইদনা লৈগনি অমসুং ঐগী ওইরবা লৈবাক্তী মাংবা নাইররোই। নহাক্না ঐ নত্তনা অতোপ্পবু থিরবদি, খঙজৌ, মদুদি নহাক্না তেংপানবা শিন্নুংনা লেপ্তুনা থিরবসু, নহাক্না থিজরিবা অদু অরেম্বা ওইগনি।"[১৪]**

**"হে মরুপ ওইরবা লমলানবা! নহাক্কী থম্মোয়গী মৈরা অদু ঐগী শক্তিগী খুৎমক্না চুখৎলবনি, নশাগীখত্তা খনবা অমসুং পুক্নিংগী অকনবা ইন্থলগী ওন্না-তৈনবা নুঙশিৎশিংনা মদুবু মুৎহনগনু। নহাক্কী অনাবা পুম্নমকপু ফহনবদি ঐবু নিংশিংজবনি, মদুবু কাওগনু। ঐগী নুঙশিববু নহাক্কী লনগৈ ওইহল্লু অমসুং নহাক্কী মিৎয়েং অমসুং থৱায়মক ওইনা মদুবু য়োকউ।"[১৫]**

**"থাদোকচবা হায়বসি নুমিৎকী পাঙ্ককনি; মসিনা থম্মোয় অমদা হেক্তনা ঙানবা মতমদা কল্লক- মিহৌবগী অমসুং মশক্তংগী খনবগী মৈ অদুবু মুথৎলি। মহাক্কী মিৎয়েং অদু ভাব তাবগী মঙালনা ঙালহল্লবা মহাক্তুদি মালেমদগী অমসুং মসিদা লৈরিবা কান্নদবশিং অসিদগী মশামকপু লাপথোকচগনি... মালেম অসিনা অমসুং মসিগী খমথেঙবা ফত্তবশিং অসিনা নশাবু ৱাহনগনু। মহাক্কী ইনাক খুনবদুনা কান্নদবা মিংচৎনা থলহন্দ্রবা নত্রগা লাইরববু অৱাবনা থলহনদ্রবা মহাক্তু নুঙাইরবনি।"**[১৬]

১. মসিগী মালেম অসিদগী থাদোকচবা হায়বসি নাইতোম ওইনা সন্যাশি অমগুম লৈবদুরা ?

___

২. মতম অমত্তদা মালেম অসিদগী থাদোকচবা অমসুং পোৎচাকশিংগী মপুসু ওইবা হায়বসি ওইথোকপ্রা ?

___

৩. মহাক্কী থবক্তা মহাক্কী পুন্সিগী পুঙজা খুদিংমক কথোক্লবা মীওইদু পোৎচাক্কী মালেমদগী থাদোকচরব্রা ?

___

৪. মহাক্কী দরকার ওইবশিংদুগী খক্তা থবক তৌরিবা অমসুং অরেম্বা মতমদা করিমত্তা তৌদ্রবা মীওইদু মালেমদগী থাদোকচরব্রা ?

___

৫. সেবাগী লৈমাইদা পোৎচাক্কী ওইবা অৱাবা খঙবা ঙমদবা মীওই অদু মালেম অসিদগী থাদোকচরব্রা ?

___

৬. পোৎচাকশিংগী মপু ওইবগী মথক্তা পুক্লিংনা নপশিনগদবা অতোপ্পা পোৎ কয়ামরুম লৈরি। নহাক্লা করিদা নপশিনগদগে নহাক্লা মখাগী মীওই অসি ওইরবদি :

- মহাক্লা সেবাগী থবক অম পাঙথোকপা মতমদা মদুবু কনা- অমত্তনা শকখঙবিদবা মতমদা মদুবু তোকপা পাম্মী ?

___

- কনাগুম্বা অমনা মহাক্লা পীরিবা ৱাখল্লোনশিংদু য়ারক্তবা মতমদা ৱাখল হন্থনা খঞ্জরিবা ?

___

- অতোপ্পশিংনা ইন্থোকপীগনি হায়না কিজদুনা মহাক্কী থাজবশিংদু লোৎশিল্লি ?

___

৭. থাদোকপা হায়বসিনা তাক্লিবসি মীয়ামগা পুনবদা নত্রগা অতোপ্পগী খনবীবা ৱাৎপদু নত্তে। মখাদা পীরিবা অসিদগী করম্বনা থাদোকচবা ওইদবগী খুদম অমা ওইবা য়াবগে?

- অতোপ্পশিংনা চাওখৎপদু উবদা হরাও তয়াম্বা ফাওবা
- অঙাং খরনা লমহেল্লকপা মতমদা ক্লাস অদুবু তাকপা তোকথোকপা
- ইশাগী মায়পাকপশিংদুগী মতাংদা পোঙনা পোঙনা ঙাংবা
- কন্না লাইরিক পাবা অমসুং ঐনা ফঙলক্লিবা চাওখৎপা অদুদা পেঞ্জবা
- ময়ামগী ফনবগীদমক্তা সেবা তৌনবগী তৌবা ঙম্বদু চাওখৎহন্নবা কন্না থবক কন্না শুবা
- ইশাগী শিনফমদা থোইদোক হেন্দোকপা ওইনবা কন্না হোৎনবা
- লুনা নান্না লৈবা অমসুং তরু- তনানবা য়ুম অমা থম্নবা হোৎনবা
- ইশাগী পোৎশিংদুবু চেকশিন্না য়েঙশিনবা
- অতোপ্পশিংগী নুঙাই- য়াইফববু য়েঙশিনবীবা
- ঐখোয়না হোৎনবশিংদু থাগৎপীরকপা মতমদা পুক্লিং ৱাখল হন্থবা ফাওদবা

৮. ঐখোয় অমমম খুদিংমক্কীদমক্তা থাদোকচবা হায়বসি অশুক্কী মতিক মরুওই মদুদি মসিগী শরুকসিদা য়াওরিবা quotation পূম্নমক্তু নখোয়না চিনফা পুথোক্লুবা হায়জরি।

## নীপালশুবা শরুক

মীওইবা জাতীবু সেবা তৌবগী পুন্সিগী হরাও তয়াম্বদুগী থৌজালশিংদু ফঙজনবা, ঐখোয়না কন্না হোৎননিংবগী অপাম্বা লৈগদবনি। অমসুং ঐখোয়গী হোৎনবশিংদুনা থাক অমদা কখোকপা দরকার তাবা য়াই। ঐখোয়না ঐখোয়গী নুঙতিগী পুন্সিদা "কখোকপা" হায়বা ৱাহে অসি য়ামনা তোইনা শিজিন্নে। ঐখোয়গী চান্নরবা মরুপ অমা লম চৎলুবদগী নোঙাল্লমদাইদা হল্লক্লুবদি, মহাকপু লৌরুনবা ঐখোয়না ঙন্না হৌগৎলি। ঐখোয়না হায়বা য়াই মদুদি ঐখোয়না তুম্বগী মতম খরা কখোকলে। কনাগুম্বা নক্লবা অমা নারকপদা; ঐখোয়না ঐখোয়গী খ্বাইদগী পামজবা মতম খরদু কখোক্তুনা মহাকপু সেবা তৌই। ঐখোয়না খমথেঙনা কন্না থবক শুগদবা তাঞ্জাশিং পুন্সিদা লাকই, অমসুং ঐখোয়না পান্দম অমা ফঙনবগীদমক্তা ঐখোয়না নুঙাইজবদু কখোক্লিবনি হায়না ঐখোয়না খনবা য়াই।

ঐখোয় পূম্নমক্না পুকচেল চাওনা ঐখোয়গী মতম অমসুং পাঙ্গল শক্তি পীথোকচদুনা, ওইথোকপা য়ানা ঙস্লিবমখৈ, ঐখোয়গী পোৎচাক্কী ওইবা লনথুমশিংবুসু পীথোকচদুনা মরম অসিবু সেবা তৌনিংবগী খমথেঙবা অপাম্বা লৈজে। ঐখোয়না অদুম্না তৌবা মতমদা, ঐখোয়না নিংশিংগদবনি মদুদি, সেবাগী লম্বেলদা, ঐখোয়না মসিগী মালেম অসিগী পোৎশিংবু পীথোকচবা দরকার তাবা য়াই, অদুবু ঐখোয়না নুঙগী ওইনা চাওখৎপগা লোয়ননা ঐখোয়না ফঙলিবসি অচুম্বা হরাও তয়াম্বনি। তুংগী কোর্সশিংদা কখোকপগী মওং মতৌগী মতাংদা ঐখোয়না মুন্না খন্থবগী খুদোংচাবা অদু ফঙলক্কনি। হৌবদগী হৌনা খঙজিনবদা মরুওইরিবসি করিনো হায়বদা মসিনি মদুদি মসি পাঙথোকপদা, মরু অমনা মশামকপু উপাম্বী অমা পোকপা য়ারক্লবগীদমক্তা কখোকচবগুম, অৱাংবা অদুগীদমক্তা অনেম্বা অদুবু থাদোক্লবা য়াওই। কখোকপনা হরাও তয়াম্বা পুরকই, অমসুং মসিগী হরাও তয়াম্বা অসি ঐখোয়না লেপ্পা লৈতনা হোৎননিংবগী অপাম্বদু লৈত্রবদি ঐখোয়গী ওইবা ঙস্লোই।

বাহা'উ'ল্লাহনা হায়বী :

> **"হোৎনবা দরকার তাই, করিগুম্বা ঐখোয়না মহাকপু থিজরবদি; য়াম্না কন্না নিংজবা দরকার ওই, করিগুম্বা ঐখোয়না মহাক্কা নৌহৌননা পুনমিন্নবগী লৈহি অদু থকনিংলবদি; অমসুং করিগুম্বা ঐখোয়না মসিগী পাত্রা অসিগী মহাও তঙলবা, ঐখোয়না মালেম অসিবু হুনদোকখিগনি।"[১৭]**

অমসুং অব্দুল-বাহানা ঐখোয়না পাওতাক পীবি :

> **"... নখোয় পোথাগনু, নখোয় লৈতবা থিগনু, মসিগী ঙহাক্কী ওইবা মালেম অসিগী অরঙ অরাকশিংদা নখোয় নশামকপু নপশিনহনগনু, নপশিনবা খুদিংমক্তংগী নখোয় নশামকপু নিংতমহঞ্জৌ, অমসুং তাইবঙ মপুগী লৈঙাকলম অদুদা মপুঙফানা লৈতাখিনবা থৱায় হকচাং য়াওনা কন্না হোৎনৌ। লাইরমলেনগী লনগৈশিংদু নখোয়না ফঙজৌ। নোংমা নোংমগী নখোয় হেন্না মঙাল লৈবা ওইয়ু। অমত্তা ওইবগী থোঙজিলদুদা নাকোয়ননা হেন্না হেন্না চঙশিল্লু।"[১৮]**

ঐখোয় পুন্নমক্লা থাজে মদুদি, ঐখোয়গী পান্দমশিংদু ফঙনবা, ঐখোয়না কন্না হোৎনগদবনি। অদুবু মসিগী ইচম চন্বা থাজবা অসি থবক্তা পানশিনবা মতমদা অকক্পবা মওংদা ৰারেপ লৌরকপা য়াবা ৰাখল্লোনশিং (implications) লৈ হায়বসি ঐখোয়না কাওরোইদবনি। অহানবদা, মসি নিংশিংবা দরকার তাই মদুদি পান্দম নত্রগা পায়খৎলিবা থবক অদুগী লুবগী থাক অদুগা মদুদা দরকার ওইরিবা পাঙ্গল শক্তিগী চাং অদুদগী মরক্তা নক্পবা মরী অমা লৈ। মদুবু ৰাৎনা হোৎনরগা মায়পাক্কনি হায়না খল্লবনি ঐখোয়না ঐখোয় ইশাবু নমথাক তৌজরিবনি। অদুবু খঙজিনগদৌরিবা হোৎনবগী পাকচাওবদুখক্তা নত্তে। লেপ্তুনা চাংনাইনা হোৎনবা অমসুং অৱাবা থেঙনরবসু খাংবা কন্না চঙশিনবা অদুসু দরকার ওই। মিৎয়েং হোংদবা (focus) দরকার তাই। থবক অমদগী অমদা চোং চোংদুনা চৎখিদুনা থবকপু লোয়দনা থন্নন্বা নত্তবা, থবকশিংবু লোইশিনবগী হৈনবী অসিসু চঙদ্রবা য়াদ্রবা অমনি। থৱায়তনা হোৎনদবা হোৎনবশিংদু মহৈ চাদে। চয়োল খুদিংগী চত্থবা অঙাংশিংগী নুঙগীওইবা মহৈ মশিংগী ক্লাস অমগী মতাংদা খল্লু। ওজা অদুনা ক্লাস খুদিংমক্কীদমক্তা শেম-শানবা অকক্পবা পুঙজা খরা কথোক্কদবনি। ক্লাস তৌরিঙৈ মতমদুদা ছাত্রশিংদুবু পারাদুদা য়াওরিবশিংদু ভাব তাহনবদা মতেঙ পাংদুনা মপুঙফানা লোইহ্রিবফাওবা মিৎয়েং চঙগদবনি, নহাশিংদুগী মমা মপাশিংবু চাংনাইনা উনবা চৎকদবনি, অমসুং চয়োল অমদগী চয়োল অমফাওবদা, মখোয় (অঙাংশিংগী) অমমমগী চাওখৎপদু কুপ্না য়েঙশিনগদবনি। মতাং মতাংদা ওইনা শেম-শাবা, ৰারকপা মতমদা session অদুবু ঙন্না অমসুং হাথু হাথুনা লোইশিনবা, অমসুং অঙাং খুদিংমক্কী মতাংদা খন্নবা অমসুং অঙাংদুগী মমা-মপাশিংদুগা মখোয়গী চাওখৎপদু খন্না নৈনবদা দরকার ওইবা মতমদু পীবা ঙমদবা ওজা অমগী ক্লাস অদুগী মরাইবক অদু করি ওইগনি ? অমসুং ওজা অদুনা অতোপ্পা মহাক্কী তৌফদবশিংদুবু য়েঙশিন্নিংবা খুদিংগী, খুদম ওইনা, townগী মপান্দগী মাবু উনবা লাকপা মরুপ অমগা পুল্লুনবা ক্লাস অদুবু পাঙথোক্লুরোই হায়না লেপথোক্লুবদি করি থোক্কনি ?

মথক্কী ৰারোল খরসিনা ঐখোয়বু থাজহল্লি মদুদি ঐখোয়না পায়খৎলিবা থবক খুদিংমক অদুনা দরকার ওইরিবা হোৎনবগী পাকচাওবা অমসুং মগুন অনীমক্তা ঐখোয়না মিৎয়েং চঙগদবনি। মসি ঐখোয়না চঙশিল্লিবা সেবাগী থবকশিংখক্তদা চুনবা নত্তে; মসি ঐখোয় ইশাগী চাওখৎপদসু চপচানা পানশিনবা য়াই। মসিগী মথঙ মথঙ লৈরিবা লাইরিক অসিগী অহানবা লাইরিক্তা ঐখোয়না নৈনখিবা নুঙগীওইবা হৈনবীশিংদুফাওবা চাংনাইনা লাইশোল তৌবা, অইবশিংবু নুমিৎ খুদিংগী পাবা, ঐখোয়গী পুন্সিশিংবু তাকপী তন্বীবশিংগী মতুংইন্না করম্না পুরক্কনি হায়বগী মতাংদা মুন্না খন্থবা, লাইশোল মীফমশিংদা থৱায় হকচাং য়াওনা শরুক য়াবা লেপ্তুনা মখাতানা হোৎনবগী মখা পোল্লি। মখাদা হোৎনবগা মরিলৈনবা ৰাফম কয়া অমা পীরি। করম্বনা অচুম্বনো হায়বা লেপ্পদুনা মসিগী ৰাফমসিগী মতাংদা মখাতানা নহাক্লা মুন্না খন্থবদা মতেং পাঙগনি :

- নহাক য়াম্না হৈশিংলবদি, নহাক্লা থবক কন্না শুবগী দরকার তাদে।
- করিগীদমক্তা শাংনা চৎলুগদবনো; মতমপুন্বদা অশন্বা অমা য়েঙলগা লোইরে।
- ৰাদ্রদি নুঙাইবা ফঙদ্রে।
- মঙলান চাওবা তম্মু; নহাক্কী অনিংবশিংদু শোইদনা অচুম্বা ওইরক্কনি।
- মান্নদুনা চাওরিবমখৈ, হোৎনবদুবু হেন্না হেন্না চাওনা হোৎনবা দরকার ওইগনি।
- হোৎনবদু হেন্না হেন্না হোৎনরিবমখৈ, মানা অদু হেন্না খোইথুম্নগনি।
- অহানবদা নহাক্লা মায়পাক্লবদি, হন্না হন্না অমুক হোৎনৌ।
- নঙগীদমক্তা অতোপ্পশিংনা তৌহনবা য়ারগদি করিগীদমক্তা নহাক্লা থবক শুরুগদগে?
- কাহেন্না হোৎনবা দরকার ওইরবদি, মদু ওইরগনু হায়না তমলল্লবনি।
- অপীকপা খোঙথাংশিংনা তোইনা অমসুং লেপ্পা লৈতনা চঙশিনবা য়াম্না চাওবা মহৈ ফঙহনগনি।

- মপু ওইজবদা মতিকচাবা খুদিংমক লাইনা লাক্কে।
- থোইদোক হেন্দোকপা ওইবা হায়বসি মপুঙফানা কখোকচবা দরকার তাই।
- Miles লিশিং লিশিংগী খোঙচৎ অদু খোঙথাং অমদগী হৌই।
- য়ান-য়ানবা হোৎনখিবা অদু মতিকচাবা ওইদে।
- পোৎশিংদু ওইরক্কনি হায়দুনা ঙাইদুনা লৈরোইদবনি; ঐখোয়না মদুবু ফঙনবা হোৎনশিনগদবনি।
- মায়পাকপা হায়বসি লাইবক্কী ৰানিদা।
- ঐখোয়না ঐখোয়গী অনীলোংবা পান্দম অদু মিত্রংগী মতেংদগী ফঙবা ঙম্লোই।
- ঐখোয়না ঐখোয় ইশাবু নুমিৎ খুদিংগী হিসাব থমগদবনি।

ঐখোয়গী নুঙগী অমসুং বুধি-লৌশিংগী ওইবা চাওখৎপা অদুবু ফঙনবা অমসুং সমাজপু হোংহনবদা শরুক তম্লবা কন্না হোৎনদুনা, ঐখোয়না সেবাগী লম্বী অদুদা চৎলি। মসি ময়েক শেঙলে মদুদি মসিগী অনিলোংবা পান্দম অসিবু ফঙনবা হোৎনবা মতমদা ঐখোয়দগী য়াম্না চাওনা হোৎনবা অমা দরকার তাই। বাহা'উ'ল্লাহনা ঐখোয়দা হায়বী :

> **"চাংদমনিংঙাই লৈত্রবা শেম্বীরিবা মহাক্না মীওইবা পুম্নমকপু চপ মান্নবা পোৎশক্তগী শেম্বীবনি, অমসুং মখোয়গী তশেংবদুবু মহাক্কী অতোপ্পা খুৎশেম পুম্নমক্তগী ৰাংনা থাঙ্গৎপিরে। মায়পাকপা নত্রগা মায়থিবা, তোঙজবা নত্রগা মাঙজবা, হায়বসি, মরমদুনা, মীওইবা মশামক্কী হোৎনজমনগী মখা পোল্লি। মহাক্না হেন্না হোৎনরিবৈমখৈ, মহাক্কী চাওখৎপদু হেন্না চাওগনি।"[১৯]**

**মাপলশুবা শরুক**

সেবা তৌথোকচবদগী হরাও তয়াম্বা ফঙজবা ঙম্নবা, ঐখোয়না ঐখোয় ইশাদা অকক্লবা মওং মতৌশিং (attitudes) য়োকখৎকদবনি। খুদম ওইনা, তাইবঙ মপুনা ঐখোয়দা পীনবিরকপা সেবা তৌবা মতমদা ঐখোয়না তাইবঙ মপুদা করিগুম্বা অমা পীনরিবনি হায়না খনবসি খনফম থোক্তবনি। খ্বাইদগী ফত্তবদু ওইথোক্লগনি হায়না খনবা ৰাখল অদু ঐখোয়না নাথৈরম্বা তমগদবনি অমসুং মালেমসিবু অফবা মিৎয়েংদা য়েঙবগা লোয়ননা পুন্সিদা চঙশিনগদবনি। সেবাগী লম্বেলদা লৈরম্বা অপনবশিংদুবু মখাতানা চাওখৎখিনবগী খোঙনেৎফমশিং ওইহনবা য়াই। অৱাবশিংগী মরক্তফাওবা, ঐখোয়না থাজবগী মিৎশিংনা তুংগী মতমদা য়েংজৈ। ঐখোয়গী হোৎনবশিংবু শকতাক্নদবনা আসা অমসুং অফবা মিৎয়েং অদুগী মতাংদা মখাদা পীরিবা অব্দুল-বাহাগী ৱাহৈশিংসিনা থিন্দুনা তাকপীরি :

> **"অহৌবদা, মরু অদু কয়াদা পিকখ্রবা, অদুবু মমৈথঙদদি মদু অচৌবা কল্লবা উপাম্বী অমা ওইরকই। নখোয়না মরু অদুদা য়েঙগনু, নখোয় উপাম্বী অদুদা য়েংউ, অমসুং মদুগী য়াম্লবা লৈরাংশিং, অমসুং মদুগী উনাশিং অমসুং মদুগী উহৈশিংদুদা য়েংউ।"[২০]**

> **"অদুনা মসিগী পিক্লবা মরু অসিগী য়ুম্ফম ওইবা মরুওইবদু খঙউ মদুদি অচুম্বা লৌ উবা অদুনা, মহাক্কী মীনুংশি থৌজালগী খুৎশিংনা, মপুগী খোইদোক্লবা লৌবুকশিংদা থকখ্রবা মরুদু অমসুং মদুবু পীনবিরকপশিং অমদি থৌজালশিংগী নোংনং ইশিং চাইবিরি অমসুং অচুম্বগী শক্তিকথাবাগী মৈশা অমদি মঙালনা হৌজিক নাওয়োকপিরি।"[২১]**

**"নহাক্লা উপাম্বী অমনা ৱাংখৎলকপা অমসুং চাওখৎলকপা উবা মতমদা, মদুগী মহৈশিংগী মতাংদা আসা থমজৌ। মদুদা লৈরাংশিং শাৎলক্কনি অমসুং মমৈথঙদা মহৈ পাল্লক্কনি। নহাক্লা অকংবা নত্রগা অরিবা উপাম্বীশিং উবা মতমদা, মদুনা মহৈ পাল্লক্কনি হায়বগী আসা অমত্তা লৈতে।"[২২]**

**"মরম অদুনা তাইবঙ মপুগী নুঙশিবশিংনা, মতমচানা হোৎনদুনা, মখোয়গী কন্না হোৎনবগী ইশিংনা, মসিগী আসাগী উপাম্বী অসিবু য়েঙশিনগদবনি অমসুং নাওয়োকপীগদবনি অমসুং য়োকখৎপীগদবনি।"[২৩]**

**"করিগুম্বা থম্মোয় অদুনা তাইবঙ মপুনা পীবিরিবা থৌজালশিংদগী লৈথোকখ্রবদি করম্না মদুনা হরাওবগী আসা তৌবা ঙমজগনি ? মদুনা মহাক্কী আসা অমসুং থাজবা অদু তাইবঙ মপুগী মিনুংশি থৌজালদা থমদ্রবদি, মদুনা কদাইদা পোথাবা ফঙগদগে?"[২৪]**

মথক্কী ৱারেংশিংসিগী মতাংদা মুন্না ৱাখল তৌনবা, মখাদা পিরিবা ৱাহৈ পরেংশিংসি মপুঙফাহল্লু :

১. অহৌবদা, মরু অদু কয়াদা পিকখ্রবা, অদুবু মমৈথঙদদি ______________________________

২. ঐখোয়না মরু অদুদা য়েঙলোইদবনি, ______________________________

৩. অদুনা ঐখোয়না মসিগী পিক্লবা মরু অসিগী য়ুম্ফম ওইবা মরুওইবদু খঙগদবনি, মদুদি মহাক্কী মিনুংশি থৌজালগী খুৎশিংনা, ______________________________

৪. নহাক্লা উপাম্বী অমনা ৱাংখৎলকপা অমসুং চাওখৎলকপা উবা মতমদা, ঐখোয়না ______________________________ আসা লৈজগদবনি।

৫. ঐখোয়না উপাম্বী অমনা ৱাংখৎলকপা অমসুং চাওখৎলকপা উবা মতমদা, ঐখোয়না আসা থমগদবনি মদুদি মদুদা ______________________________

৬. ঐখোয়গী কন্না হোৎনবগী ইশিংনা, ঐখোয়না ______________________________

৭. থম্মোয় অদুনা তাইবঙ মপুনা পীবিরিবা থৌজালশিংদগী লৈথোকখ্রবদি ______________________________

৮. থম্মোয় অদুনা মদুগী আসা অমসুং থাজবা অদু তাইবঙ মপুগী মিনুংশি থৌজালদা থমদ্রবদি, ______________________________?

হৌজিক, মিৎকুপ অমত্তা মুন্না খন্থমিন্নসি : ঐখোয়গী হরাও তয়াম্বা অমসুং আসানা থল্লবা ইথিল অসিগা তৌবিমল খঙনা নোল্লুকচবগী ফিভমগা পন্সিনবা মতমদা অতোপ্পশিংদা হরাও তয়াম্বগী হৌরকফম অমা ওই হায়বসি নহাক য়ানিংব্রা ? অমসুং ঐখোয়না মতমপুম্বদা পুক্নিংদা নিংশিংদুনা থমসি মরম অসিবু সেবা তৌনবা হৌগৎপা মতমদা, ঐখোয়না মীওইবা জাতীনা পুন্না পুন্সিন্নবা নুমিৎ ওইরিবা, অনৌবা নুমিৎ য়াকাইরকপগী নুঙাইরবা পাওজেলদু পুরিবনি। বাহা'উ'ল্লাহগী ৱাহৈশিংসিনা ঐখোয়গী থম্মোয়শিংদা খোন্থাং য়ৈরসনু :

**"থবক পাঙথোক্লিবা মখোয়দু নুঙাইরবনি; ভাব তারবা মখোয়দু নুঙাইরবনি; অচুম্ববু চেৎনা পায়রিবা, লাইরমলেনশিংদা লৈরিবা পূম্মমত্তংগী অমসুং মালেমদা লৈরিবা পূম্মমত্তংগী থাদোকচরবা মহাকতু নুংঙাইরবনি।"[২৫]**

**REFERENCES**

1. *Gleanings from the Writings of Baha'u'llah* (Wilmette: Baha'i Publishing Trust, 1983, 2017 printing), CLIII, par. 5, p. 369.

2. Ibid., CXXXII, par. 3, p. 326

3. Bahau'u'llah, *The Hidden Words* (Wilmette: Baha'i Publishing Trust, 2003, 2012 printing), Arabic no. 2, p. 3

4. *Gleanings from the Writings of Baha'u'llah*, CVI, par. 1, p. 241.

5. Ibid., CIX, par. 2, p. 243.

6. Baha'u'llah, in Women: *Extracts from the Writings of Baha'u'llah, 'Abdu'l-Baha, Shoghi Effendi and the Universal House of Justice,* compiled by the Research Department of the Universal House of Justice (Wilmette: Baha'I Publishing Trust, 1986, 1997), no. 53, p.26.

7. *The Hidden Words,* Arabic no.11, p. 6.

8. *Gleanings from the Writings of Baha'u'llah,* CLIII, par. 5, p. 370

9. Ibid., CXXIX, par. 1, p. 316.

10. Ibid., XLIII, par. 9, p. 109

11. From a talk given on 19 November 1911, published in *Paris Talks: Addresses Given by 'Abdu'l-Baha in 1911* (Wilmette: Baha'i Publishing, 2006, 2016 printing), no. 32.2, p. 121

12. *The Hidden Words*, Persian no. 12, p. 26.

13. Ibid., Persian no. 14, p. 26.

14. Ibid., Arabic no. 15, p. 7.

15. Ibid., Persian no. 32, p.33.

16. Baha'u'llah, in *The Baha'i World: Volume One, 1925-1926* (Wilmette: Baha'i Publishing Trust, 1926, 1980 printing), p. 42.

17. *The Call of the Divine Beloved: Selected Mystical Workds of Baha'u'llah* (Haifa: Baha'i World Centre, 2018), no. 2.12, p. 17.

18. *Tablets of the Divine Plan: Revealed by 'Abdu'l-Baha to the North American Baha'is* (Wilmette: Baha'i Publishing Trust, 1993, 2006 printing), no. 13. 6, pp. 95-96.

19. *Gleanings from the Writings of Baha'u'llah*, XXXIV, par. 8, p. 91

20. *Selections from the Writings of 'Abdu'l-Baha* (Wilmette: Baha'i Publishing, 2010, 2015 printing), no. 40.3, pp. 118-19

21. Ibid., no. 40.3, p. 119.

22. From a talk given on 11 May 1912, published in *The Promulgation of Universal Peace: Talks Delivered by 'Abdu'l-Baha during His Visit to the United States and Canada in 1912* (Wilmette: Baha'i Publishing, 2012), par. 2, p. 153.

23. *Selections from the Writings of 'Abdu'l-Baha,* no. 206.13, pp. 356—57.
24. From a talk given by 'Abdu'l-Baha on 21 November 1911, published in *Paris Talks,* no. 34.8, p. 133.

25. Baha'u'llah, *Epistle to the Son of the Wolf* (Wilmette: Baha'i Publishing Trust, 1988, 2016 printing), p. 139.

নুঙগী ওইবা থাক ৱাংবা ৱারী ৱাতাইশিং

পান্দম

ৱারি ৱাতাই অমদা নুঙগী ওইবা চৎনপথাপশিংদুবু হৌদোক্লবগী তৌবা ঙম্বদু তানশিনবা

**অহানবা শরুক**

লাইরিক অসিগী অহানবা য়ুনিত্তা, ঐখোয়না তাইবঙ মপুগী ৱাহৈবু অতোপ্পশিংদা শরুক তমলুবগী থবক অদুদগী ফঙলকপা হায়নিংঙাই লৈতবা হরাও তয়ান্বা অদুগী মতাংদা ঙাংঙকখ্রে। ঐখোয়না সেবাগী লম্বেল অসিদা চৎপগা লোয়ননা, ঐখোয়না বাহা'উ'ল্লাহগী শাফোঙবদগী তপ্না তপ্না ফঙলক্লিবা নুঙহুনজিনবা জ্ঞানশিং অদুবু মরুপ মপাংশিং অমদি শকখঙনবা মীওইশিংগা খন্না নৈনবগী খুদোংচাবা কয়া অমা ঐখোয়দা লাক্কনি। অদুনা, ৱ াহন্থোক লৈবা অমদি নুঙগী ওইনা ৱাংনা থাঙ্গৎপা ঙম্বা ৱারী- ৱাতাই শান্নবদা ঐখোয়না শরুক তন্বা ঙমহন্নবগী তৌবা ঙম্বশিং অদু ঐখোয় পুম্নমক্না খ্বাইদগী দরকার ওইনা চাওখৎহনগদবশিংগী মনুঙদা অমনি। মদুগী তাঞ্জা অদু লাকপা মতমদুদা, নুঙগী ওইবা চৎনপথাপশিং পুশিল্লক্কুনা ৱারী- ৱাতাই অদুগী থাক অদু করম্না ৱাংখৎহনগদগে হায়বদু মতাং অসিদা নখোয়না মিৎয়েং চঙগনি। মথঙগী য়ুনিত্তা, নখোয়গী খুঙ্গং নত্রগা নাইবরহুদতা মশাখিংবা খুন্নাই অমা শেমগৎনবগী পরীং পথাপ নাইনা হোৎনবা অমগী শরুক অমা ওইনা অকক্লবা হীরমশিংগী (themes) মতাংদা থঙনা থঙননা করম্না ৱারী ৱাতাইশিং হৌদোক্কদগে অমসুং তুংকোইনা চত্থগদগে হায়বগী মতাংদা নখোয়না খঙগনি।

মখাতারকপা শরুকশিংদা ঐখোয়না অব্দুল- বাহাগী ৱাঙাংশিং অমসুং চেবাংশিংদা য়ুম্ফম ওইবা চপচাবা quotationশিংদা নত্তবা, তোঙান তোঙানবা হীরমশিংগী মতাংদা হায়রম্বা ৱারোল কয়া অমা য়েংগনি অমসুং মহাক্না শিজিন্নরম্বা ৱাহৈ চবুল কয়া অমবু য়াওহনগনি। নখোয়না ৱারোল খুদিংমক্কু কয়ারক হন্না পাগদবনি, ৱাখল্লোনশিংগী মথঙ মনাওদু খঙদোক্কদবনি, অমসুং নখোয়গী কাঙলুপকী অতোপ্পা মেম্বরশিংগা মথঙ মথঙ তাঞ্জা লৌনদুনা মদুবু নখোয়না মহৌশাগী ওইবা মওংদা ফোঙদোকপা ঙমদ্রিবফাওবা মখোনথোক্লা হায়গদবনি। মসিগী চাংয়েং অসিনা খন্না নৈনবা অমা খুমাঙ চাওশিনহন্নবা মতাংচাবা মতম অমদা নহাক্না থাজবা অসিগী তাকপী তন্বীবশিংদুবু শিজিন্নদুনা ঙাংনবগীদমক্তা শেমশাবীগনি।

মসিগী য়ুনিত অসিদা, মখাতানা নখোয়না, শোইদনমক্কী, অইবশিংদগী ৱারেংশিং চিনফা পুগনি, মরমদি মখোয়দা মীওইবগী থম্মোয় অমদি অনিংবদা য়ৌনা ফাওবা ঙম্বা অখন্নবা শক্তি অমা য়াওই, অদুগা মসিবু নখোয়গী ৱাঙাংদা য়াওহনখিবা মতমদা, তারীবা মীওইদুদা য়াম্না চাওবা ইথিল অমা পী। অদুবু ৱারী ৱাতাই শান্নবদা অইবশিংদগী লৌথোরকপা ৱাহৈশিং শিজিন্নবসি লৌশিং দরকার ওই। দরকার ওইরিবসি ময়াইওইবদুনি (moderation), অইবশিংদগী হকথেঙনবা ৱাহৈশিংদুবু শিজিন্নবা অমসুং থাজবা অসিগী তাকপী তন্বীবশিংবু শন্দোক্না তাক্লবগীদমক্তা ইশাগী ৱাহৈশিং শিজিন্নবা অমসুং থাজবা অসিগী তাকপী তন্বীবশিংবু শন্দোক্না তাক্লবগীদমক্তা ইশাগী ৱাহৈশিং শিজিন্নবা অনীগী মরক্তা খল মান্নহনবা দরকার ওই। মসিগী মান্নবা অসিবু ফঙনবা, অইবশিংবু নৈননবগীদমক্তা নখোয়না মতম অমদি পাঙ্গল শক্তি কয়া অমা কথোকপা দরকার ওইগনি অমসুং অদুম্না তৌদুনা নখোয়গী ৱাখল্লোন অমদি ইথিলশিংদু অইবশিংদুনা মওং নাইহনবা ঙমগনি।

**অনীশুবা শরুক**

নখোয়দা নৈননবা হায়রিবা অহানবা ৱারোল অসি মীওইবা জাতীবু মহৈ মশিং তমবীগদবা মীওই অমগী দরকারগী মতাংদনি।

ঐখোয়না অহিংবগী মালেম অসিগী মরমদা খনবা মতমদা, ঐখোয়না উবা ফঙই মদুদি লৈবাকশিং, মনা মশিং, শাশিং অমসুং মীওইবগী লমদমশিংসি (realms), মখোয় অমমম খুদিংমকসি, মহৈ মশিং তন্বীবা

মীশক অমা দরকার ওই। লৈকোল অমদা মাল্লি অমা দরকার ওই। মরাংকাইবা লৌরোক ফঙনবা, লম অদু লৌ উবা অমা দরকার ওই। মীওই অমবু মথন্তা শুক্লবা লমহাংদা থাদোক্লগ্নবদি, মহাক্না শারমচংকী ওইবা লম্বেলদা চংখিগনি। মহাকপু মহৈ মশিং তম্বীরবদি, মহাক্না মায়পাকপগী খ্বাইদগী ৱাংবা মফমশিংদু য়ৌবা ঙমগনি। তাকপী তম্বীনবশিং লৈরমদ্রবদি, সভেত্য অমত্তা লৈরমলোই।

মহৈ মশিং অসি মখল অহুম শুই : পোৎচাক্কী, মীওইবগী, অমসুং নুঙগী ওইবা। পোৎচাক্কী মহৈ মশিং অসি হকচাংগী চাওখৎ খোঙথাংগা মরী লৈনৈ। মীওইবগী মহৈ মশিং অসি সভেত্য অমসুং চাওখৎ খোঙথাংগা মরী লৈনৈ। মসি লৈঙাকলোন, সমাজকী পরীং, মীওইবা জাতীগী নুঙাই য়াইফবা, লল্লোনবা অমসুং ইন্দষ্ট্রি, কলা অমসুং বিজ্ঞানশিং, তুংগীদমক য়াম্না মরুওইবা অনৌবা পুথোরকপশিং, অমসুং চাওরা চাওরবা থবকশিং পায়খৎপগা মরিলৈনৈ। নুঙগী ওইবা মহৈ মশিং তাইবঙ মপুগী ওইবা মপুঙফাবশিং তানশিনবগা মরী লৈনৈ। মসিনা অশেঙবা মহৈ মশিংনি মরমদি মসিগী মতেংনা মীওইবগী অৱাংবা মওং মতৌ ওইরিবা, নুঙগী ওইবা মওং মতৌ অদু চাওখৎহল্লি।

চাওখৎনবগীদমক্তা, পোৎচাক্কী, মীওইবগী অমসুং নুঙগী ওইবা মহৈ মশিং ময়েক শেঙনা তম্বীবা ঙম্বা তম্বীনবা অমা দরকার ওই। "ঐহাক য়াম্না বুধি লৌশিং লৈরে, অমসুং ঐহাক অসিগুম্বা মীওই অমগী দরকার ওইদে" হায়না কনাগুম্বনা অসুম্না হায়রক্লবদি, মহাক অদু থাঙ্গৈশেংলবা অদুবু য়াদ্রিবনি। মসি অঙাং অমনা "ঐঙোন্দা মহৈ মশিংগী দরকার ওইদে, ঐহাক ঐহাক্কী লৌশিং অমদি জ্ঞানগী মতুং ইন্না থবক তৌদুনা ইশামক মপুঙফাবগী থাক অদু য়ৌগনি।" হায়বগা মান্নে।

মীওইবা জাতীনা অসিগুম্বা মপুঙ ফারবা তাকপী তম্বীবা ঙম্বা মীওই অমা, হায়বদি মহাক অদুনা হকচাং য়োক থাকপগা মরি লৈনবা হীরমশিংদা তেংবাংবা ঙম্বা, জ্ঞান, অনৌবা পোৎ পুথোকপনচিংবদা হেন্না য়াঙশিন্নবা থৌগৎপা ঙম্বা, অমসুং খ্বাইদগী মরুওইবা থৱায়শিংগী অশেঙবা পুন্সি অদুবু হোংজিনবা ঙম্বা অমা দরকার ওইদুনা লৈরক্লি। অচম্বা মীওই অমনা অসিগুম্বা লুরবা থবকশিং অসিবু পাঙথোকপা ঙমলোই। মপুগী লাইপোক মহাক্কনা মখোয়শিং অসিবু পাঙথোক্কুনা মপুঙফাহনবগী শক্তি লৈ। মখোয়শিং অসি মপুনা মতম মতমগী ওইনা মালেমগী মীওইববু তাকপী তম্বীনবা থারকপা তেংপানগী তম্বীবশিংনি (Educators)

১. মথক্কী ৱারোলশিং অসিবু নখোয়গী কাঙলুপ্তা কয়ারক হন্না পাও অমসুং মসিদা য়াওরিবশিং অসিবু তমশিন্নবা অমগা অমগা তেংবাংনৌ। পীরল্লিবা ৱাখল্লোনশিংসিগা মরী লৈনবা ৱাহংশিং নখোয়না অমগা অমগা হংনগদবনি অমসুং মদুবু মহৌশাগী ওইবা মওংদা অমদি লাইনা ফোঙদোকপা তমগদবনি।

২. মথঙদা, মতাংসিদা ময়েকশেঙনা চুম্না ফোঙদোকপা ঙম্নবা নখোয়না তমশিল্লবা ৱাখল্লোনশিংদু ৱারী- ৱাতাই শান্নবা অমদা করম্না হৌদোক্কনি হায়বদু নখোয়গী কাঙলুপ্তা খন্ন- নৈনৌ। তশেংনা নখোয়গী মরুপশিংদা ইখঙ খঙহৌদনা মহৈ মশিং অসি মখল অহুম শুই হায়না হায়রোই। অদুনা, মথক্কী ৱাখল্লোনশিং অসি ফোঙদোকপদা চুনগদবা তোৎন- তিন্নবশিংগী মখলশিংদুগী (types) মতাংদা নখোয়না খন্থবসি মতিকচাগনি। ওইথোকপা য়ানা খন্না নৈনরিবা হীরম অদু সমাজতা লমচৎ শাজৎনা মরাইচাইথরকপা নত্রগা মালেম অসিনা নুঙাই য়াইফনবগীদমক্তা করম্না থবক তৌগনি হায়বসি ওইবা য়াই। নখোয়না নখোয়গী মরুপ মপাংশিং, ইমুঙ মনুঙগী মীওইশিং, অমুং খঙনা- চানবশিংগা শান্নবা খেন্না খেন্নবা ৱারী ৱাতাইশিংদুগী

মতাংদা মুন্না খন্থৌ। মখোয়গী পুক্নিংশিংদা লৈরিবা হীরমশিংগী মনুঙদা, মসিগী ৱারোলসিগা মরী লৈনবা ৱাখল্লোনশিংগী মতাংদা খন্না নৈনবা য়াবশিং য়াওব্রা ?

___

___

___

___

___

৩. নখোয়না হৌজিক্তা নৈনরিবা হীরমশিংদুগী মতাংদা ৱারী-ৱাতাই শান্নবা মতমদা য়াম্না তোইনা ৱাহংশিং থোরকই। "নহাক্না ঙাংলিবা মসিগী মহৈ মশিং তম্বীবশিংসি কনা কনানো?" হায়না কনাগুম্বনা হংলক্কবদি নখোয়না করি খুমগনি।

___

___

___

৪. মীওইবা জাতীনা মহৈ মশিং তম্বীবা অমা দরকার ওইবগা মরিলৈনবা বাহা'উ'ল্লাহ্‌গী অইবশিংদগী লৌথোরকপা কোটেসন খরা মখাদা লৈরে। মদুদা মুন্না খন্থৌ অমসুং য়ামদ্রবদা অমদি চিনফা পুথোকউ। অসুম্না তৌদুনা, নখোয়না মতাংচাবা মতমদা নখোয়গী ৱাঙাংশিংদা অইবশিংদগী লৌথোরকপা ৱারেংশিংবু য়াওহনখিবা ঙমগনি।

**"মীওইবা খুদিংমক লোইনাইদনা চাওখৎখিগদবা সভেত্য অমা শেমগৎনবগীদমক শেমখিবনি।"[১]**

**"অশেঙবা অমত্তা ঙাইরবা তাইবঙ মপুনা - মহাক্কী মিঙথৈবু ৱাংনা থাগৎলসনু- মীওইবদা মশামকপু শাফোঙলকপগী পান্দমদি মখোয় মখোয়গী নুঙদা লোত্তুনা লৈরিবা মনিমুক্তাশিং অদুবু ইহাং হাংনা মাঙদা পুথোকপনি।"[২]**

**"তাইবঙ মপুনা মহাক্কী লাইপোকশিংবু থারকপগী পান্দম অসি অনীনি। অহানবদা মীওইবগী অঙাংশিংবু খঙদবগী ওইবা অমম্বদগী নিংতমহনবনি, অমসুং অচুম্বা ভাবতাবগী মঙালদুদা মখোয়বু লমজিংবীবনি। অনীশুবদুনা মীওইবা জাতীগী শান্তি অমসুং ইংতপ্পা অদুবু শোইহন্দবনি, অমসুং মদুবু শেমগৎপদা ঙমগদবা পাম্বৈ পূন্নমক অদুবু পীবিবনি।"[৩]**

**"মীওইবনা মতম পূম্নমক্তা অমসুং ফিভম খুদিংমক্তা মখোয়বু কন্না পুক্নিং থৌগৎপীগদবা, মখোয়বু লমজিং লমতাকপীগদবা অমসুং মখোয়বু য়াথঙবীগদবা অমদি তাকপীগদবা মীওই অমা দরকার ওই।"[৪]**

**অহুমশুবা শরুক**

মখাগী পেরেগ্রাফশিংসিদা তাইবঙ মপু মহাকপু মহাক্কী শাফোঙবশিংগী (Manifestation) মতেং খক্তনা খঙবা ঙমগনি হায়বসি শন্দোক্লা তাক্লি অমসুং মহাক্কী মরুপশিংগা ৱারী শান্নবা মতমদা নঙোন্দা কান্নগনি :

ঙমখৈ লৈত্রবা তেংপান অসিবু খল্লু। মসিবু শেন্বীবা অমা য়াওদনা শেন্না ওইথোক্কদ্রা? নত্রগা শেন্বীবা অদুগী তশেংবদুবু, মহাক্লা শেন্বীরকখ্রবদুনা কৈদৌনুঙদা খঙজবা ঙমগদ্রা ? ঐখোয়না খুৎশেম পুন্বসিবু য়েঙলবদি, ঐখোয়না উরে মদুদি অনেন্না অদুনা অৱাংবা অদুগী শক্তিদু খঙবা ঙমদে। মরম অদুনা নুঙ অমদি উপাল অদুনা ফনা চাওখৎনিংবা মওংদা চাওখৎলবসু, উবা অমদি তাবগী শক্তিশিং অদু লাম্বা ফঙলোই। শাশিংনা মীওইবগী তশেংবা অদু কৈদৌনুঙদা ভাব তাবা ঙল্লোই অমসুং মীওইবগী থৱায়গী শক্তিশিংদু খঙবা ঙল্লোই। মরমদুনা শেন্বীরবা ঐখোয়না ঐখোয়বু শেন্বীরিবা অদুগী তশেংবদুবু করম্না ভাব তাবা ঙমগনি ?

ঐখোয়গী ভাব তাজবা অসিনা তাইবঙ মপু য়ৌবা ঙমদ্রবসু, ঐখোয়দা মহাকপু খঙহনবিদবদি তৌদে। মতম মতমগী মতুং ইন্না অখন্নবা অহিংবা (Being) অমা তাইবঙ মপুগী শাফোঙবা (Manifestation) ওইনা মালেমদা থোরকই। তাইবঙ মপুগী ওইবা মপুঙফাবা পুন্নমক, থৌজাল পুন্নমক অমসুং মশেক মঙাল পুন্নমক মসিগী শাফোঙবশিংসিদা (Manifestions), তারু তারুবা মিংশেলদা নুমিৎনা মমি তাবগুম্না উই। মিংশেল অদুনা নুমিৎ অদুগী মঙাল থক্তোকই হায়না হায়বা অসিনা নুমিৎ অদুনা মদুগী অৱাংবা থাক্তগী কুমথরকই অমসুং মিংশেল মনুঙদা য়াওখ্রে হায়বা নত্তে। মসিগা চপ মান্ননা, তাইবঙ মপুনা অশেঙবা লাইরমলেনদগী মসিগী অহিংবগী লৈমাইসিদা কুমথরক্তে। মসিগী ৱাহন্থোক্তী মসিনি : মীওইবা জাতীনা খঙলিবা, তমশিল্লিবা, অমসুং তাইবঙ মপুগী মিংলেনশিং অমদি মগুনশিং অমসুং মপুঙফাবশিং ভাব তারিবা পুন্নমকশিং অসি মহাক্কী অশেঙবা শাফোঙবশিংগী (Manifestions) মতাংদনি।

১. মসিগী ৱারোল অসিবু নখোয়গী কাঙলুপ্তা কয়ারক হন্না পারবা মতুংদা অমসুং মদুদা য়াওরিবশিংদুগী মতাংদা অমগা অমগা ৱাহং হংনরবা মতুঙদা, নখোয়না ৱাখল্লোনশিংদুবু খরা লাইনা হায়বা তমজগদবনি।

২. হৌজিক মসিদা নখোয়না তমশিল্লবা ৱাখল্লোনশিং অসি ৱারী ৱাতাই শান্নবা অমদা মহৌশানা করম্না য়াওহনগদগে হায়বদু নখোয়গী কাঙলুপ্তা খন্না নৈনৌ। মসি লায়না পাঙথোকপা য়াই, খুদম ওইনা, তাইবঙ মপু লৈবগী মতাংদা নত্রগা পুন্সিগী পান্দমগী মতাংদা খন্না নৈনবা মতমদা ওইহনবা য়াই। মসিগী ৱাখল্লোনশিংসিবু পাওদম্নবা খুদোংচাবা নখোয়দা পীরক্কদবা নখোয়গী ইমুং মনুঙদা অমসুং মরুপশিংগা ৱারী শান্নবা মতমদা পুখৎলকপা অতোপ্পা হীরম অমদি ৱাহং খরদু করি করিনো?

______________________________________________________________________

______________________________________________________________________

______________________________________________________________________

______________________________________________________________________

______________________________________________________________________

৩. নহাক্কী মরুপ অমগা ৱারী শান্নবা মতমদা, নহাক্লা হৌজিক্তা নৈনখ্রিবা ৱাখল্লোনশিংদুবু হৌদোক্লবগী তাঞ্জা অমা নহাক্লা ফঙলে হায়না খল্লু। মখোয়গী মনুঙদগী অমনা মসিগী ৱাহং অসি হংলক্লবদি নহাক্লা

করম্না পাওখুম পীগনি : "মহাক্কী শাফোঙবশিংসিগী মতেংদগী ঐখোয়না তাইবঙ মপুগী মতাংদা খঙবা খরদু করি করিনো?"

________________________________________________

________________________________________________

________________________________________________

৪. মসিগী হীরমশিংগী মতাংদা নহাক্না মরুপশিংদা ঙাংবা মতমদা পনবা ঙম্নবা মখাদা পীরিবা বাহা'উ'ল্লাহগী অইবশিংদগী লৌথোরকপা ৱারেংশিং অসি অমা নত্রগা অমদগী হেন্না চিনফা পুথোকপা পাম্বা য়াই:

**"পোৎ পুম্নমক্কী হৌরকফম ওইরিবা, মহাক্কী জ্ঞান অমদি মহাকপু ফঙজবা হায়বসি, অচুম্বগী নুমিত্তগী থোরক্লিবা মসিগী লঙলবা অহিংবশিংসিগী, জ্ঞান অমসুং মখোয়বু ফঙজবগী মতেং নত্তনা ওইথোক্তে।"[৫]**

**"শাফোঙলক্লবা মীওইশিং অসি মতম খুদিংদা তাইবঙ মপুগী মহুৎ শিন্দুনা অমদি তাইবঙ মপুগী চিনবাল ওইদুনা লাক্লি। অচুম্বমক্কীসু, মহাক অসি, তাইবঙ মপুগী খ্বাইদগী থোইদোক হেন্দোকপা মিংথোলশিং ইফুৎনি, অমসুং মহাক্কী ৱাংনা থাঙ্গৎলবা গুনশিংগী নোঙাল্লকফমনি।"[৬]**

**"মসিদগীসু হেন্না, নহাক্না মসি শোইদ্রে হায়বসি খঙজৌ, মদুদি মপুগী লাইপোক পুম্নমক অসিগী থবকশিং অমসুং মখোয়না তৌরিবশিং অদু, নত্তে হেন্নদুম মখোয়গা হেক মরী লৈনবশিংদু, অমসুং মখোয় অদুনা তুংদা ফোঙদোকনিংবা ফোঙদোকচরবসু, পুম্নমক অদু তাইবঙ মপুনা নোংদমখ্রবনি, অমসুং মহাক্কী অনীংবা অমদি পান্দমগী থক্তোরকপা অমনি।"[৭]**

**মরীশুবা শরুক**

লাইনিংলম্বীগী অমত্তা সবা হায়বা হীরমসি মীওই কয়ানা থৱায় য়াওজবা হীরম অমনি, অমসুং মখাদা পীরিবা ৱাখল্লোনশিংসিনা নখোয়বু তাঞ্জা কয়াদা মতেং পাঙগনি :

ঐখোয় মঙালদুনা থোরকনিংবা থাওমৈদগী থোরক্লবসু মঙালদুবু নুঙশিবা মীওইশিং ওইগদবনি। ঐখোয় গুলাপ অদুনা শাৎনিংবা লৈকোলদা শাৎচরবসু গুলাব অদুবু নুঙশিবা মীওইশিং ওইগদবনি। ঐখোয় অচুম্বনা লাকনিংবা হৌরকফমদগী লাক্লবসু অচুম্ববু থিজবা মীওইশিং ওইগদবনি। থাওমৈ অমখক্তদা নপশিনবনা অতোপ্পা থাওমৈশিংদা চপ মান্নবা মঙাল অদুনা ঙাল্লকপা মতমদা মঙাল অদুবু খঙবা ঙমহনদবা য়াই। অচুম্বা থিজবা মতমদা, হান্না খনজিনবা ৱাখল্লোনশিংদগী ঐখোয় ইশামকপু নিংতমহনগদবনি অমসুং য়ুম্ফম য়াওদবা অরানবা ৱাখল্লোনশিংসু থাদোকচগদবনি। ঐখোয়গী পাত্রা অদু ইশাগী হায়বদুনা থল্লবদি, পুন্সিগী ওইবা ইশিংগীদমক মফম লৈতে।

লাইনিংলম্বী হায়বসি মালেমগী মঙলান্নি। মসিনা ঐখোয়গী খোঙথাংশিংবু লমজিং লমতাকপী অমসুং ঐখোয়দা লোইনাইদবা নুঙাইবগী থোঙশিং হাংদোকপী। হকচিনবা থাজবশিং অমসুং করিসু খঙদনা মতৌ তন্বগী ফাজীন পুন্সিনবদগী নিংতমজদুনা, ঐখোয়না মতিকলৈরবা লাইনিংলম্বী পুম্নমক্কী তাকপী তন্বীবশিংবু

ঐখোয়না থিজিনবা মতমদা, মখোয় অসি চপ মান্নবা য়ুস্ফম অদুদা লৈ হায়বসি ঐখোয়না খঙলকই। মখোয় পুন্নমক্না তাইবঙ মপুগী জ্ঞানবু শাফোঙবী। মখোয়না মীওইবা জাতীগী মালেমগী খুমাঙ চাওশিন্নবা হোৎনৈ।

তশেংনা, মফম মতমগী দরকার তাবশিংগী মতুং ইন্না লাইনিং লম্বী খুদিংমক্না পাকশন্না শন্দোকহনখ্রবা খুন্নাইশিংগী আইনশিং অমদি নিয়োমশিংগী মরক্তা খেন্নবা লৈ। অদুবু মখোয়গী মচং ওইবদা য়েঙলবদি লাইনিংলম্বী পুন্নমকশিংসি অমত্তনি। মখোয়না থাজবা, জ্ঞান, শোইদ্রবনি হায়না থাজবা (certitude), অচুম্বা ৰায়েল, ইখাইখুম্নবগা লোয়নননা লাৎচবা, অৰাংবা ৰাখল থাগৎপদা মতিকচাবা, তাইবঙ মপুগী নুঙশিবা, অমসুং ধান পীববু য়োকখৎপী। মখোয়না অশেঙবা, থাদোকচবা, নোল্লুকপা, ইশাবু ফাথজবা, খাংবা কনবা, অমসুং তুংকোইনা হোংদববু তাকপী তম্বী। মসিগী মীওইবগী অফবা গুনশিংসি লাংওন খুদিংমক্কী নৌহৌনা নৌথোকহল্লি।

মসি লৈবকথিবনি মদুদি, য়ুস্ফম য়াওদবা অরানবা ৰাখল্লোনশিং অমসুং করিসু খঙদনা মতৌ তম্বশিনা মরম ওইনদুনা, মীওই কয়া অমদি লাইনিংলম্বীগী অমত্তা ওইবদু উবা ঙমদে। মীওইবা জাতীদা পীরিবা তাইবঙ মপুগী লমজিং লমতাক্কুদি অচুম্বনি, অমসুং অচুম্বদি খাইদোক্কুনা মচেৎ তাহনবা য়াদে; মদু অমখক্তনি। ঐখোয়না অচুম্ববু হান্না খঞ্জিনবা ৰাখল্লোনশিংবু তোঙান্না থমদুনা, নিংতম্না থিজিল্লবদি, ঐখোয়না থিরিবদুনা অপুনবা তম্না লমজিংবীগনি। লাইনিংলম্বীনা ঐখোয়বু পুক্সিনগদবনি; মদুনা মীয়ামগী মরক্তা নুঙশিবগী লিপুনশিং শেমগৎকদবনি। মদুনা য়েংথিনবগী অমদি খৎন- চৈনবগী মরমদু ওইরক্লবদি, মদু লৈরমদবনা হেন্না ফৈ।

১. মমাঙগী শরুক্তা তৌখিবগুম্না, নখোয়না মসিগী ৰারোল অসিবু নখোয়গী কাঙলুপ্তা কয়ারক হন্না পাগদবনি, ৰাখল্লোনশিংদুগা মরিলৈনবা ৰাহংশিং অমগা অমগা হংনগদবনি, অমসুং মদুবু ফজনা ফোঙদোকপসু তমশিনগদবনি।

২. মীয়ামগী পুক্লিং ৰাখলশিংদা য়াম্না তোইনা খল্লিবা, লাইনিংলোনগী ওইবা খৎনা চৈনবগী মতাংদা, খুদম ওইনা, ৰারী ৰাতাই অমা শানবা মতমদা নখোয়না নৈনখ্রবা ৰাখল্লোনশিংদুবু করম্না য়াওহনখিবা য়াগনি হায়বদু নখোয়গী কাঙলুপ্তা খন্না নৈনৌ। অদুগা নহাক্না মরুপ মপাং কয়া অমগা লোয়নননা অচুম্ববু নিংতম্না থিজিনবা অমসুং অরানবা ই পাওনা লান্না লমজিংখিদনবা (manipulated) গী মরুওইবগী মতাংদা খন্না নৈনবা অমদা য়াওরুবসু য়াই। অমুকহন্না নহাক্না মরুপ মপাংশিং অমদি য়ুমলোন্নবশিং, থবক শুমিন্নবশিং অমসুং খঙনা চান্নবশিংগা শান্নখিবা কুইদ্রিবা ৰারী ৰাতাইশিংগী মতাংদা খল্লু। মসিগী ৰাখল্লোনশিংসিগী মতাংদা খন্না নৈনবদগী কান্নবা ফঙজগদবা মখোয়গী পুক্লিং- ৰাখলশিংদা খল্লিবা মরুওইবা হীরম খরদু করি করিনো?

________________________________________

________________________________________

________________________________________

________________________________________

________________________________________

৩. মথক্তা পীখ্রিবা ৰাখল্লোনশিং অসি ৰারী ৰাতাই শান্নবদা পাওদম্নবা মতুংদা, কনাগুম্বা অমনা নঙোন্দা "লাইনিংলোন পুন্নমক্তা চপ মান্নবা অচুম্বশিং খরদু করি করিনো?" হায়না হঙলক্লবদি, নহাক্না করম্না পাওখুম পীগনি ?

৪. মখাদা পীরিবা বাহা'উ'ল্লাহগী অইবশিংদগী লৌথোরকপা ৱারেংশিংসি অমা নত্রগা অমদগী হেন্না চিনফা পুথোক্লবা হায়জরি :

**"মালেমগী মীয়ামশিং অদু ওইনিংবা জাতী নত্রগা লাইনিংলোনগী মীওই ওইজরবসু, মখোয়না লাইরৈবাক্কী হৌরকফম অমত্তদগী মখোয়গী থৌগৎপদু ফঙজে, অমসুং পুন্নমক তাইবঙ মপু অমত্তগী মনাইনি হায়বসি চিংনিনিংঙাই লৈতে।"[৮]**

**"লাইনিংলোন খুদিংমক্কী তুংইনবশিংগা মরুপ মপাং ওইবগী অমসুং নুঙশি চান্নবগী ইথিল অমগা লোয়ননা পুল্লু।"[৯]**

**"তাইবঙ মপুগী লাইনিংবু অমসুং মহাক্কী লাইনিংলোনবু থৱায় হাপ্লিবা য়ুম্ফম ওইবা পান দমদি মীওইবা জাতীগী কান্নগদবশিংদুবু ঙাকশেনবনি অমসুং অপুনববু য়োকখৎপনি..."[১০]**

**"তাইবঙ মপুগী লাইনিংলোন অসি নুঙশিন্নবা অমদি পুনশিন্নবনি, মসিবু য়েঙথিনবা নত্রগা নাকপাক তানবগী মরম ওইহনগনু।"[১১]**

**মঙাশুবা শরুক**

বিজ্ঞান অমসুং লাইনিংলোনগী মরক্তা লৈনরিবা মরী অসি নৈনবগী মথঙগী হীরম অমা ওইনা নখোয়না নৈননবা হায়রি।

লাইনিংলোন হায়বসি বীজ্ঞানগী নিয়োমশিংগা চুশিন্নবা ওইগদবনি। তাইবঙ মপুনা ঐখোয়দা মরমচানা ৱাখল খনবা ঙম্নবগী শক্তি (reason) অদু হাপ্পীরে মদুদি ঐখোয়না অচুম্ববু খঙবা ঙমজনবা। বীজ্ঞান অমসুং লাইনিংলোন অনীমক মরমচানা ৱাখল খনবগী (reason) থাকশিংদু ঙাক্কদবনি। মরমদুনা, মখোয় অমগা অমগা য়ানবা ওইগদবনি। মখোয় অনীসি মীওইবগী বুধি লৌশিংবু ৱাংনা পায়হনগদবা মশা অনীনি, মীওইবা জাতীনা পাইবা ঙমগদৌরিবা মশা অনীনি। মশা অমখক্তনা মতিকচাদে।

বীজ্ঞান হায়বসি তাইবঙ মপুনা পীনবীবা থৌজাল অমনি। মসিনা শাবান্থোংগী মালেম অসিগী নিয়োমশিংদু থিদোকই অমসুং মহৌশানা ঐখোয়দা থম্বীবা ঙমখৈশিংদু লান্থোকপা ঙমহল্লি। বিজ্ঞানীক ওইবা খুৎলাইশিংগী মতেংদগী, ঐখোয়না মিৎনা উবা ঙমদবা পোৎশিংবু উবা ঙম্মী অমসুং মিৎকুপ অমদা পাকচাওখ্রবা অরাপ্পা মফমদা পাও ফাওনবা ঙম্মী। বিজ্ঞান্না হৌজিক ওইরিবা অমদি হৌখিবা মতমবু পুন্সিনবী অমসুং তুংগী মতমগী অঙকপশিংবু ফাওনা উবা ঙম্মী। মীয়াম অমগী চাওখৎপসি বিজ্ঞানীক ওইবা মায়পাকপগী মখা পোল্লি।

তাইবঙ মপুগী লাইনিংলোন অসিনা অচুম্ববু য়োকখৎপী, জ্ঞানবু শৌগৎপী, অমসুং মীওইবা জাতীবু হেন্না ফগৎহনবী। লাইনিংলোন য়াওদ্রবদি, বীজ্ঞান অসি পোৎচাকপু (materialism) খুমাঙ চাওশিলহন্নবগী

খুৎলাই অমা ওইরকই, মমৈথঙদা মদুনা নিংবা কায়বা তম্না লমজিংখি। লাইনিংলন্বীনা বীজ্ঞানগী মায়োক্তা লৈবা মতমদা, মদু ইচম চন্বা অন্ধবিশ্বাস ওইরকই। লাইনিংলন্বী অমসুং বীজ্ঞান পুন্না চান্না চিন্ননা চৎমিন্নরবদি, মীওইবা জাতীদা অৰাবা কয়া পুরক্লিবা য়েঙথিনবা অমদি পেন্নদবা অয়াম্বদি লোয়খিগনি।

১. মমাঙদা তৌখিবগুম্না, ৰারোল অসিবু নখোয়গী কাঙলুপ্তা পেরেগ্রাফ পেরেগ্রাফ নাইনা কয়ারক হন্না পাও, অমসুং মদুবু মহৌশাগী ওইবা মওংদা ফোঙদোকপা ঙমদ্রিবমখৈ নখোয়না নৈনরিবা হীরম অদুবু তমশিন্নবা অমগা অমগা ৰাহংশিং হংনৌ।

২. মীওই অমনা অসুম্না হায়রক্লবদি নহাক্না করম্না খুমগদগে : "লাইনিংলন্বী হায়বসিদি হৌখ্রবা মতমগী পোৎশকনি; বীজ্ঞান্না মীওইবা জাতীগী সমস্যা খুদিংমক কোকহল্লগনি।" লাইনিংলন্বী হায়বসি অন্ধবিশ্বাসকা মান্নদে, অদুবু মদু বীজ্ঞান য়াওদবা মতমদা অদুম্না ওইরকই, অমসুং লাইনিংলন্বী য়াওদ্রবদি বীজ্ঞান অসিনা পোৎচাক্কী ওইবদগী পোক্লকপা নীংবা কায়বা তম্না লমজীংই হায়বসি ময়েকশেংহনবদুনা নঙোন্দা মতেং ওইগদ্রা? মসি করম্না থোকপগে হায়বগী খুদম খরা নহাক্না পীবা ঙমব্রা?

____________________________________________________

____________________________________________________

____________________________________________________

____________________________________________________

____________________________________________________

৩. মখাদা পীরিবা বাহা'উ'ল্লাহগী অইবশিংদগী লৌথোরকপা ৰারেং অমা নত্রগা অমদগী হেন্না নহাক্না চিনফা পুথোক্লবা হায়জরি :

**"কন্থোরবা মপুনা মীওইবদা পিনবীবশিংসিগী মনুঙদা, ইহান হানবা অমদি খ্বাইদগী মরুওইবদি, ভাব তাজবগী খুদোল অসিনি... মসিগী খুদোল অসিনা পোৎ পুম্নমকশিংদা অচুম্বদু উবা ঙম্বগী শক্তি অদু মীওইবদা পীবি, মদুনা মহাকপু অচুম্বদু তম্না লমজিংবা, অমসুং খুৎশেমগী অরোৎপশিংদুবু পুথোকপদা মহাক্কী মতেং ওই।"[১২]**

**"মালেম অসি য়েংউ অমসুং মদুগী মতাংদা মুন্না খন্থো। মদুনা মশামক্কী লাইরিক অদুবু নখোয়গী মিৎমাংদা মাইখুম হাংদোক্লি অমসুং ফজহল্লিবা, পুম্নমক খঙলিবা, নখোয়গী মপুগী খোর্জেনা শাফোঙবীখ্রবা অদু মদুদা হক্লবনি।"[১৩]**

**"জ্ঞান হায়বসি মীওইবগী পুন্সিগী মশাশিংগী মশকনি, অমসুং মহাক্না কাখৎচনবগী কৈরাকনি। মদুবু তানশিনবা হায়বসি মীপুম খুদিংমক্কী তৌফদ্রবা মথৌনি।"[১৪]**

**তরুকশুবা শরুক**

মীওইবা জাতীগী অমত্তা ওইবা হায়বসি ঙসি মফম খুদিংমক্তা লৈরিবা মীয়ামগী থম্মোয়শিংদা য়াজবা হীরম অমনি, অমসুং মী অয়াম্বনা মখাদা পীরিবা ৰাখল্লোনশিংসি নহাক্না খন্না নৈনরুবদা তরাম তরাম্না য়ারক্কনি।

মচু কয়া অমদি লৈনম কয়াগী লৈরাংনা নাক য়েত্তা হৌবা লৈকোল অদু মিৎফম হোংনিংদে। অমসুং খেন্নজরবসু, লৈরাং অমমম খুদিংদুবু চপ মান্নবা নোংনা তেকখৎহল্লি অমসুং নুমিৎ অমত্তদগী মখোয়গী মৈশা অদু ফগুজে। মীওইবা জাতীগী ওইনসু মসি চুম্মী। মীওইবা জাতী অসি জাৎ কয়ানা অমদি কুচু কয়ানা শেম্বনি। অদুবু পূম্নমক চপ মান্নবা তাইবঙ মপুদগী লাকপনি, অমসুং পূম্নমক্কী হৌরকফম অমত্তনি। ম্যুজিকতা খেৎনবা শঞ্জনা পুনশিল্লবা মপুঙফাবা শুর অমা শেম্বগুম, মীওইবা জাতীগী ইমুঙ মনুঙদা লৈরিবা কেহন্নবশিং অসিনা নুঙশিননা চান্না - চিন্নবগী মরম ওইহনগদবনি।

হিংননবগীদমক্তা অপুনবা হায়বসি দরকার ওই। নুঙশিবা হায়বসি পুন্সি অসিগী হৌরকফমদুমকনি। পোৎচাক্কী ওইবা মালেমদা, চিংশিনবগী আইন্না পোৎ পূম্নমক্কী পোৎলমশিংবু পুন্না পায়শিনদুনা থম্বী। চিংশিন্নবগী আইন অদুনা অখন্নবা পোৎচাক খরবু ফজরবা লৈরাং অমগী মওংদা পুনশিন্নদুনা থম্মী। অদুবু মদুগী চিংশিন্নবা অদু লৌথোকখ্রবদি, লৈরাং অদু পথ- পুমথরক্কনি অমসুং মখাতানা লৈখিরোই। মীওইবা জাতী অসিসু মসিগুম্বনি। মীওইবা জাতীবু পুনশিনদুনা থল্লিবা শাফুশিং অদুদি চিংশিন্নবা, চান্ন- চিন্নবা অমসুং অপুনবনি।

বাহা'উ'ল্লাহনা মালেমগী মীওইবা জাতী খুদিংমকপু পুনশিন্নবা মওং (design) অমা শেমলম্মী। ঐখোয়না মখোয় পূম্নমকপু অপুনবগী অকোয়বগী মনুঙ অসিদা চিংশিন্নবা হোৎনবা য়াবা খুদিংমক হোৎনগদবনি। ঐখোয়না তোঙান তোঙানবা জাৎশিং, লৈবাকশিংগী মীওইশিং, লাইনিংলোনশিং, অমসুং ঐখোয়গী মোৎশিংদগী খেন্নবা মোৎশিং থেঙনবা মতমদা, মদুগী খেন্নবশিং অদুনা ঐখোয়গী মরক্তা লৈবা পল অমা ওইহল্লোইদবনি। ঐখোয়না মখোয়বু মীওইবা জাতীগী ফজরবা লৈকোন্দা হৌরিবা তোঙান তোঙানবা মচুগী গুলাপকুম খঙগদবনি অমসুং মখোয়গী মরক্তা লৈবদা হরাও তয়ামগদবনি।

১. মথক্কী ৱারোল অসি নৈনরবা মতুংদা নখোয়না মমাঙগী শরুকশিংদা তৌখিবগুম্না, নখোয়গী অকোয়বদা হাংদোক্কুনা লৈরিবা মশিং য়াল্লবা ৱারী ৱাতাইশিং অদুগী মতাংদা খল্লু। মসিগী ৱাখল্লোনশিংগীবু মখোয়দা পাওদমলুবা য়াবগী ওইথোকপা য়াবদু নহাক্কীদমক্তা হাংদোরক্কদবা মীয়ামশিংগী পুক্রিং- ৱাখলশিংদা লৈবা মরুওইবা হীরমশিং খরদু করি করিনো?

______________________________________________________________

______________________________________________________________

______________________________________________________________

______________________________________________________________

২. মীওইবা জাতীগী অমত্তা ওইবগী মতাংদা শান্নবা ৱারী অমনা নহাক নশামক্কী খুন্নাইগী অপুনবগী মরুওইবদুগী মতাংদা খন্না নৈনবা অমা থোকহনবা য়াই। ঐখোয় অমমম খুদিংমক্কা মদুদা করম্না শরুক তন্বা য়াবগে হায়বগী মতাংদা নহাক্কা ৱাহৈ খরা হায়বা ঙমব্রা?

______________________________________________________________

______________________________________________________________

______________________________________________________________

৩. নহাক্কী মরুপশিংগা হীরম অসিদা ৱারী শান্নবা মতমদা নহাক্কা মখোয়দা পনবা য়াগদবা মখাগী কোটেসনশিং অসি নহাক্কা অমা নত্রগা অমদগী হেন্না চিনফা পুথোকপা পান্বা য়াই :

**"অপুনবগী লাইশঙ অদু লিংখৎলে; নখোয় অমগা অমগা লমলানবা অমগুম খন্নগনু। নখোয় খুদিংমক  উপাম্বী অমত্তগী উহৈশিংনি, অমসুং উশা অমত্তগী উনাশিংনি।"[১৫]**

**"অপুনবগী মঙাল অসি অদুক্কী মতিক শক্তি চেল্লি মদুদি মদুনা মালেম পুম্ববু ঙালহনবা ঙম্মী।"[১৬]**

**"নখোয়গী মায়থোঙশিং অদু অপুনবরোমদা ওনশিল্লু, অমদি মদুগী মঙালগী তরং তরংবা মঙালনা নখোয়দা ঙালহল্লু। নখোয় পুন্না পুনমিন্নৌ, অমসুং তাইবঙ মপু মহাক্কীদমক্তা নখোয়গী মরক্তা লৈরিবা কন্না য়ানবগী হৌরকফম খুদিংমক অদুবু লৌথোক্লবা অচেৎপা ৱারেপ লৌ।"[১৭]**

**"মরুপ মপাং ওইবা, থৌজাল হৈবা অমসুং অপুনববু য়োকখৎকদবা অদুদা চেজেৎনা পায়জদুনা ইঞ্জনবা হোৎনবা হায়বসি মীওইবা খুদিংমক্কী তৌফম থোকপা মথৌনি।"[১৮]**

**তরেৎশুবা শরুক**

মীওই অয়াম্বনা য়াম্না পুক্লিং চঙবা ৱাফম অমা ওইরিবা, অচুম্বা ৱায়েলগী মতাংদা খন্না নৈনবদা মখাদা পীরিবা ৱারোল অসিনা নখোয়দা মতেং পাঙগনি। :

লন্নাই মীওইশিংদা খেন্না খেন্নবা তৌবা ঙম্বশিং লৈবা হায়বসি মীওইবগী মহিংগী য়ুম্ফম ওইবা ৱাফম অমনি। মরমদুনা, মীপুম খুদিংমক্লা হিরম খুদিংমক্তা চপ মান্নবা (equal) হায়বসি ওইথোক্তে। অদুমকপু, মীওইবগী থবক থৌরম খুদিংমক্তা মপুঙওইনা অচুম্বা ৱায়েলনা লৈঙাক্লদবনি । অচুম্বা ৱায়েল অসি অশেঙবা ওইগদবনি, অমসুং মীওই খুদিংমক্কী হকশিংদু ঙাকশেনগদবনি।

অচুম্বা ৱায়েল হায়বসি ঙমখৈ লৈতে; মসি পুম্নমক্কী (universal) ওইবা গুন অমনি। মসি মীওইবগী পুন্সিগী হিরম পুম্নমক্তা চৎনহনগদবনি। খুন্নাইগী মীওই অমমম খুদিংমক্লা সভেত্যগী কান্নবশিংদু ফঙজগদবনি, মরমদি মীওই খুদিংমক মীওইবা জাতীগী হকচাংগী শরুক অমনি। মসিগী হকচাং অসিগী শরুক অমা অৱাবা নত্রগা নুঙাইতবা লৈরবদি, অতোপ্পা শরুক পুম্নমকসু শোইদনা ৱাগনি। মতৌ করম্না শরুক অমনা অৱা অনা তারগা অতোপ্পশিংনা নুঙাইনা লৈগদগে? ঙসিগী খুন্নাই অসিদা দরকার ওইবা অমগা অমগা পীথোক পীশিন তৌনবগী অমসুং পো চুম্বগী ফিভমদু ৱাৎলি, মসি ফজনা শিল্লাংদে। মীওইবগী ইমুঙ পুন্বসিগী নুঙাই য়াইফবা অমসুং হরাওববু শোইদনা লৈহনগদবা আইনশিং অমসুং চৎনপথাপশিং দরকার ওই।

অচুম্বা ৱায়েল হায়বসি মনা অমসুং দন্দিগী য়ুন্বীশিংদা লিংখৎকদবনি। থাজবা য়াওদনা, তাইবঙ মপুগী দন্দিগী অকিবা য়াওদনা লৈবাক ঙক্লিবা লৈঙাক অদুনা, অচুম্বা ৱায়েল ওইদবা আইনশিং চৎনহনগনি। ওৎনৈববু থিংঙে হায়রবদি মনাগী আসা অমসুং দন্দিগী অকিবা অনীমক দরকার তাই। আইনশিং শেল্লিবা অমসুং ঙাকশেল্লিবশিংনা মখোয়গী ৱারেপশিংগী নুংগী ওইবা তুংদা থোকলক্কদবা ফোলশিংদু খঙজগদবনি। মহাক্কী থবকশিংদুগী তুংদা থোকলক্কদবা ফোলশিংদুনা মসিগী মালেমগী ৱাংমগী পুন্সি অদুফাওবা তুং ইল্লক্কনি

হায়না থাজবা অমসুং মখোয়গী ৱারেপশিংদু তাইবঙ মপুগী অচুম্বা ৱায়েলনা শোইদনা চাংয়েং তৌরগনি হায়না খঙবা লৈঙাকপশিংদুনা শোইদনমক তমথিবা অমসুং ওৎনৈবসি তৌরক্লোই।

১. মথক্কী ৱাখল্লোনশিংসি নখোয়না অমুক্তং মহৌশাগী ওইবা মওংদা ফোঙদোকপা তমশিল্লবা মতুংদা, ৱারোল অদুনা পীরিবা নুঙহুনজিনবা জ্ঞানশিংদুদগী করম্না হিরমগী মতাংদা ৱারী শান্নবদা কান্নবা ফঙজগনি?

২. অরানবা ৱায়েল হায়বসি কৈদৌনুঙদা লোইবা নাইরোই হায়না থাজবা মীওই অমনা নহাক্না করম্না পাওখুম পীগনি?

৩. অচুম্বা ৱায়েলগা মরীলৈনবা বাহা'উ'ল্লাহগী অইবশিংদগী লৌথোরকপা মখাদা পীরিবা ক্কোটেসন খরসু নখোয়না চিনফা পুথোক্লবা পুক্লিং থৌগৎলি।

**"মীওইবগী মঙাল অসি অচুম্বা ৱায়েলনি। মসিবু ওৎনৈবগী অমসুং তমথিবা মওংদা লৈঙাকপগী ওন্না তৈনবা নুঙশিৎশিংনা মুখৎখিগনু। অচুম্বা ৱায়েলগী পান্দমদি মীওইবগী মরক্তা অপুনববু থোরকহনবনি।"**[১৯]

**"তরং তরংবা মঙাল অমত্তগা অচুম্বা ৱায়েলগী মঙালগা চাংদম্নবা ঙমলোই। মালেমগী শিল্লাংবা অমসুং মীওইবা জাতীগী ইং তপ্পদু মদুগী মখা পোল্লি।"**[২০]

**"মালেম অসিবু শিন্দমবীবদি অচুম্বা ৱায়েলনি, মরমদি মসিবু মনা অমসুং দন্দিগী য়ুম্বী অনীনা ঙাক্লি। মসিগী য়ুম্বী অনী অসি মালেমদা পুন্সিগী হৌরকফমশিংনি।"**[২১]

## নিপালশুবা শরুক

ইনাকখুনবা অমসুং লাইরবশিংগী মরক্তা লৈরিবা খেন্নবা অসি নোংমা নোংমগী হেন্না হেন্না পাকথোরক্লি, অমসুং মখাদা পীরিবা ৱারোল অসিনা মসিগী মতাংদা অমদি মসিগা মরীলৈনবা হিরমশিংনা নখোয়গী মরুপশিংগা ৱারী শান্নবা মতমদা মতেং ওইগনি।

ঙসিদি, অমগা অমগা পীথোক পীশিন তৌনবা অমসুং চান্না চিন্নবা মরীশিং ৱাৎপদগী, খুন্নাইগী মীওই খরদি পেন্না, য়াম্না নুঙাইনা অমদি অরং-অরাক্না লোয়ননা হিংলি, অদুগা অতোপ্পশিংনা চান-থক্লবা

অমদি লৈনবা মফমশিং ফঙদনা লৈরি। খরনা য়ৌনা শেল পায়রি, অমসুং অতোপ্পশিংনা খমথেঙনা লাইরবগী ফিভমদা হিংলি।

খুন্নাইগী আইনশিং অদু মীওই খরখক্তনা কাহেন্না লনথুম পৈশিনবা অমসুং অতোপ্পশিংবুনা খমথেঙনা লাইরবা ফিভমদা লৈহনবা য়াহনদবা মওংদা শেমগদবনি অমসুং চৎনহনগদবনি। মসিনা পুম্নমক মান্নগনি হায়বদি নত্তে, মরমদি থাক অমসুং তৌবা ঙম্বশিংদা খেন্নবা হায়বসি খুৎশেম্বা হান্নদগী য়াওরক্লবনি। অদুবু লৌশিনবা শুকয়া য়াফম থোক্তবা মওংদা লাইরববু পুক্লিং ৱাখল হন্থহনবগা লোয়নরিবা কাহেনবা লনথুমনা মরাংকাইনা লৈরিবদু কোকহনবা য়াই। কেপিটেলিষ্ট অমনা য়াল্লবা শেলগী মপু ওইবা য়ারবদি, থবক শুরিবা মীওইশিংদুনা মখোয়গী হিংনবগী মতিকচাবা পাম্বৈশিং লৈবীসিসু চপচানা চুম্মী। ঐখোয়না খমথেঙবা লাইরবা উবা মতমদা, মফম কদাইদনো অমা ঐখোয়না তমথিবা লৈঙাকপদু উবা ফঙগনি।

ৱাফম অসিগী য়ুস্ফম ওইবা মরমদি মসিনি মদুদি তাইবঙ মপুগী অচুম্বা ৱায়েল অদু মীওইবগী ফিভমশিংদা উথোরক্লদবনি। শেল-থুমগী মপুঙওইবা ফিভমগী য়ুস্ফম ওইবা মরমশিংদুগী মওং মতৌদু তাইবঙ মপুগী ওই অমসুং মদু থম্মোয় অমদি থৱায়গী মালেমগা মরিলৈনৈ। ইনাকখুনবশিং অদুনা মখোয়গী মরাংকায়না লৈরিবা অদু পীথোকচগদবনি; মখোয়না মখোয়গী থম্মোয়শিংবু হাংদোকচগদবনি অমসুং মিনুংশিগী ওইবা বুধি লৌশিং য়ৌখৎকদবনি। থম্মোয়শিংবু পুন্না চেৎনা পুনশিনগদবনি, নুঙশিবনা অশুক্কী মতিক অকনবা শাফু ওইরক্কদবনি মদুদি ইনাকখুনবা অদুনা খ্বাইদগী তৌনিংনা শেলথুমগী ওইবা শিন্দোক-শিঞ্জিন তৌবদু মতম পুম্বগী ওইনা লৈহনখিনবা খোঙথাংশিং লৌখলিক্লবা। মখোয় মশামক্লা খঙজরক্কদবনি মদুদি খুন্নাই অদুদা খমথেঙনা লাইরবা লৈরগা মখোয়না য়াল্লবা লনথুমগী মপু ওইবসি অচুম্বসু নত্তে অমদি আইন্না য়াবসু নত্তে। অসুম্না তৌদুনা, মখোয়না য়ানিংনা মখোয়গী লনথুমশিংদু পীথোকচগনি, লোয়না লোয়ননা মখোয়না নুঙাইনা লৈবা ঙমজনবা শরুক অদুসু ঙম্মীবমখৈ থমজহৌগনি।

১. ৱারোল অসি পাও অমসুং মদুবু মহৌশাগুন্না নখোয়গী কাঙলুপ্তা নৈনৌ। লনথুম অমসুং লাইরবগা মরীলৈননা মীয়ামশিংগী পুক্লং-ৱাখলশিংদা মরুওইবা হিরম কয়া অমা খল্লি - খরদা পল্লবদা খুদম ওইনা থবক ফঙদবা, খুৎশুমল, লৈনবা য়ুম। মসিগী ৱারোল অসিদা য়াওরিবা ৱাখল্লোনশিংদগী কান্নবা য়াবা অতোপ্পা খন্না নৈনবগী হিরম খরা নহাক্লা খনবা ঙমব্রা?

____________________________________________________

____________________________________________________

____________________________________________________

____________________________________________________

২. মথক্কী ৱাখল্লোনশিংসি তারবা মতুংদা মীওই অমনা অসুম্না হংলক্লবদি নহাক্লা করি খুমগনি : "নহাক্লা হায়রিবসি ইনাকখুনবশিংনা য়াম্না চেকশিনবা তেক্সকী আইনশিং অদু ভাব তাদুনা শৌগৎলক্কনি, অমসুং মখোয়না পিফম থোকপদু য়ানিংনা মখোয়না পীগনি হায়রিব্রা? মসি ওইথোক্কনি হায়বসি নহাক্লা করিগী খল্লুরিবনো?"

____________________________________________________

____________________________________________________

____________________________________________________

৩. বাহা'উ'ল্লাহগী অইবশিংদগী লৌথোরকপা মসিগী ক্কোটেসনশিংসি অমা নত্রগা অনী নহাক্লা চিনফা পুথোক্লবা হায়জরি :

**"... নখোয়না অফবা অমসুং অঙকপা মহৈশিং পুথোক্কদবনি, মদুদি নখোয় নশামক্লা অমসুং অতোপ্পশিংনা মদুদগী কান্নজনবা। মরম অদুনা খুৎশা হৈশিংবগী কালাশিং অমদি শিনফমশিং পায়বা হায়বসি নখোয় অমমম খুদিংমক্কী নথৌনি, মরমদি মদুদা লনথুমগী অরোনবদু লৈ, হে ভাব তারিবা মীওইবশিং?"[২২]**

**"নহাক্কী মিৎশিংদুনা মীনুংশি থৌজালদা ওনশিল্লবদি, নশাবু কান্নহনবা পোৎশিংদু থাদোকলম্মী অমসুং মীওইবা জাতীবু কান্নহনগদবা অদুদা চেৎনা পায়য়ু। অমদি নহাক্কী মিৎশিংদু অচুম্বা ৱায়েলদা ওনশিল্লবদি, নহাক নশাগীদমক্তা খঞ্জবদু নহাক্কী য়ুমলোন্নবগীসু খল্লু।"[২৩]**

**মশাগী মমাঙদা মহাক্কী মনাওগী হান্না খল্লিবা মহাক্তু থৌজাল্লবনি।"[২৪]**

**"অফবা থবক অমত্তা কৈদৌনুঙদা মাংলোই, মরমদি ফনবা থৌজালহৈনা তৌখিবা থবকশিংদুদি মদুবু পাঙথোক্লিবা মখোয়গী কান্ননবা তাইবঙ মপুদা তেক্তা কাইদনা থল্লিবা লঙ্গৈশিংনি।"[২৫]**

**"... ময়াইওইবগী ঙমখৈশিংদু হেন্দোকখিদনবা, অমসুং হালেংবা লৈতবশিংগীশিংদা চনখিদনবা পুক্নিং চংঙে।"[২৬]**

**মাপলশুবা শরুক**

মখাদা পীরিবসি য়ুম্ফম য়াওদবা অরানবা ৱাখল্লোন (prejudice) গী হিরমগী মতাংদা খন্না নৈনবা য়াওরুবদা নহাকপু মতেং পাঙগদবা ৱাল্লোন খরনি।

"য়ুম্ফম য়াওদবা অরানবা ৱাখল্লোনগী মওং পুন্নমক্লা - লাইনিংলোনগী, জাৎকী, নুপী নুপাগী, ফুরুপকী, শেলথুমগী- মীওইবগী য়ুম্ফমবু মাঙতাকহল্লি অমসুং তাইবঙ মপুগী য়াথংশিংগী মায়োক্তা লৈ। চহী লিশিং কয়া অমা মসিগী য়ুম্ফম য়াওদবা অরানবা ৱাখল্লোন অমা নত্রগা অমনা থৌজিনদুনা মীওইবা জাতীনা লান অমদি ইখেঙ তানবগী অৱাবা নংদুনা লাক্লি। মখোয়না হেক মখাতানা লৈরিবমখৈ, মীওইবা জাতীনা পোত্থাবা ফঙলোই।

তাইবঙ মপুনা মহাক্কী লাইপোকশিংবু নুঙশিবা অমসুং অপুনবা শেমগৎনবগী অমত্তা ঙাইরবা পান্দমগা লোয়ননা থাবীরকখি। লাইরমলেনগী লাইরিক পুন্নমকশিংসি নুঙশিবগী অইবা ৱাহৈশিংনি। মখোয়না নাকপাক তানবগী মরম ওইরক্লবদি, মখোয়শিংসি মহৈ য়ানদবা ওইরক্লে। মরমদুনা, লাইনিংলোনগী ওইবা য়ুম্ফম য়াওদবা অরানবা ৱাখল্লোন অসি অখন্ননা তাইবঙ মপুগী অনিংবা অমসুং য়াথংগী মায়োক্তনি।

লৈবাক্কী ওইবা য়ুম্ফম য়াওদবা অরানবা ৱাখল্লোন অসি মপুঙফানা মরমচাবা ওইদে। মালেম অসি লম অমখক্তনি, লৈবাক অমখক্তনি। লৈবাকশিংবু তোখাইনা খাইদোক্লিবা লৈইশিং অমসুং ঙমখৈশিং অসি

ৱাখলনা শাগৎপনি; মখোয়শিংসি তাইবঙ মপুনা শেমখিবা নত্তে। মীয়ামশিংনা তুরেল অমবু লৈবাক অনীগী মরক্কী ঙমখৈনি হায়না লাওথোকই, নাকল নাকলদুবু মমিং অমমম থোল্লি, অদুবু তুরেলদুদি অনীমক্কীদমক শেমখিবনি অমসুং পুন্নমক্কী মহৌশাগী ওইবা শিংলিনি। পুন্সিগী থৌজালশিং ওইরিবা অদুবু লান অমসুং মাংতাকপগী মরম ওইনবা মীয়ামবু থৌজিল্লিবসি ৱাখলনা শাগৎপা অমসুং খঙদবা ওইরোইদ্রনে?

জাতীগী ওইবা যুম্ফম য়াওদবা অরানবা ৱাখল্লোন অসি অন্ধবিশ্বাস। মীওই অমগী উনশাগী মচু অদুদি মহাক্কী পারী পুরিশিংদুনা মতমগী মতুং ইন্না অইং অশা অমসুং অকোয়বগী ফিভমদুগী মতুং ইন্না চুশিন্নবা মওংদা হোংলকপগী মহৈনি। লিচৎনা মীওইবা জাতীগী অচুম্বা ৱারেপনৈনি। থোইদোক হেন্দোকপা হায়বসি জাৎ অমসুং কুচুগী মখা পোন্দে। থাজবা, থম্মোয়গী অশেঙবা, অফবা থবকশিং অমসুং থাগৎপদা মতিকচাবা ৱাঙাংশিংনি তাইবঙ মপুগী থোঙজিলদা লৌশিনবিরিবসি।

মতম কুইরবদগী হৌনা, নুপীশিংবু নুপাশিংগী মখাদা নমথদুনা থম্বী অমসুং লান্না তৌবী। নুপা অমসুং নুপীগী খেন্নবা অসি শবাম্থোংগী ওইবা তাইবঙ অসিগী দরকার অমনি; থৱায়গী ওইবা তাইবঙদদি মখোয়সি চপ মান্নে। তাইবঙ মপুগী মিৎয়েংদা, নুপা অমসুং নুপীগী মরক্তা করিসু খেন্নবা লৈতে। মীওইবা জাতী পুম্ন মকপু মহাক্তা বুধি লৌশিং অমসুং খঙবা উবা ঙম্বা পীনবি। পুমনমক্তা অফবা গুন তানশিন্নবগী তৌবা ঙম্বা লৈজে। ঙসিদি মীওইবা অমনা নুপী নত্রগা নুপা ওইবগী মরমদুনা অরানবা মওংদা লোয়ননবগী ফিভম অমত্তা লৈত্রে।

ওল্ড টেষ্টামেন্টগী ৱাহৈশিংগী মতুং ইন্না, তাইবঙ মপুনা হায়রম্মী, "ঐখোয়না মীওইববু ঐখোয়গী মমিগুম্না, ঐখোয়গা মান্ননা শেমলসি।" মসি তশেংনা নুপীদসু চপচানা এপ্লাই তৌই। মীওইবা অসি তাইবঙ মপুগী মমি মান্না শেমখিবনি; হায়বদি, তাইবঙ মপুগী অফবা গুনশিংদু মীওইবগী তশেংবা শক্তমদা থক্তোকই অমসুং শাফোঙই। মসি মীওইবা জাতী পুম্বদসু চুম্মী। কুচু অমখক্তদা, ফুরুপ নত্রগা লৈবাক অমত্তদা লৈবা মীওইশিংবু তাইবঙ মপুগী মমি মান্না শেমখি হায়বসি কয়াদা লৌশিনবা য়াবা ওইদ্রিবনো। লনথুম লৈবা মীওই খক্তবু মহাক্কী মমি মান্না শেমখি হায়না উৎপা নত্রগা খুন্নাইদা অৱাংবা ফমথোল পায়বনা তাইবঙ মপুগী মনাক নকচনবগী পথাপ অদুনি হায়না খনবসি কয়াদা মরম চাদ্রিবা। যুম্ফম য়াওদবা অরানবা ৱাখল্লোনশিংবু থাদোকচবা অমসুং লৈঙাকলমগী (Kingdom) লিচৎশিংদু তানশিনবগী মতেং নত্তনা মীওইবা জাতীনা ঙাম্থোকচবদু ফঙজবা ঙমলোই।

১. মসিগী ৱারোল অসি মমাঙগী ৱারোলশিংদা তৌখিবগুম্না নৈনৌ অমসুং নখোয়গী মরুপশিং অমসুং যুমলোন্নবশিংগা ৱারী শান্নবা মতমদা যুম্ফম য়াওদবা অরানবা ৱাখল্লোন মুথৎপা দরকার তাই হায়না পুখৎলকখিবা শিংনবা খরদু খল্লু।

_______________________________________________

_______________________________________________

_______________________________________________

_______________________________________________

২. মথক্কী ৱাখল্লোনসিবু নহাক্না হায়বদু তারবা মীওই অমনা মসি হংলক্লবদি নহাক্না করি পাওখুম পীগনি : "ঐখোয়না যুম্ফম য়াওদবা অরানবা ৱাখল্লোন লৈজবা অমসুং মদুবু খঙজদবসি ওইথোকপ্রা?

_______________________________________________

৩. মসিগী ৱাখল্লোনশিংসিবু নখোয়না খন্না নৈনবা মতমদা মখাদা পীরিবা বাহা'উ'ল্লাহগী অইবশিংদগী লৌথোরকপা ক্বোটেসনশিংদগী অমা নত্রগা অমা য়াওহনখিবা য়াবা তাঞ্জাশিং নহাক্না ফঙবা য়াই :

**"মালেম অসি লৈবাক অমখক্তনি, অমসুং মীওইবা জাতীনা মদুগী নাগ্রীকশিংনি।"[২৭]**

**"মালেমদা লৈরিবা চার পূম্নমকশিংসি উপাল অমত্তদগী থোরকপনি, অমসুং ইরিক পূম্নমকশিং অদু ইপাক অমত্তদগী থোরকপনি, অমসুং অহিংবা পূম্নমক অদুনা মখোয়না হিংজরিবদু অহিংবা অমত্তদগীনি।"[২৮]**

**"ঙসিগী নুমিৎসিদা, মীওইবা জাতী পুম্নগী সেবাদা মশামকপু কখোকচরিবা মীওই অদু তশেংনমক মীওইবা অমনি।"[২৯]**

**"অফবা লিচৎকী মঙাল অদুনা নুমিৎকী মঙাল অমসুং মদুদগী থোরকপা তরং তরংবা মঙালদগী হেল্লি।"[৩০]**

**"মীওইবগী থোইদোক হেন্দোকপসি সনা লুপাশিং নত্রগা লনথুমদা লৈতে, অফবা লিচৎ অমসুং অচুম্বা ভাব তাবদা লৈ।"[৩১]**

**"ফিভম পূমনমক্কী মখাদা অন্ধবিশ্বাসকী মূর্ত্তিশিংবু মচেৎতানা শেগাইবদা অমসুং মীওইবগী ৱাখলনা শাবশিংগী মায়খুমশিংদু শেগাইবদা নহাকপু চানবীদুনা তাইবঙ মপুনা মতেং পীনবিসনু।"[৩২]**

**"মহাক্কী মনাওগা করিসু কান্নদনা য়েৎনরিবা অমসুং মশামকপু মঙোন্দগী হেন্না খুমাঙ চাওশিন্নবা হোৎনরিবা মহাক অদু মী পূম্নমক্কী মনুঙদা খ্বাইদগী নাচুংদ্রবনি।"[৩৩]**

**তরাশুবা শরুক**

মরুপ মপাংশিংগা ৱারী ৱাতাই শানবা মতমদা, নুপা নুপী থাক মান্নবগী মরমদা মখাদা পীরিবা ৱারোলসিদা য়াওরিবা ৱাখল্লোনশিংসি তোইনা শিজিন্নবা য়াগনি :

সবাম্হোংগী ওইবা নুমিৎ অসিনা, মহাক্কী মঙাল অমসুং মৈশাগী মতেংনা, মালেমগী পোৎশক পূম্নমক্কী তশেংবদু ফোঙদোকই। নুমিৎকী শক্তিদা ওনশিঞ্জদুনা উপাল অদুদা লোত্তুনা লৈরম্বা উহৈ অদু মদুগী মশাশিংদা পাল্লক্লম্মী। মতৌ অসিগুম্না, অচুম্বগী নুমিৎ অসিনা, নুঙগীওইবা অতিয়াদা পুমলং লংনা ঙাল্লক্তুনা, মমাংঙৈগী মতমদা উরমদবা তশেংবশিংদু ফোঙদোকহল্লক্লি। মরমদুনা, মসিগী যুগ অসিদদি, নুপী নুপা মান্নবগী চৎনপথাপ অসি মপুঙফানা শকখঙলে অমসুং হৌজিক মসি খঙনরবা অচুম্বা অমা ওইরে।

বাহা'উ'ল্লাহ য়াম্না ময়েকশেঙবা মওংদা হায়বীরম্লে মদুদি তাইবঙ মপুগী মিৎয়েংদা নুপা অমদি নুপীগী মরক্তা খেন্নবা অমত্তা লৈতে। যুগ কয়াদগী লৈরক্লিবা মান্নদবগী ফিভম অসি নুপানা থাক হেন্না ৱাংখিবদগী নত্তে; মসিদি ইচম চম্না নুপীবু মখোয়গী লোত্তুনা লৈরিবা পাঙ্গল শক্তিশিংদুবু চাওখৎহন্নবগী খুদোংচাবা অদু চপ মান্নবা মওংদা পীখিদবা অদুদগীনি। অদুমওইনমক মখোয়গী মায়োক্তা যুম্ফম য়াওদবা অরানবা ৱাখল্লোনশিংনা লৈখ্রবসু, পুৱারীদা খ্বাইদগী চাওরবা মায়পাকপশিং ফঙখ্রবা নুপী মশিং থিংঙমদ্রবা কয়াগী পুন্সিশিং অদুগী রেকোর্দ থমহৌরি।

পার্সিয়াগী কাবী, তাহীরি অসিগুম্বা নুপী অমনি। মহাক ১৮০০ গী অঙনবা মতমদা নুপীশিংবু মপুঙওইনা নুপাশিংদগী হম্থনা খনবা লৈবাক অমদা পোকখি। মহাক অসি তাইবঙ মপুগী অনৌবা শাফোঙবগী অচুম্বা অদুবু য়াজবা অহানবা নুপীনি। মহাক্না অনৌবা নুমিৎ অমনা য়াকাইরকপদু উরদুনা, নুপী নুপা চপ মান্নবগী তশেংবদু শকখঙজবগী মতম অদু লাক্লে হায়বদু মহাক্না থাজরম্মী। মহাক্কী জ্ঞান অমদি ৱাঙাং হৈবা অদুনা মহাক্কী মতমদুগী খ্বাইদগী হৈরবা নুপাশিং চমম্নহল্লি। ওৎনৈবা নিংথৌ অমা অমসুং করিসু খঙদবা অমদি নাপল তৌবা পুরোহিৎ অমগী লান্মী পুন্নমক্না মহাক্কী মায়োক্তা লৈরবসু, মহাক্না মিৎকুপ অমফাও অচুম্বদু ঙাংবদা চিংনবা লৈখিদে। অমসুং মমৈথঙদা মহাক্না চেজেৎনা কোনশিঞ্জরবা মরম (Cause) অমগীদমক্তা মহাক্কী মপুন্সি কখোকখি।

তাইবঙ মপুনা নিংখিদবা অদুদা থাজবা হায়বসি খঙদবা অমদি অন্ধবিশ্বাসনি। ঙসিদা নুপী খুদিংমক্তা মহৈ মশিং হৈনবা অমদি মীওইবগী হোৎনবগী লম খুদিংমক্তা নুপাগা মান্নবা থাক অমা লৌবা ঙমজনবা খুদোংচাবা খুদিংমক পীবিগদবনি। নুপা নুপীগী মান্নবা থাক অসি, নুঙগীওইবা থাক্তা ওইবগুম, মালেম অসিদা তশেং তশেংবা অমা ওইদ্রিবফাওবা, মীওইবা জাতীগী তশেংবা চাওখৎপা হায়বসি ওইথোক্লোই।

১. নখোয়না মমাঙদা তৌখিবগুম, নখোয়গী কাঙলুপ্তা মসিগী ৱারোলসি নৈনগদবনি অমসুং ৱাখল্লোনশিংদুবু ফোঙদোকপা তমগদবনি। নখোয়গী মরুপশিংগা ইকুই কুইদনা শান্নখিবা ৱারী ৱাতাইশিংদা মসিদা পীরিবা নুঙহুনজিনবা জ্ঞানশিংসিদগী কান্নবা য়াবশিং য়াওখিব্রা ? খন্না নৈনখিবা মরুওইবা হীরমশিংদু করি করিনো?

__________________________________________________________________

__________________________________________________________________

__________________________________________________________________

__________________________________________________________________

২. নুপীশিংনা নুপাশিংগা মান্নবা থাক অমদা হোৎনবগী লম খুদিংমক্তা লৈরক্কদবা ওইরবদা ঙসিগী খুন্নাই অসিদা হোংদোক্কদবা হৌজিক হৌজিক চৎনরিবা থাজবা অমদি মিৎয়েংশিং খরদু করি করিনো?

__________________________________________________________________

__________________________________________________________________

__________________________________________________________________

__________________________________________________________________

৩. মখাদা পীরিবা কোটেসন খরসি বাহা'উ'ল্লাহগী অইবশিংদগী লৌথোরকপনি মসিবু নখোয়না চিনফা পুথোকপা পান্না য়াই।

**"নুপী অমদি নুপা হায়বসি তাইবঙ মপুগী মিৎয়েংদা মান্নদুনা লাক্লি অমসুং মান্নদুনা অদুম্মক লৈখিগনি।"**[৩৪]

**"নখোয় পুম্নমকপু চপ মান্নবা উফুলদগী করিগীদমক শেমখিবনো হায়বসি নখোয় খঙদব্রা? মদুদি কনামত্তনা অতোপ্পদগী হেন্না মশামকপু ৱাংনা থাঙ্গত্তনবনি।"**[৩৫]

**"ঙসিগী নুমিৎ অসিদা তাইবঙ মপুগী মিনুংশি থৌজালগী খুৎনা খেন্নবা পুম্নমক্তু লৌথোকপিখ্রে। তাইবঙ মপুগী মনাইশিং অমদি মহাক্কী মনাইনুপীশিংবু চপ মান্নবা থাক্তা ইকাইখুম্নরে।"**[৩৬]

## তরামাথোইশুবা শরুক

নখোয়দা নৈনৌ হায়না হায়রিবা অরোইবা ৱারোল অসি মালেমপুম্বগী ওইবা মহৈ মশিং তম্বীবগী মতাংনি:

মহৈ মশিংবু য়োকখৎপা হায়বসি ঐখোয়না মতম অসিগী খ্বাইদগী মরুওইবা দরকার অমনি। লৈবাক অমত্তনা মহৈ মশিংবু মখোয়গী য়ুম্ফম ওইবা মিৎয়েং চংদ্রিবফাওবা ৱাত্ত- পাদবা ফঙবা ঙমলোই। মীয়াম অমনা মরাই চাইথরকপগী খ্বাইদগী মরুওইবা মরমদি জ্ঞান ফঙজবা ঙমদবদগীনি।

মহৈ মশিং তম্বীবা হায়বসি অঙাং ওইরিঙৈদগী হৌগদবনি। মখোয়গী অঙাংশিংবু খ্বাইদগী কন্না হোৎনদুনা মহৈ মশিং তম্বীবা, মখোয়গী লমচৎ শাজৎপু নুঙগী ওইবা অমদি লিচৎকী নিয়োমগী মতুং ইন্না হেন্না ফগৎহনবা, অমসুং মখোয়বু কালাশিং অমদি বিজ্ঞানশিংদা শিন্দমবীবা হায়বসি মমা মপা ওইবশিংগী মথৌনি। মমা ওইবীশিং অসি মীওইবা জাতীগী অহানবা ওজাশিংনি; মখোয়না মখোয়গী অঙাংশিংবু জ্ঞানগী মথানুংদা নাওয়োকপী। অঙাং খুদিংমক মহৈ মশিং তম্বীগদবনি; মসি নাচুংদনা থমলম্বা য়াবা হিরম অমা নত্তে। মমা মপানা দরকার ওইবা চাদিং অদু পীবা ঙম্লবদি, মখোয়না মদু পীগদবনি। মদু নত্রগনা খুন্নাই অদুনা অঙাং অদুগী মহৈ মশিংগী পান্বৈশিংদুবু পীবিগদবনি।

মহৈ মশিংনা মীওইবা খুদিংমক্তা থোইদোক হেন্দোকপা ফঙনিংবগী অপাম্বদু চাওখৎহল্লক্কদবনি। মীওইবগী মপুংফাবদুনা ঐখোয় শুক্ষাৎচগদবনি অমসুং মদুবু পামজনা ফঙনবা হোৎনগদবনি। ঐখোয়না নুংগী ওইবা থোইদোক হেন্দোকপা অদু ফঙজনবা খৌরাংজগদবনি, মীওইবগী মালেমগী অফবা গুনশিংগীদমক্তা হায়বদি - পুকচেল শেংবা, হায়বা ইঞ্জবা, মীওইবা জাতীগী সেবা, নুঙশিবা অমসুং অচুম্বা ৱায়েলগীদমক্তা শকখঙনহন্নবা হোৎনগদবনি। ঐখোয়না শান্তি অমসুং অপুনবা হেনগৎনবা অমদি তমশিনদুনা য়োকখৎনবা ঐখোয়গী হোৎনবশিংদুনা ঐখোয়বু তোপ- তোপ্পা লৈহনগদবনি। মীয়ামবু অসিগুম্বা লম্বী অমদা লমজিংবীবা হায়বসি মহৈ মশিংগী তশেংবা থবক অদুনি।

১. নখোয়গী কাঙলুপ মথক্কী ৱারোল অসি নৈনরবা মতুংদা, মহৈ মশিংগী মতাংদা নখোয়গী মরুপশিংনা ফাওজবা ৱাজবশিং খরদু মশক খঙদোক্লবা হোৎনৌ। মথক্কী ৱাখল্লোনশিংসিনা মখোয়না ৱাজরিবশিংদু করম্না য়েঙশিনবগে?

______________________________________________________________

______________________________________________________________

২. বাহা'উ'ল্লাহগী অইবশিংদগী লৌথোরকপা মখাদা পিরিবা কোটেসনশিংদগী অমা নত্রগা অমদগী হেন্না নখোয়না চিনফা পুথোক্লবা হায়জরি :

**"মীওইবা অমবু জ্ঞান নত্রগা হৈশিংবশিং ফঙহন্দনা থমবিরোইদবনি, মরমদি অদুম্না তৌরবদি মহাক উহৈ পান্দ্রবা উপালগুম্বনি।"[৩৭]**

**"নখোয়গী পুক্লিং ৱাখলশিং অমসুং অনিংবশিং অদু মালেমগী মীয়ামশিং অমদি মরি মতাশিংবু মহৈ মশিং পীবদা কন্না ওনশিল্লু..."[৩৮]**

**"কালা, খুৎশা হৈবা অমদি বিজ্ঞানশিংনা অহিংবগী মালেমবু থাগৎপী, অমদি মদুবু থাক ৱাংহনবদা মতেং পাঙই।"[৩৯]**

**"অচুম্বমক্কীদি, জ্ঞান হায়বসি মীওইবগী শোইদ্রবা লঙ্গে অমনি, অমসুং মিংচৎ, থৌজাল, হরাও তয়াম্বা, থাক ৱাংহনবা, মকালাম্বা অমসুং পেলহনবগী হৌরকফম অমনি।"[৪০]**

## তরানিথোইশুবা শরুক

য়াম্না মরুওইবা শান্তিগী হিরম অসি খুদিংমক্কী পুক্লিং ৱাখলদা লৈ। মসিবু লৈহনবসি খ্বাইদগী থুনা য়াঙনা তৌদবা য়াদ্রবা অমদি খ্বাইদগী মরুওইবা অমনি। হৌখিবা ৱারোলসিদা শন্দোক্লা তাখিবা চৎনপথাপশিং অদুগী মতাংদা নখোয়না ৱাখল খরা খন্থরবনিনা, তেংপানগী ওইবা শান্তিগী ৱাফমশিংগী মতাংদা মুন্না খন্থবসি নখোয়দা কান্নবা য়াই।

তশেংনমক্কীদি, অয়াম্বদি লৈঙাকশিংনা লানবু মুথৎনবা প্রেক্টিকেল ওইবা খোঙথাংশিং পায়খৎপগী মখা পোল্লি। লৈবাকশিংগী মরক্তা অন্তর্জাতীগী ওইবা পুন্না থবক তৌমিন্নবগী মওং কয়া অমা দরকার তাবগুম, শান্তি ফঙনবা হোৎনবদা খৎনা চৈনবশিংবু লোইশিন্নবগী রাজনিটিগী ওইবা য়ানবশিং পুরকপা অমদি খুৎলাইশিং হন্থহনবসিসু চঙদ্রবা য়াদ্রবা দরকারশিংনি। অদুবু, মসিগী পান্বেশিংসি ফনা য়াম্না মরুওইরবসু, মালেমগী মফম খুদিংমক্তা ঐখোয়না মমাঙদা নৈনখ্রিবা চৎনপথাপশিংসি চৎনহনদ্রবদি মদুনা তুংকোইবা শান্তি তম্না পুবা ঙমলোই। মীয়ামশিংনা তশেংববু থিদোকচবা তমদ্রিবফাওবা অমসুং অচুম্বা হায়বসি অমখক্তনি হায়বসি খঙজরক্রিবফাওবা, যুগ কয়াদগী লৈরক্লবা য়েঙথিনবশিং অসি মখাতানা লৈরোইদ্রা হায়না, ঐখোয় ইশাদা হংজগদবনি? ঐখোয় পুন্নমক্কী চপ মান্নবা হৌরকফম অমা লৈ। তাইবঙ মপুনা ঐখোয় পুন্নমকপু য়েঙশিনবী অমসুং মহাক্কী শাফোঙবশিংগী (Manifestation) মতেংদগী ঐখোয়বু শিনদম্বী। মখোয়গী তাকপী তম্বীবশিংদু নুঙশিবা অমদি মরুপ মপাং ওইবগী চপ মান্নবা য়ুম্ফম অদুদা লৈবনি। লাইনিংলোনগী অমত্তা ওইবদু খঙলবকান্দদা লাইনিং লম্বীগী ওইবা খৎনা চৈনবা অদু লেপখিগনি অমসুং লাইনিং লম্বীগী মঙাল অদুনা শান্তিগী লম্বেল অদুবু ঙালহনগনি। খঙদবগী লৈচিলশিংবু তান্থোকখিনবা অমসুং মখোয় অমমম্না শান্তি য়ৌবদা কল্লবা পল অমমম ওইরিবা, য়ুম্ফম য়াওদবা লান্না থাজবা মওং খুদিংমক্কী অরানবদুবু উথোক্লবা বিজ্ঞান অমদি লাইনিং লম্বীগা পুন্না চুংশিন্ননা থবক তৌমিন্নবা দরকার ওইদব্রা হায়না ঐখোয়না মখাতানা হঙগদবনি? হৌজিক হৌজিক ওইরিবা ইনাকখুনবা অমদি লাইরবগী মরক্তা লৈরিবা কাহেন্না

খেন্নবা অসিবু মালেমগী মফম খুদিংমক্তা করিগুম্বা য়েংশিন্দ্রবদি, শান্তি লৈবা মালেম অমা শেমগৎপা ঙমগদ্রা হায়বসি হংবা য়াবা অতোপ্পা ৱাহং অমনি? অমসুং, নুপীশিংবু মীওইবগী হোৎনবগী হিরম খুদিংমক্তা নুপাশিংগা চপ মান্নবা খুদোংচাবগা লোয়ননা চংশিনবা য়াহনদ্রিবমখৈ পুৱারীগী অয়াম্বা শরুকপু শক্তাক্লিবা হিংশা অদুনা শান্তি অমদি তশেংবা ৱাত্ত- পাদবনা মহুৎশিনবা ওইথোক্লো। হৌগৎলক্লিবা শুরোনশিং অসিবু অসিগুম্বা চৎনপথাপশিংসিগী মতুং ইন্না পূম্নমক মহৈ মশিং তন্বীগদবনি, নত্রবদি শান্তিগী আসা খুদিংমক কায়খিগনি। মখাদা পিরিবা বাহা‘উ’ল্লাহগী ৱাহৈশিংসি নহাক্লা চিনফা পুথোকপা পান্বা য়াই মদুদি নহাক্লা মীওইবগী জাতীগী তুংগী মতমগী মতাংদা ৱাজবদু অতোপ্পশিংদা হায়জনবা :

> **“মীওইবা জাতীগী নুঙাই- য়াইফবা, মদুগী শান্তি অমদি ঙাকশেনবা অদু, মদুগী অপুনবদু চেৎনা লিংখৎত্রিবমখৈ ফঙবা ঙমলোই।”[৪১]**

হেন্না লুখনা খঙজিনগদবা হীরমশিং

**পান্দম**

নুংগী ওইবা মরুওইবা হিরমশিংগী মতাংদা ৱারী শান্নবা মরুপ- মপাংশিং অমসুং
য়ুমলোন্নবশিংদা উনবা চৎপগী হৈনবী শেমগৎপা

## অহানবা শরুক

মসিগী অহুমশুবা য়ুনিৎ অসিনা, মমাঙগী য়ুনিৎকুম্না, ৱাহন্থোক লৈবা অমসুং নুংগী ওইনা থাক ৱাংহনবা ৱারী ৱাতাই শান্নবা ঙমহনবা তৌবা ঙম্বশিংদুগা মরি লৈনৈ। অনীশুবা য়ুনিত্তা ঐখোয়না মিৎয়েং চঙখিবদু ৱারী ৱাতাই অমবু নুংগী ওইবা চৎনপথাপশিং পন্দুনা থাক ৱাংহনবা য়াবগী মশিং য়াম্লবা তাঞ্জা কয়া অদুগী মতাংদনি। মফম অসিদদি মিৎয়েং অসি খুন্নাইগী পুন্সিদা খ্বাইদগী মরুওইরিবা হীরমশিংবু পুন্না নৈনমিন্ননবা মরুপশিং অমসুং য়ুমলোন্নবশিংগী য়ুমদা ঐখোয়না উনবা চৎপশিংদুদা ওনশিল্লগনি।

মালেম শিন্থুংবদা লৈরিবা খুঙ্গংশিং অমসুং neighbourhoodশিংদা, মরুপশিংগী কাংলুপশিংনা চাংনাইনা চত্থবা লাইশোল মীফমশিং, অঙাংশিংগী নুংগী ওইবা মহৈ মশিং তম্মীনবগী ক্লাসশিং, নৌরিবা নহাশিংগী মীফমশিং, ষ্টদি সার্কলশিং, অমসুং নহাশিংগী কেম্পশিং অমসুং তোঙান তোঙানবা মওংগী কেমপ্যেনশিং য়াওবা অমগা অমগা মরিলৈনবা থবক থৌরম চবুল অমদা কন্না চঙশিল্লি। মসিগী থবক্কী পরিং অসিনা লমদম (locality) মরাতারকপা অমসুং মীশিং হেন্না হেন্না মখোয় মশামকশিংবু সেবাগী থবকশিংদা কখোরকপগা লোয়ননা, মরুপশিংগী খ্বাইদগী মরুওইবা কাংলুপ (nucleus) অদু পাকচাওবা অমসুং মপাঙ্গল হেনগৎলকই। খুঙ্গং নত্রগা neighbourhood তা লৈরিবা য়ুমশিংদা মশিং হেন্না হেন্না পরিং পথাপ নাইনা উনবা চৎপগী থৌরম অমা হায়বসি হৌজিক খোঙজেল য়াঙবা হেনগৎলক্লিবা লেপ্তুনা চঙশিল্লিবা খুন্নাই শেমগৎপগী থবক্কী মরুওইবা পোৎলম অমনি। অসিগুম্বা উনবা চৎপশিংদা মওং কয়াদা খেন্নবা হিরমশিং নৈনৈ। বাহা'ইগী অঙাংশিংগী ক্লাসশিংগী ওজা অমনা, খুদম ওইনা, মহৈ মশিংগা মরিলৈনবা হিরমশিং নৈননবা নৌরিবা অঙাংশিংদুগী মমা মপাশিংদু য়াম্না তোইনা উন্নৈ। চপ মান্নবা মওংদা এনিমেটর অমসুং ট্যুতরশিং ওইনা  সেবা তৌরিবশিংদুনা মীওইবা অমগী পুন্সিগী মসিগী থোইদোক হেন্দোক্লা ওইথোকপা য়াবা চহিশিংসিগা লোয়নরিবা শিংনবশিং অমদি খুদোংচাবশিংদুগা মরিলৈনবা হিরমশিংদুবু খন্না নৈননবা নৌরিবা নহাশিং অমদি নহাশিংগী য়ুমশিংদা উনবা চৎকদবনি।

## অনীশুবা শরুক

মসিগী য়ুনিৎ অসিগী পান্দমগীদমক্তা, মথক্তা শৈথাখ্রবা লেপ্তুনা চঙশিল্লিবা থবকশিংসিনা খুমাঙ চাওশিল্লিবা ভাবনা শাবা (imaginary) neighbourhood অমা য়েংগনি, অমসুং মসিবু ঐখোয়না য়ুম অমদা উনবা চৎলুবা মতমদা থোকপা য়াবা ৱারী ৱাতাই মখলশিংদুবু কুপ্পা নৈনবগী ফিভমশিং ওইনা শিজিন্নগনি।

Alejandra নহা ওইরিবা University দা third year তম্লিবা নুপী অমনি। মহাক অমদি ছাত্রা ওইরিবা, মহাক্কী মনাওনুপা অমগা ঐখোয়না ভাবনা শারিবা neighbourhood অসিদা লৈ, হায়রিবা য়ুমসিদা মখোয় পোকলকখি অমসুং চাওরকই। মখোয় মরি অমদি nieghbourhood অদুদা হোংলকপা কুইদ্রিবা নহা ওইরিবা মতৈ মনাও অমগা চয়োল খুদিংগী লাইশোল তৌনবা অমসুং মখোয়গী অকোয়বদা লৈরিবা মীয়াম ৮০০০ মুক্কী মনুঙদা লৈরিবা থবক থৌরমশিংদুগী খুমাং চাওশিনবদুগী মতাংদা ৱা- তান্নবা পুল্লম্মী। অতোপ্পা মীওই অহুম অমসু মসিগী চয়োলগী মীফমশিং অসিদা মতম মতমগী মতুং ইন্না শরুক য়ারম্মী অমসুং মখোয় মশামক্কী সেবাগী থবকশিংদুগী মতাংদুতা নত্তনা মপুঙওইবা খুন্নাই শেমগৎপগী লেপ্তুনা চঙশিল্লিবা থবক অদুগী মতাংদসু পরিং- পথাপ নাইনা খনবা হৌরকলম্মী : থা তরুক্কী মমাঙদা হৌদোকখিবা অঙাংশিংগী ক্লাসকী ওজা অমা অমসুং মখোয়না নহা (চহি তরাতারেৎ শুরবা নহা অনী) ওইরিঙৈদা মখোয়গী কাঙলুপকী এনিমেটর ওইখিবা অমসুং মখোয়গী  মমা মপাশিংবু চাং নাইনা উনখিবা Alejandra গী মবুং অমগী মতেংগা লোয়ননা নৌরিবা নহাশিংগী কাংলুপ অমগী হোৎনবশিংবু লমজিংবীরিবা চহি তরাতরেৎ শুরবা নহা অনী।

ঐখোয়না কুপ্পা নৈনগদৌরিবা ৰারী ৰাতাইশিংগী অহানবা চবুল অদু Alejandra অমদি neighbourhood অদুদা মীয়াম্না শকখঙনবা অমসুং ইকাইখুম্নবা ইমুঙ অমা ওইরিবা, Sanchezes কী মরক্তা শান্নবা ৰারী- ৰাতাইশিংনি। মতৌ মনাও অদু চহি হুম্ফু হেল্লে অমসুং মখোয়গী মশুশিংবু য়োকলক্তুনা Alejandraগী য়ুমদগী য়ুম খরা চৎলগা মখোয় মশানা মরোমদোম লৈজবনি। Mr অমসুং Mrs. Sanchez ইপা পাবা হৈ অদুবু formal ওইবা মহৈ মিং য়াম্না ফঙহৌদে। পুকচেল চাওবা অমসুং অশেঙবা থবকশিংগী পুন্সি অমা হিংলকপগী মতেংদগী তানশিল্লকপা লৌশিং অদুনা মরম ওইদুনা পাকশন্না মখোয়বু ইকাইখুম্নবী। মতম খরগী মমাঙদগী মখোয়না বাহা'ইগী তম্বীরোলশিংদু খঙলম্মী, অদুবু মদুদা ইখৌলাংজনা থিজিন্নবা ৰারেপ লৌখিবদি ইকুই কুইদ্রি। চয়োল অমগী মমাংদা, মখোয়না খুন্নাই অদুদা য়াওজবা পাম্মী হায়না Alejandraগী মমা মপাদা খঙহল্লক্লম্মী। মখোয়বু তরাম্না ওকনবগী মীফম অমা হান্নদগী মাংজৌননা শিনখ্রে অমসুং, মসিগী মথক্তা, লাইনিং অসিগী মতাংদা লৈজরিবা মখোয়গী জ্ঞান অদুবু হেন্না লুথনা খঙহন্নবা মখোয়দা থঙনা থঙনবা হিরমশিং (themes) চয়োল কয়া চংনা চাংনাইনা Alejandra না উনবা চৎনবসু য়ানরে। উনবা চৎপশিংগী ৰারীদু তুং ইন্দুনা নহাক্না মসিগী হিরমশিং (themes) অসিবু কুপ্পা থিজিনবা ঙমগনি অমসুং মতম অদুমক্তদা অসিগুম্বা তাঞ্জাশিংসিদা থোক্লিবা ৰারী- ৰাতাই অদুগী লেপ্তুনা হোংলিবা মওং মতৌ অদুগী মতাংদা মুন্না খন্থবা ঙমগনি।

**অহুমশুবা শরুক**

Alejandra না Mr অমসুং Mrs. Sanchez কা মহাক্না শান্নগদৌরিবা অহানবা ৰারী ৰাতাই অদু মখাদা পীরিবা, তাইবং মপুগী লোইনাইদবা য়ানবগী, হিরম অসিগী শমলপ্পা শন্দোক্লা তাকপা অসিদা য়ুম্ফম ওইদুনা পাঙথোক্লগে হায়না থৌরাং তৌরম্মী।

> পোৎ পুন্নমকপু শেম্বীবদি, অমত্তা ওইবা, চাংদমনিংঙাই লৈত্রবা, মশা মথন্তা হিংজবা তাইবং মপুনি। বাহা'উ'ল্লাহনা ঐখোয়দা তাকপী মদুদি তাইবং মপুগী তশেংবদুদি (essence) মীওইবগী পুক্নিং ৰাখলনা খঙবা ঙমদে, মরমদি লোয়বা নাইবনা লোয়বা নাইদববু খঙবা ঙমলোই। মীয়াম্না মহাক্কী মহুশিন্নবা শেমলিবশিংদুদি মখোয় মশাগী ভাবনা শাবশিংগী মহৈশিংনি। তাইবং মপুদি মীওইবা অমা নত্তে, অমসুং মহাক অসি তেংপানবা শিনথুংনা শন্দোক্তুনা লৈবা ইচম চম্বা শাফু অমা নত্তে। ঐখোয়না হিংলিবসিগী হৌরকফম ওইরিবা মহাক্কী মতাংদা পন্দুনা তঙাইফদনা শিজিন্নরিবা ৰাহৈশিং, খুদম ওইনা লাইরমলেনগী ইপা, লাইরমলেনগী শক্তি, মতিক ময়াই লৈরবা থৱায়, হায়রিবশিংসিনা মীওইবগী লৈতোলনা মহাক্কী মিংলেনশিং অমসুং মগুনশিংবু ফোঙদোকচবনি অমসুং মহাকপু শৈথাবদা মপুঙফানা মতিকচাদে।
>
> অথুপ্পা ৰারোলশিংদা, ঐখোয়না পায় :

**"হে মীওইবগী মচা! ঐনা নহাক্কী খুৎশেমবু নুংশি, মরমদুনা ঐনা নহাকপু শেমখিবনি। মরমদুনা, নহাক্না ঐবু নুংশিয়ু, মদুদি ঐনা নহাক্কী নমিং থোনবিনবা অমসুং নহাক্কী থৱায়বু পুন্সিগী ইথিলনা থলহন্নবা।"[১]**

মসিগী ৰারেং অসিদা, বাহা'উ'ল্লাহনা ঐখোয়দা হায়বী মদুদি ঐখোয়না হিংলিবসিগী মরমদুমক তাইবং মপুগী নুংশিবদুনি। ঐখোয়বু ঙাকপী- শেনবীরিবা, ঐখোয়বু তুংকোইনা হিংহনবীরিবা, অমসুং ঐখোয়বু পুন্সিগী ইথিলনা থলহনবিরিবা মসিগী নুংশিবা অসি ঐখোয়না মতম পুম্নমক্তা খঙজগদবনি। অৱাবা নত্রগা পোত্থাবগী, নুংঙাইতবা নত্রগা হরাও তয়াম্বা মিৎকুপশিংদা, মহাক্কী নুংশিবনা মতমপুম্বদা ঐখোয়বু য়োমশিনবিরি হায়বসি ঐখোয়না নিংশিংগদবনি।

বাহা'ইগী তন্বীরোলশিংদগী ঐখোয়না তমশিল্লে মদুদি মহাক্কী নুংশিবগী মপান্দগী ঐখোয়বু শেম্বীরিবা মতুংদা, তাইবং মপুনা ঐখোয়গা লোয়ননা য়ানবা অমা শেমখি। 'য়ানবা" হায়বগী ৱাহন্থোক্তী মীওই অনী নত্রগা অনীদগী হেনবা মীশিংগী মরক্তা লৈবা formal ওইবা য়ানবা নত্রগা ৱাশক হায়বনি। লোইনাইদবা য়ানবগী মতুং ইন্না, পুন্নমক থৌজানবীবা শেম্বীবা মহাক্না ঐখোয়বু কৈদৌনুংদসু থাদোক্তে অমসুং মতম মতমগী মতুং ইন্না, মহাক্কী অনিংবা অমসুং মহাক্কী পান্দবু মহাক্কী শাফোঙবা (Manifestations) অমগী মতেংদগী খঙহনবীরকই।

"ফোংদোকপা" হায়বা ভার্ব অসিগী ৱাহন্থোক্তী শাফোংবীবনি, হান্না খঙলমদবা অদুবু খঙহনবনি। তাইবং মপুগী শাফোঙবশিং অসি তাইবং মপুগী ৱাহৈবু ঐখোয়দা শাফোঙবীবা অখন্নবা অহিংবশিংনি। মখোয়শিং অসি তাইবং মপুগী অনিংবগী মতুং ইন্না করম্না হিংগনি অমসুং করম্না তশেংবা নুঙাইবা ফঙগদগে হায়বা ঐখোয়দা তাকপীবা তেংপানগী ওইবা মহৈ মশিং তন্বীবা মীওইশিংনি। Abraham, Krishna, Moses, Zoraoster, Buddha, Christ, Muhammad, অমসুং তশেংবমক্কীসু, মীওইবগী পুৱারীগী হৌজিক্কী চক অসিগী তাইবং মপুগী শাফোঙবা ওইরিবা বাব অমসুং বাহা'উ'ল্লাহ হায়রিবা মখোয়শিং অসি শাফোঙবশিংসিগী মনুংদা মখোয়শিংসিশুনি।

অসুম্না, তাইবং মপুগী লোইনাইদবা য়ানবা অসিদা, মহাক্কী শরুক্তী মতম লৈবা খিবিক্তা মপুং ফাদুনা লাক্লি। "য়ানবা অসিদা ঐগী শরুক্তু করম্না ঐহাক্না মপুং ফাহনগদগে?" হায়বা যুম্ফম ওইবা ৱাহং অসি ঐখোয় পুন্নমক্না ইশা ইশাদা হংজগদবনি। ঐখোয়না লাইনিংলোন পুন্নমক্কী অইবশিংদা মসিগী পাওখুম অসি ফঙই: তাইবং মপুগী শাফোঙববু শকখঙজবা অমসুং মহাক্কী তন্বীরোলশিংবু ইঞ্জদুনা মপুং ফাহনগনি। মসিগী পাওখুম অসিনা ঐখোয়গী পুন্সিগী পান্দমদুমক ওইরিবা তাইবং মপুবু খঙজবা অমসুং মহাকপু নিংজবা তম্না থিন্দুনা তাকপী। শোইফত্রবা অতেনবা লাইশোলদা, ঐখোয়না লাওথোকচৈ।

**"ঐনা শাখি ওইজরে, হে ঐগী তাইবং মপু, মদুদি নহাকপু খঙজনবা অমসুং নহাকপু নিংজনবা নহাক্না ঐহাকপু শেম্বীরে। মিৎকুপ অসিদা, ঐগী পাঙ্গল লৈজদবা অমসুং নহাক্কী কন্থৌবদা, ঐগী নংজবা অমসুং নহাক্কী ৱাত্ত-পাদবা অসিদা, ঐহাক য়াজরে।**

**অৱাবদা তেংবাংবীবা, মশা-মথন্তা হিংজবা, নহাক নত্তনা অতোপ্পা তাইবং মপু অমত্তা লৈত্রে।"[২]**

মহাক্কী শাফোঙবশিংগী মতেং নত্তনা ঐখোয়না তাইবং মপুবু খঙজবসি ওইথোক্তবনা, ঐখোয়গী পুন্সিগী পান্দমদু মখোয়বু শকখঙজবা অমসুং মখোয়গী তন্বীরোলশিংবু ইঞ্জদুনা ফঙজবা ঙমগনি। ঙসিদি, অশেঙবা লাইরিক পূমনমক্তা ৱাশকলন্বা, মালেমদা শান্তি অমসুং অচুম্বা ৱায়েল লৈরক্কনি হায়রম্বা অদুবু মপুঙফাহল্লবা মতম অমদা হিংজবগী থৌজাল অদুগীদমক্তা তৌবিমল খঙজবনা ঐখোয়গী থম্মোয়শিংবু থুক্সৎলি। বাহা'উ'ল্লাহনা লাওথোক্লম্মী :

**"ঙসিগী নুমিৎ অসি তাইবঙ মপুগী খ্বাইদগী থোইদোক হেন্দোক্লবা পীনবিবশিংদুবু মীওইবদা হৈথবীরকখ্রবা নুমিৎ অদুনি, মহাক্কী খ্বাইদগী কল্লবা মিনুংশি থৌজাল অদু শেম্বীরিবা পোৎ খুদিংমক্তা হাপচিনবিখ্রে নুমিৎ অদুনি। মখোয়গী খেন্নবশিংদু তাইশিন্নহনদুনা, অমসুং মপুংফাবা অপুনবা অমসুং শান্তিগা লোয়ননা, মহাক্কী নুংশিনা য়েঙশিনবীবা অমসুং নুংশি-থৌজালগী**

**পামেল মরুমদা তুং ইঞ্জদুনা লৈজবা হায়বসি মালেমদা লৈরিবা মীওইবা খুদিংমক্কা তৌফম থোকপনি।”৩**

ঐখোয়গী ৱারীদু মখা চত্থদ্রিঙৈদা, নহাক্না মথক্কী শন্দোক্না তাকপসি পাথোক্কদবনি অমসুং মদুদা পেরেগ্রাফ পেরেগ্রাফ নাইনা নখোয়গী ক াঙলুপ অদুগী অতোপ্পা শরুক য়ারিবশিংদুগা লোয়ননা মুন্না খন্থগদবনি। নখোয় অমনা অমদা ৱাহং হংনবা য়াই অমসুং মদুবু পুন্না পাওখুম পীমিন্নবা য়াই, মসি নখোয় খুদিংমক্না ৱাখল্লোনশিংদুবু মহৌশাগী ওইবা মওংদা অমসুং লায়না ফোঙদোকপা ঙমদ্রিবফাওবা চখৌ। Quotation শিং অদুবু ফজনা তমশিনবসি অখন্ননা মরুওই, মরমদি অসিগুম্বা মখলগী খন্না নৈনবশিংদা অইবশিংদগী ৱারেংশিং য়াওহনবসি থানবা য়াদ্রবা অমনি। মখাগী শাজেলশিং অসিনা মসিগী শরুক অসিদা পীরিবা ৱাখল্লোনশিংসিগী মতাংদা অমসুং মসিদা য়াওহল্লিবা ৱ ারেংশিংগী ৱাহন্থোক্কী মতাংদা খন্থহনবদা নখোয়দা মতেং ওইগনি :

১. তাইবঙ মপুদি খঙমদবা মচিনি হায়বসি নহাক্না মীওই অমদা করম্না শন্দোক্না তাক্কদগে? মথক্তা য়াওরিবা অহানবা পেরেগ্রাফ অদুনা মসিগী মতাংদা নখোয়গী মতেং ওইগনি।

________________________________________

________________________________________

________________________________________

________________________________________

২. করিগীদমক্তা তাইবং মপুনা ঐখোয়বু শেম্বীরিবনো?

________________________________________

৩. “য়ানবা” হায়রিবা ৱাহৈসিগী ৱাহন্থোক করিনো?

________________________________________

৪. মীওইবা খুন্নাইগা শেমখিবা মহাক্কী লোইনাইদবা য়ানবদা তাইবং মপুনা করি ৱাশকলম্বগে?

________________________________________

৫. ঐখোয়গী পুন্সিশিংগী পান্দম করিনো?

________________________________________

________________________________________

৬. ঐখোয়না তাইবং মপুগী মচিদু কৈদৌনুংদা খঙবা ঙমদ্রবদি, ঐখোয়গী পুন্সিগী পান্দমদি তাইবং মপুবু খঙজবনি হায়বসিগী ৱাহন্থোক করিনো?

________________________________________

৭. “ফোঙদোকপা” হায়রিবা ৱাহৈশিং ৱাহন্থোক করিনো?

________________________________________

৮. তাইবং মপুগী শাফোঙলকপশিংগী মমিং খরা হায়য়ু :

________________________________________

________________________________________

________________________________________

৯. য়ানবদা ঐখোয়গী শরুক্তু মপুঙ ফাহনগে হায়রবদি ঐখোয়দগী করি দরকার ওইবগে?

________________________________________

________________________________________

১০. মখাগী ৱাহৈ পরেংশিংসি মপুংফাহল্লু :

ক) ঙসিগী নুমিৎ অসিদা, তাইবং মপুগী ______________________________ মীওইবদা ______________________________ ।

খ) ঙসিগী নুমিৎ অসিদা, তাইবং মপুগী ______________________________ শেন্থীরিবা পোৎ খুদিংমক্তা হাপচিনবিখ্রে।

গ) ঙসিগী নুমিৎ অসিদা, ঐখোয়না ঐখোয়গী খেন্নবশিংদু ____________________, অমসুং, মপুংফাবা অপুনবা অমসুং শান্তিগা লোয়ননা, ______________________________

______________________________

______________________________

১১. মালেমগী মীয়ামশিংদা বাহা'উ'ল্লাহনা করি তৌনবা হায়রিবগে? ______________________________

______________________________

______________________________

**মরিগুবা শরুক**

Sanchez অমসুং Mrs. Sanchez কী মতাংদা খনবদা Alejandraনা খল্লিবসি পাওদমগে হায়না থৌরাংলিবা মহাক্কী হীরমগী ৱারোলদুখক্তা নত্তে। মহাক্না মতৈ মনাও অদুগা লোয়ননা মরুপ মপাংগী ওইবা অচেৎপা লিপুন অমা শেমগৎনবা অসা থমজৈ। হকথেঙননা থেঙনরকপদগী, য়ুম্ফম য়াওদবা অরানবা ৱাখল্লোন অমসুং হন্থনা য়েংবা মিৎয়েং অনীমক্কী মাংহন্নিংঙাই ওইবা চৈথেঙশিংদু মহাক খঙই। মসি শোইদনা মহাক্না নাথৈরমগনি; মহাক্না অৱাংবা থাক্তা মহৈ মশিং তমজবদুনা মহাক্কী নোল্লুকপদুবু তাহল্লমদে। Sanchezes কীদমক্তা মহাক্কী থম্মোয়দা তশেংবা নুংশিবা অমসুং ইকাইখুম্নবা নত্তনা অতৈ অমত্তা লৈজদে। অহানবা হিরম (theme) অদু করম্না শন্দোক্লা তাক্কদগে হায়না খল্লিঙৈদা, মহাক মশামক্না নিংশিংজৈ মদুদি মসি চয়োল কয়া চংনা হাংদোরক্কদৌরিবা লেপ্তুনা চত্থগদবা ৱারী ৱাতাই অদুগী অহৌবনি। মহাক্না খঙজিঞ্জৈ মদুদি, ৱাখল্লোনশিংগী মথং মনাওদু ময়েকশেঙনা থন্বদু মরুওইরবসু, মতৈ মনাওদুনা ঙাংলকপদু তানবা অকক্নবা তাঙ্ককশিংদা লেপকদবনি। "ঐ পাখত্তনবা হোৎনবা ফৈ," মশানা মশাদা হায়জৈ, "মরমদি মদুদনি ঐনা লেপ্তুনা অসুম ঙাংখিগদৌরিবসি, অমসুং ৱারী ৱাতাই অমা থোরক্কবগী তাঞ্জা অমত্তা লৈহৌরোই"। মসিগী পরিংশিংসিদা মতম খরা Alejandro না মখাতানা মহাক্না উনবা চৎকদৌরিবা অদুগী মতাংদা ৱাখল তৌরম্মী। করিগুম্বা নহাক্না মহাক্কী মফমদা লৈরম্লবা, মখাদা পিরিবশিংসিদগী নহাক্কী পুক্নিং ৱাখলদা চঙলকপদা করম করম্বু চুনবা ৱাখলশিংনি হায়না লৌগদগে?

- Sanchezes তা লাইনিং অসিবু তাকপী তন্থীবা অমসুং মখোয়দা ঐনা তাক্লিবা খুদিংমক্কু শোইদনা তমশিনহনখিবা হায়বসি ঐগী থবকনি।
- ঐ খঙই মদুদি মসিগী উনবা চৎপসি মরুওই। অদুবু, মতম শাংনা চঙদ্রগদি ফনি মরমদি ঐ অতোপ্পা তৌগদবশিংসু লৈ।
- লৌথোরকপা ৱারেংশিংসি মখোয়দা য়াম্না লুনা থোক্কনি। ইচম চম্বা ৱাখল্লোন খরা ঐনা হায়গদবনি। মরুওইরিবদি মখোয়দা নুংশিবা উথোকপদুনি।
- মখোয়গী চহি মতাং অসিদা, Sanchezes না থোইনা তমশিনবা ঙমলরোই।
- মসিগী উনবা চৎপা অমসুং ঐখোয়না হিরম অদুদা খন্না নৈনবা অমসুং লৌথোরকপা ৱারেংশিংদুদা মুন্না খন্থরুবদগী মখোয়দগী ফোঙদোরকপা নুংহুনজিনবা জ্ঞানশিং তাজনবা ঐ খৌরাংনা ঙাইজরি।
- মখোয় ইবা পাবা ঙম্মী। ঐনা হিরমদু ইচম চম্না হৌদোক্লগে অমসুং লৌথোরকপগা ৱারেংশিংদু মখোয় মশানা নৈননবা মখোয়দা অদুম থাদোকলল্লগে।

- ৰাখল্লোনশিংদু থমলিঙৈদা, তোইনা ঐহাক লেপ্পা তাবনি মদুদৈ ঐখোয়না লৌথোরকপা ৰারেংশিংদু পুন্না নৈনমিন্নবা অমসুং মদুগী মতাংদা খন্না নৈননবা।
- ঐহাক্লা খঞ্জবদা হিরম অদু হৌবদগী লোইবফাওবা লেপ্পুনা থন্বা য়াই অমসুং অরোইবদা ৰাহং লৈব্রা হায়না মখোয়দা হংবা য়াই।

অসিগুম্বা উনবা চৎপা অমগীদমক্তা শেম-শাবা মতমদা নহাক্লা ফাওজবা পান্বা নত্রগা পামদবা অতোপ্পা পুক্লিংগী ইথিলশিং নহাক্লা খনবা ঙমব্রা ?

**মঙাশুবা শরুক**

Alejandra না Sanchezki ময়ুমদা অহানবা চৎলুবদু ফজনা পানথোকখ্রে। মতৈ মনাও অদুনা মহাক্কী পাখৎচবদু উরম্মী অমসুং মখোয়গী নুংশিবা অমসুং থৌজালহৈবদুনা মহাকপু লৈতাহল্লম্মী। মখোয়না চেকশিন্না তাই অমসুং খন্না নৈনবা অদুদা মপুংফানা শরুক য়ারম্মী, অখন্ননা লৌথোরকপা ৰারেংশিংদুদা মিৎয়েং চংলম্মী। লোইশিল্লকপদা Mrs. Sanchez না Alejandra দা ৰাহং অমা হংলকপা মতমদুখক্তংদি অৱাবা ওইখি : "বাহা'ই খুন্নাইদা য়াওরকপসিনা ঐনা খৃষ্টপু কাওথোক্লবা?" Alejandra না পাওখুমদু খঙই, অদুবু মদুবু মওং মরিন নাইনা ফোঙদোক্লবা হোৎনবদা মহাক্লা মতম লৌরম্মী। Mr. Sanchez না মোমোন নোক্তুনা মহাক্কী মতেং পাংলকই : "ঐনা খঞ্জবদা বাহা'ইগী তন্বীরোলশিংগী মতাংদা ঐখোয়না হেক খঙলকপদগী খৃষ্টকীদমক্তা লৈজরম্বা ঐগী নুংশিবদু তশেংনা হেনগৎলে।" "মালেমশিনথুংবদা লৈরিবা মফম কয়া কয়াদসু অদুম্না ওই," মহাক্কী ৰাখলশিংদু খন্থদুনা Alejandra না হায়রকই। "মখোয়না Moses, Christ, Krishna, Buddha, Zoroaster, অমসুং মুহম্মদপু নুংশিজবদু হেন্না হেনগৎলম্মী মরমদি বাহা'উ'ল্লাহনা তাইবং মপুগী অপুনবা, লাইনিংলোনগী অপুনবা, অমসুং মীওইবা খুন্নাইগী অপুনবগী মতাংদা তাকপীরম্মী।"

Alejandra না উনা চৎলিবা অদুবু মহৈ য়ালহন্নবা মদুদা য়াওরমগদবা গুন অমদি মওং মতৌশিং খরদুগী মতাংদা নখোয়গী কাংলুপ্তা খন্না নৈননবা মিৎকুপ অমা লৌমিন্নবসি নহাক্কীদমক্তা কান্নবা ওইগনি। মদুগী মনুংদা খ্বাইদগী মরুওইনা নখোয়না খন্নগদবসি নোল্লুকপনি। নোল্লুকপা পুন্নমক্কী য়ুন্ফমদি তাইবং মপুগী মমাঙদা নোল্লুকচবনি। মদুদগী মহাক্কী খুৎশেমশিংগী মমাঙদা নোল্লুকচবদু থোক্লকই। মীওই অমনা তাইবং মপু অমসুং মহাক্কী শাফোঙবশিংদুগী মতাংদা ঙাংবা মতমদা নোল্লুকপা হায়বসি অমুক্তা হেন্না মরু ওই। মখাদা পিরিবা বাহা'উ'ল্লাহগী ৰাহৈসিদা নহাক্লা মুন্না ৰাখল তৌগদবনি অমসুং মদুবু চিনফা পুথোক্লবা হোৎনবা য়াবা খুদিংমক হোৎনগদবনি :

**"তাইবং মপুগী নুংশিথোইরবা মখোয়না, পুন্নিংবা মফম অমদা পুল্লবসু অমসুং উন্ননিংবা মীওই অমা উনরবসু, তাইবং মপুদা মখোয়না য়েংজবা মিৎয়েং, অমসুং মহাক্কী থাগৎপবু অমসুং মিংচৎপু শকচা শোঞ্জবদা, অসিগুম্বা নোল্লুকপা অমসুং চংজবা উখোকচগদবনি মদুদি মখোয়গী খোঙয়াগী উফুলগী এতোম খুদিংমক্তা মখোয়গী লাৎচবগী অচেৎপা অদুদা শাখি ওইজনবা। মসিগী অশেঙবা থৱায়শিংসিনা শান্নবা ৰারী-ৰাতাই অদু অশুক্কী মতিক শক্তি চেনগদবনি মদুদি মসিগী চপ মান্নবা উফুলদুগী এতোমশিংদু মদুগী ইথিল অদুনা তনিক-তনিকচগদবনি। মখোয়না মখোয় মশাগী লিচত্তু অসিগুম্বা মওংদা ওইহঞ্জগদবনি মদুদি মখোয়না খোঙনেৎ তম্লিবা মালেম অদুনা অসিগুম্বা ৰাহৈশিংসি মখোয়দা হায়হল্লোইদবনি : ঐনা নখোয়দগী হেন্না ফৈ। মরমদি য়েংউ, ঐঙোন্দা মীওইবনা নান্থরিবা পোৎলুম অসি কয়াদা অখাং কন্না খাংলিবা। মীনুংশি থৌজাল পুন্নমক্কী হৌরকফম ওইরিবা**

**মহাক্না ঐঙোন্দা শিন্নরক্লবা থৌজালশিংদুবু অহিংবা খুদিংদা লেপ্পা লৈতনা পিরিবা খুৎলাই অদু ঐনি। ঐঙোন্দা পীনবিরিবা ইকাই খুম্নবা অমসুং খুৎশেম পুন্সিগী দরকারশিংদুবু পীবিরিবা ঐগী মশিং থিঙমদ্রবা লানগী খুদমশিংদুগী মখা পোন্দনা ঐগী নোল্লুকপগী চাং অদু য়েংজৌ, ঐ ইশানা ইশামকপু মীওইবগী খোঙয়াগী মখাদা খমথেঙনা চঙজবগা লোয়ননা নেৎথবা য়াজরি..."[৪]**

মথক্তা পনখিবগুম্না, হিংমিন্নরিবা মীওইবশিংগী মমাঙদা নোল্লুকচবা হায়বসি তাইবং মপুগী মমাঙদা নোল্লুকচবদগী পোক্লকপনি। মসিগা মান্নবা নোল্লুকপগা লোয়নননি ঐখোয়না মরুপ অমগী নত্রগা য়ুমলোন্নবা অমগী ময়ুমদা পুন্না অকক্লবা হিরমশিংগী (themes) মতাংদা ঐখোয়না হেন্না লুখনা ভাব তামিন্নবা উনবা চৎপা মতমদা লাইশোলগী ওইবা ৰাখল্লোন অমগা লোয়ননা চৎলি। ৰারী শান্নরিঙৈ মনুংদা, ঐখোয়না য়াম্না তোইনা ঐখোয়গী ৰাখলশিংবু তাইবং মপুদা ওনশিঞ্জে, ঐখোয়গী পুক্নিং ৰাখলশিং অমদি থম্মোয়শিংবু অমসুং মফমদুদা পুল্লিবা খুদিংমকশিংদুগী ৰাখল অমদি থম্মোয়শিংবু ঙালহনবীয়ু হায়না মঙোন্দা হংজে। মসিগী পান্দমসিবু পুক্নিং-ৰাখলদা থমদুনা ঐখোয়না চিনফা পুথোকপা য়াবা লাইশোলশিংদা য়াওবা ৰাহৈ চবুল কয়া অমসুং ৰাহৈ পরেং কয়া অমা লৈ। মখাদা পীরিবা খরখক্তনি :

**"ঐখোয়গী থম্মোয়শিংবু ঙালহনবীয়ু, ঐখোয়দা অৱুবা মিৎশিং অমসুং অতাবা নাকোংশিং পীনবিয়ু।"[৫]**

**"হে মপু! নহাক্কী মপান নাইদবা থৌজালশিংদু পীনবিয়ু, অমসুং নহাক্কী লমজিং লমতাক্কী মঙাল অদু ঙালহনবীয়ু।"[৬]**

**"তশেংবা ভাব তাবগী থোঙ্গালশিংদু হাংদোকপীয়ু অমসুং থাজবগী মঙাল অদু তরং তরংনা ঙালহনবীয়ু।"[৭]**

**"হে মপু! ঐখোয়গী মিৎশিংবু ঙালহনবীয়ু মদুদি ঐখোয়না নহাক্কী মঙালুব য়েঙজনবা।"[৮]**

**"মপুঙফানা ঐহাক্না নঙোন্দা ওনশিঞ্জরি, ঐগী থম্মোয়, ঐগী ৰাখল অমসুং ঐগী লৈতোল পুম্নমক্কা লোয়ননা, নহাক্কী মপুগী ওইবা অপুনবগী খোঙচৎ অসিদা, নহাক্কী অনিংবগী মায়োক্তা চথরিবা পুম্নমক্কগী ঐহাকপু ঙাকথোকপীদুনা থম্বীনবা, নঙোন্দা কন্না হায়জরি..."[৯]**

**তরুকশুবা শরুক**

Sanchezes কী য়ুমদা উনবা চৎলুরবা মতুংদা অমসুং মখোয়গা লোয়ননা লোইনাইদবা য়ানবগী হিরম অদুগী মতাংদা ৰারী ৰাতাই শান্নরুরবা মতুংদা Alejandra গী থম্মোয়দু হরাও তয়াম্বনা থল্লম্মী। "মথঙ উনবা চৎপদদি মখোয়না বাহা'উ'ল্লাহগী পুন্সিগী মতাংদা মখোয়গী জ্ঞান অদু হেন্না লুখনা খঙজিন্নবগী অফবা খুদোংচাবা অমা ওইগনি" হায়না মহাক্না খঞ্জে। মখাদা পীরিবা ৰারোল অসি মহাক্না শিজিন্নগদৌরিবা অদুনি :

বাহা'উ'ল্লাহ, পর্সিয়া কোনুংগী সহর ওইরিবা, তেহরানদা ইং ১৮১৭ গী ১২ নভেম্বরদা পোকখি। অঙাং ওইরিঙৈদগী হৌনা মহাক্না থোইদোক হেন্দোকপা গুনশিং উথোক্লম্মী, অমসুং মহাক অচৌবা মীওই অমা

ওইবগী লাইবক্তা তল্লি হায়বসি মহাক্কী মমা মপানা চেৎনা থাজরম্মী। নিংথৌগী লোইশঙদা শকনাইরবা মন্ত্রি অমা ওইরিবা, বাহা'উ'ল্লাহগী মপাবুঙনা, মচাবু য়াম্না খমথেঙনা নুংশিজরম্মী। নোংমা মপাবুংগী মমাঙদা বাহা'উ'ল্লাহনা মপান নাইদনা পাকচাওখ্রবা ইপাক অমদা ইরোইরম্মী। মহাক্কী হকচাংদু ঙাম্থোরকলম্মী অমসুং পাক্লবা ইপাক অদুবু ঙালহল্লম্মী। মহাক্কী মকোক্কী অকোয়বদা মঙাল ফুদোরকপা শাংলবা মুরগা লংবা, শাংলবা শমশিংদুনা মাইকৈ খুদিংমক্তা শন্দোক্লুনা তাওরম্মী। মশিং য়ান্নবা ঙাশিংনা মহাক্কী মনাক্তা কোইশিল্লম্মী, মখোয় অমমমনা বাহা'উ'ল্লাহগী শমলাং অমমমদা য়াল্লম্মী। ঙাশিংদু অশুক্কী মতিক মশিং য়ামজরবসু, বাহা'উ'ল্লাহগী কোক্কগী শম্না অমফাওবা কেল্লমদে। নিংতম্না অমসুং অথিংবা য়াওদনা মহাক্লা নিংতম্না চৎলম্মী, অমসুং মখোয় পুম্নমক্লা মহাক্কী মতুং ইল্লম্মী। মঙ অদুগী মতাংদা মপানা লৌশিং লৈবদা মমিং চৎলবা মীওই অমদা শন্দোক্লা তাকপীনবা হায়জরম্মী। মঙোন্দা হায়রক্লম্মী মদুদি মপান নাইদ্রবা ইপাক অদুনা অহিংবগী মালেম অসিনি। মথন্তনা অমসুং কনামত্তগী মতেং য়াওদনা, বাহা'উ'ল্লাহনা মদুবু নিংতম্না লৈঙাক্কনি। মশিং থিঙমদ্রবা ঙাশিংদুনা মালেমগী মীয়াম মরক্তা মহাক্লা থোকহল্লক্কদবা চরাংনবশিংদুনি। মহাকপু শুকশোই শোইদ্রবা কম্থোরবা মপু মহাক্কী ঙাকপী শেনবীবদুনা ঙাক শেনবীগনি; মসিগী কাংখোং চাইবা অসিনা মহাকপু শোকহল্লোই।

বাহা'উ'ল্লাহনা চহি তরাহুমদোই- তরামরী শুরকপা অদুৰাইদা, মহাক অসি নিংথৌগী লোইশঙদা মহাক্কী লৌশিং অমসুং খঙহৈবা জ্ঞানশিংগীদমক্তা মমিং চৎলম্মী। মহাক্কী মপাবুং লৈখিদবা মতমদা মশাগী চহি কুন্নিথোই শুরে অমসুং লৈঙাক্লা বাহা'উ'ল্লাহদা মহাক্কী (মপাগী) ফমদুমক পীরম্মী। অদুবু মহাক্লা মহাক্কী মতমবু মালেমগী ওইবা থবক থৌরমশিংবু পান্নবদা মহাক্কী মতমশিং শিজিন্ননিংবগী অপাম্বা লৈখিদে। মহাক্লা লোইশঙ অমসুং মদুগী মন্ত্রিশিংদুবু তুংদা থমলমদুনা তাইবং মপুনা মহাক্কীদমক্তা য়াৎপিখ্রবা লম্বেলদা চৎখি। মহাক্লা ওৎপি নৈবিরবা, অনাবশিং অমসুং লাইরবশিংগী মতেং পাংদুনা মহাক্কী মতমদু লেল্লম্মী, অমসুং থুনমক অচুম্বা ৰায়েলগী মরমবু থৌনা লৈনা শৌগৎপা অমা ওইনা মমিং চৎলকখি।

চহি কুন্তরেৎ শুরকপদা, অখন্নবা পাওপুবা অমগী মতেংদগী, বাহা'উ'ল্লাহনা বাবকী অইবা খরা ফঙজখি, বাবনা তাইবং মপুগী অনৌবা শাফোঙবা অমনা মীওইবা খুন্নাইনা মতম কয়াদগী ঙাইরক্লবা মালেমদা শান্তি, অপুনবা অমসুং অচুম্বা ৰায়েলবু মালেম পুম্বদা পুরক্কদবা তাইবং মপুগী অনৌবা নুমিৎ অদুনা য়াকাইরকপদু লাওথোক্লম্মী। খুদক্তা বাহা'উ'ল্লাহনা বাবকী পাওজেলদু য়াজখি অমসুং মহাক্কী খ্বাইদগী থৰায় য়াওবা তুং ইনবশিংগী মনুংদা অমা ওইরক্লম্মী। অদুবু লাইবক থিবনি, পর্সিয়াগী মীয়ামবু লৈঙাকলিবা মখোয়না, মখোয় মশাগীত্তা ওইবা অপাম্বশিংনা মমিৎ তাংহল্লদুনা, বাবকী তুং ইনবশিংবু পাকতক্লনা অকনবা তমথিবা মওংদা ওৎপা নৈনবগীদমক থোরক্লম্মী। বাহা'উ'ল্লাহসু, মহাক ফমনাইবশিংগী মচা মশু ওইজরবসু, লেম্না থারমদে। বাবনা লাইপোক অমনি হায়না লাওথোকখ্রবা মতুং চহি নিপালদগী খিত্তং হেল্লবা মতুংদা অমসুং বাব মশামক থৰায় থাখ্রবা চহি অনীগী মতুংদা, মহাকপু অমুবা কোম হায়না খঙনবা অমম্বা লৈনুংগী কোম অমদা ফাজিনদুনা থমখি। মহাক্কী ঙকশমগী অকোয়বদা থাঙ্গত্তুনা য়াল্লিবা য়োষ্টিংশিংদু অশুক্কী মতিক লুম্মি মদুদি মহাক্কী মকোকফাওবা থাঙ্গৎপা ঙমলমদে। মফমসিদা বাহা'উ'ল্লাহনা খমথেঙনা ৰানা তমথিরবা থা মরিগী মতমদু লেনখি। অদুবু তাইবং মপুগী থৰায়না মহাক্কী থৰায়বু থলহনখিবা অমসুং যুগ খুদিংমক্কী ৰ াশকলম্বা মহাক্তু মানি হায়না খঙহল্লকখিবসি মসিগী লৈনুংগী কোম অসিমক্তদনি। মসিগী মন্নবা কৈশুমশঙ অসিদগী, খুৎশেম পুম্ববু ঙালহন্দুনা বাহা'উ'ল্লাহগী কোরৌ নুমিৎ অদু থোরক্লম্মী।

অমুবা কোমদা থা মরি লৈরুরবা মতুংদা, বাহা'উ'ল্লাহবু মহাক্কী লনথুম পুম্নমক লৌবিখিরম্মী অমসুং মহাক্কী অমসুং মহাক্কী ইমুঙ মনুংবু লোই থাবীখিরম্মী। নিংথমথাগী তৎপমখৈ ইংলবা মতমদুদা, ওতোমান লৈঙাক

ওইরম্বা অদুগা হৌজিক্লা ইরাক্কী কোনুং ওইরিবা বাগদাদ তম্না পর্সিয়াগী নোংচুপ থঙবা চিংশাং পরিংদা মখোয়না খোঙশাল্লকখি। লাইবক্লা তমখ্রবা সহরদুদা চৎপগী লম্বীদা মখোয়না উন মথক্তা অমসুং ফমজিল্লবা উন্না কুপ্লবা লম্বীদা কিলোমিটর চাম্মা- চাম্মা খোঙনা লাকপগী মখোয়গী অৱাবশিংদু ৱাহৈশিংনা শৈথাবা ঙমলোই।

থুনমক বাগদাদ শিনথুংনা অমসুং লমদমদুগী অতোপ্পা সহরশিংদা বাহা'উ'ল্লাহগী মিংচৎ হেনগৎলকখি, অমসুং মসিগী লোইথাবিরবা ফাদোক অসিগী থোঙজিলদা মহাক্কী থৌজাল ফঙজনবা লাকপা মীশিংগী মশিংদু হেন্না হেন্না হেনগৎলকলম্মী। অদুবু মহাক্কী মিংচৎপু কল্লকপা মীওই খরা লৈরম্মী। মখোয়শিংদুগী মনুঙদা বাহা'উ'ল্লাহ মশামক্কী পোকমিন্নদবা অদুবু মহাক্কী নুংশি থৌজালগী মখাদা লৈরিবা মনাওনুপা মির্জা য়াহীয়ানি। মির্জা য়াহিয়াগী শারৌনা বাবকী তুং ইনবশিংগী মরক্তা পুনশিন্নদবা থোকহল্লম্মী অমসুং বাহা'উ'ল্লাহদা অচৌবা অৱাবা পোকহল্লম্মী। নুমিদাং অমা, কনামত্তদা হায়রমদনা, বাহা'উ'ল্লাহনা মহাক্কী ময়ুম থাদোকলম্মী অমসুং কুর্দিস্তানগী চিংজাওশিংদা চৎখি। মফমদুদা লাইশোল অমসুং ধ্যানদা লুপ্তুনা ময়ামগা পুন্দনা মথন্তা পুন্সি লেল্লম্মী। মহাক্লা অপীকপা শুরুং অমদা লৈরম্মী অমসুং খ্বাইদগী চন্নবা চিঞ্জাকশিং চাদুনা লৈরম্মী। মফমদুদা লৈরিবা কনামত্তনা মহাক্কী হৌরকফম খঙলমদে, অমসুং কনামত্তনা মহাক্কী মমিং খঙলমদে। অদুবু, তুংদদি, তপ্পা তপ্পা লমদমদুগী মীয়াম অদুনা তাইবং মপুনা পীনবিরকপা জ্ঞান লৈবা মতিক মগুন চাওবা "মিংথোন্দবা অমা" হায়না খঙনবা অশেঙবা মীওই অমগী মতাংদা ঙাংনবা হৌরকলম্মী। মসিগী অশেঙবা মীওই অসিগী পাও অসি বাহা'উ'ল্লাহগী মচানুপা অহল অব্দুল- বাহানা তাইবংদা, মহাক্লা (অব্দুল- বাহা) খুদক্তা মহাক্কী নুংশিথোইরবা মপাগী খুদমশিংদু শকখঙখি। বাহা'উ'ল্লাহবু বাগদাদতা হল্লকুবা হায়জবা চিঠিশিং অখন্নবা পাওপুবা অমগা লোয়ননা থাখি। মহাক্লা মসিবু য়াবীরম্মী অসুম্না চহি অনীচুপ্না শেৎনা- খাইনবগী অৱাবা মতমদু লোইশিনখি।

বাহা'উ'ল্লাহ লৈত্রেঙৈ মতমদুদা, বাবকী খুন্নাইগী ফিভমশিংদু থুনা য়াঙনা মরায় চাইথরম্মী। চিংজাওশিংদুদগী মহাক্লা হল্লকুবা মতুংদা বাগদাদতা চহি তরেৎ লৈত্রিঙৈদা, বাহা'উ'ল্লাহনা বাবকী ওৎপী নৈবিরবা অমসুং চমম্নরবা তুংইনবশিংবু অনৌবা থৰায় অমা হাপ্পীরম্মী। মহাক্লা মহাক্কী অচৌবা ফম্বাল অদু লাওথোকলমদ্রিবা ওইরবসু মহাক্কী ৱাহৈশিংগী শক্তি অমসুং লৌশিংনা হেনগৎলক্লিবা বাবীশিংগী থাজবদু জোয় তৌবা হৌরকখি অমসুং খেন্ন- খেন্নবা থাক্কী মীয়ামশিংগী লাৎচবসু জোয় তৌবা হৌরক্লম্মী। অদুবু লাইনিংদা হকচিল্লবা মুসলিমগী লুচিংবা অদুনা অশুক য়াম্লবা থৰায়শিংসিদা বাহা'উ'ল্লাহনা পীরিবা অকনবা ইথিলসি য়েংদুনা খাংঙগা লৈবা ঙমলমদে। মখোয়না অঙম অথৌশিংদা লেপ্তুনা ৱাকৎলম্মী, মমৈথঙদা পর্সিয়াগী লৈঙাক্লা Ottoman Empire গী official শিংগা পুনশিন্নদুনা বাহা'উ'ল্লাহবু মহাক্কী পোক্লফম লমদমদগী লাপ্পা থাদোকখিনবা থৌরাংলম্মী, হন্দক্তি Constantinople গী সহরদনি।

ইং ১৮৬৩গী এপ্রিল থাসি বাগদাদকী মীয়ামশিংদুগীদি য়াম্না নুঙাইতবা থা অমনি। মখোয়না হেন্না হেন্না নুংশিবা হৌজরক্লবা মহাক্তু মখোয়না খঙদবা মফম অমদা চৎখিনবা মখোয়গী সহরদুবু থাদোক্লম্মী। মহাক্লা চত্রিঙৈগী নুমিৎ খরনিগী মমাঙদা, বাহা'উ'ল্লাহ সহর অদুগী মতাইদা লৈবা লৈকোল অমদা চৎলম্মী, মহাক্কী দমবুরদু খনগৎলম্মী অমসুং নুমিৎ তরানীথোই চুপ্না বিদাই পীবা লাক্লিবা মীয়ামশিংদুবু ওকখি। বাবকী তুং ইনবশিংদুনা নুঙাইতবা থম্মোয়শিংগা লোয়ননা মসিগী লৈকোলসিদা লাকলম্মী, খরনা বাহা'উ'ল্লাহগী মথংগী লোই থাবদুদা মহাক্তা লোয়নদুনা চৎমিন্নগনি, অদুবু মখোয় অয়াম্বদি লৈহৌবা তারম্মী অমসুং মহাক্তা নক্লনা পুঞ্জবদু ফঙলরোই। অদুবু তাইবং মপুনা মসিগী থৌদোক অসি নুংঙাইতবা থৌদোক অমা ওইহন্নবা নিংলমদে। মহাক্কী লোইনাইদ্রবা থৌজালগী থোঙশিংদু লাওনা হাংদোকখি, অমসুং বাবনা


লাওথোক্লম্বা তাইবং মপুনা শাফোঙহল্লক্কদবা মহাক অদু মহাকনি (বাহা'উ'ল্লাহ) হায়না বাহা'উ'ল্লাহনা মহাক্কী অকোয়বদা লৈরিবশিংদুদা লাওথোকলম্মী। নুঙাইতবা অদু ঙমখৈ লৈত্রবা হরাও তয়াম্বা ওইরক্লম্মী; থম্মোয়শিংবু শুক্ষৎপীরম্মী অমসুং থৱায়শিংবু মহাক্কী নুংশিবগী মৈনা চুখৎপীরম্মী। এপ্রিল থাগী মসিগী নুমিৎ তরানিথোইগী মতম অসি মফম খুদিংমক্তা বাহা'উ'ল্লাহনা মহাক্কী মালেম পুম্বগী ওইবা মিসন অসিবু লাওথোকখিবা অদুগী চহি কুমোন ফারকপা ওইনা রিজবানগী কুমহৈ হায়না পাঙথোকনৈ।

Constantinople, Ottoman Empire গী লৈঙাকফমনি। মফমসিদসু অমুকহন্না, বাহা'উ'ল্লাহগী থোইদোক হেন্দোকপা লৌশিংনা অমসুং মহাক্কী শুক্ষৎয়াইনা মীয়ামশিংবু হেন্না হেন্না চিংশিল্লকপা হৌরকখি। "মহাক মখাতানা Constantinople দা লৈহল্লোইদবনি," হায়না হায়দুনা লাইনিংদা হকচিল্লবা, মুসলিম লাইনিংগী লুচিংবা অদুনা মহাকপু Andrianople গী town দা থাখিনবা অঙম অথৌশিংদুবু থাজহনবদা মায়পাকলম্মী। Adrianople দা, বাহা'উ'ল্লাহ চহি মরিমখাই লৈখি, মতমদুদা মহাক্না (বাহা'উ'ল্লাহ) মখোয়দা ওৎপা নৈবগী মওংদু লেপ্পবা অমসুং মখোয়গী মীয়ামশিংগী য়াইফনবা ওইনা মখোয় মশামকপু কখোক্লবা হায়খিবা অইবশিং মালেমগী নিংথৌশিংদা অমসুং লৈঙাকপশিংদা ইখি। মথঙদা মহাক্কী য়েকনবশিংনা খ্বাইদগী তমথিবা চৈরাক অমা থৌরাংলকখি। মহাক অমসুং মহাক্কী ইমুঙবু মতমদুদা Empire অদুগী খ্বাইদগী ফত্তবা চৈরাক পীফমগী মফম ওইরিবা অক্কাদা লোই থারগনি। "শোইদনমক মদুগী কৈশুমশঙগী সহর অদুগী য়াম্না অৱাবা ফিভমশিংদুদা মহাক শিখ্রগনি" হায়না তাইবং মপু মশামক্না লেঙহল্লকখ্রবা অদুবু থিংবা ঙমগনি খঞ্জরিবা ৱাখল থেল্লবা মখোয়না খঞ্জখি।

অক্কাদা বাহা'উ'ল্লাহনা খঙখিবা অৱাবশিংদু অশুক্কী মতিক য়ামখ্রে মদুদি লীবদা লোইরোই। পোত্থানবগী পান্থৈ অমত্তা মঙোন্দা লৈরমদে অমসুং নুংথিল অমসুং নুমিদাং চুপ্পা মহাক্কী য়েক্লবশিংনা কোয়শিল্লম্মী। অদুবু ফাদোক ওইনা থল্লিবা ফিভমশিংদু তপ্পা তপ্পা হোংলকখি। অক্কাদা খুন্দারিবশিং অমসুং মখোয়গী লৈঙাক অদুনা মখোয়গী সহরদা লোই থারক্লিবা মশিং য়ামজদ্রবা বাহা'ইশিং অদুগী মরাল লৈজদবা অদু খঙলকলম্মী। অমুকহন্না, মখোয় অয়াম্বনা মহাক্কী অচৌবা ফন্বাল অদু খঙজরমদবা ওইরবসু, মসিগী থোইদোক হেন্দোকপা মীওই অসিগী লৌশিং অমসুং নুংশিবনা মীয়ামবু চিংশিল্লম্মী। চহি মাপলমুক্কী মতুংদা, কৈশুমশঙগী সহরগী থোঙশিংদু বাহা'উ'ল্লাহ অমসুং মহাক্কী তুং ইনবশিংগীদমক হাংদোরক্লম্মী। মহাক্কী নুংশিরবা মচানুপা অব্দুল-বাহানা মহাক্কী মপাবুঙনা লৈনবা মতিকচাবা মফম অমা সহরদুগী মপান্দা ফমলম্মী, অমসুং মমৈথঙদা বাহা'উ'ল্লাহনা মহাক্কী লেমহৌরিবা পুন্সিগী চহি তরাহুমদোইদু শান্তি অমসুং নেতানা লৈবা ঙমখিবা অশঙ- অমান্নবা মরাংকাইনা লৈবা মফম অমদা য়ুম অমা ভরা থিদুনা অব্দুল- বাহানা লৌবা ঙমখি। মসিগী য়ুম অসিবু ঐখোয়না হৌজিক্তি Mansion of Bahji হায়না খঙনরে, অমসুং মসিদা মহাক্কী মতিক ময়াই অমসুং মিংচৎনা খমথেঙলবা মতমদুদা ১৮৯২ গী মে থাদা মহাক নোঙ্গাখি।

বাহা'উ'ল্লাহনা মালেমগী ওইবা শান্তি অমসুং মরুপ মপাং ওইবগী ফিরাল অদু হাইগৎলম্মী অমসুং তাইবং মপুগী ৱাহৈবু শাফোঙবীরম্মী। মহাক্কী মায়োক্তা মহাক্কী য়েক্লবশিংনা মখোয়গী শক্তিশিংদু পুন্না পুনশিনখ্রবসু, তিহরানগী মন্নবা লৈনুঙগী কোমগী কৈশুমশঙদা য়োত্থিং কোরৌ থাংদুনা লৈরিঙৈদা মঙোন্দা তাইবং মপুনা ৱাশকলম্বগুম মখোয়গী মথক্তা মহাক্না মায়পাকপা ঙমখি। মশামক্না হিংলিঙৈ মতমদুদা, মহাক্কী পাওজেলনা মীওই লিশিং লিশিংগী থম্মোয়শিংবু নৌহৌননা থৱায় হাপ্পীখি। অদুগা ঙসিদি, মহাক্কী তম্বীরোলশিংনা মালেম পুম্বদা লেপ্তুনা মখাতান শন্দোরক্লি। অমত্তা ওইরবা তেংপানগী মরম অমদা, চপ মান্নবা লাইনিং অমত্তদা মীওইবা খুন্নাইবু পুনশিনবা হায়বা মহাক্কী অমত্তা ঙাইরবা পান্দম অসিবু মহাক্না ফঙজবদা করিমত্তনা মহাকপু থিংবা ঙমখিদে।

মথক্কী বাহা'উ'ল্লাহগী পুন্সিগী ৱারী অসি খরা শাংই। মখাদা পীরিবা চাংয়েংশিংসিদা চংশিনদ্রিঙৈদা, নহাক্না ৱারী অসিবু নখোয়গী কাংলুপ্তা পেরেগ্রাফ পেরেগ্রাফ নাইনা পাগদবনি অমসুং মদুদা য়াওরিবদু নখোয়না খঙজিনদ্রিবফাওবা অমসুং মদুবু লায়না খুদোল তৌবা ঙমদ্রিবফাওবা অমগা অমগা নখোয় মশেল ৱাহং হংনগদবনি। মখাদা পীরিবা মেপ অসিনা বাহা'উ'ল্লাহবু লোই থাখিবগী লম্বী অদু পুক্লিং ৱাখলদা নিংশিংহনবদা অমসুং মদুগী লম্বীদু চৎপদা থোকখিবা থৌদোকশিং অদুবু নিংশিংবদা নখোয়দা মতেং ওইগনি।




১. মথক্কী ৱারী অসিদা য়ুম্ফম ওইদুনা, মখাদা পীরিবা অহাংবসিদা বাহা'উ'ল্লাহগী পুন্সিগা মরিলৈনবা মরুওইবা থৌদোকশিংদুগী মথঙ মনাওশিংদু ইথোকপনা নঙোন্দা কান্নবা য়াই।

______________________________________________

______________________________________________

______________________________________________

______________________________________________

______________________________________________

______________________________________________

______________________________________________

______________________________________________

______________________________________________

______________________________________________

______________________________________________

______________________________________________

______________________________________________

______________________________________________

______________________________________________

২. বাহা'উ'ল্লাহগী পুন্সিগী হীরমগা মরিলৈননা খন্না নৈনবা অমদা, থৌদোকশিংদুগী মথঙ মনাওদগী হেন্‌দাক্তুনা, হেন্না মরুওইবা মিৎয়েং চংগদবা ৱাখল্লোন কয়া অমা লৈ। অখন্ননা মরুওইবা অমদি মহাক্না মীওইগীদমক্তা লৈরিবা নুংশিবগীদমক্তা মহাক্না খাংখিবা অৱাবগী মতাংদা, লোয়না লোয়ননা মায়োক্তা লৈরকপশিংগী মমাঙদা মহাক্কী লাইনিংনা ফঙখিবা থোইদোক হেন্দোকপা মাইপাকপশিংদুসু মুন্না খন্থবদুনি। মসিগী ৱাহৈশিংসিনা ঐখোয়গী পুকনিং ৱাখলশিং অমসুং থম্মোয়শিংদা হকলসনু :

**"থাইনগী ফজবনা য়োহ্লিংনা পুনবদা য়াজখ্রে মদুদি মীওইবা জাতীবু মশাগী মীনাই ওইজবগী থাদোকপীনবা, অমসুং মসিগী খ্বাইদগী শক্তি লৈরবা লানবল অসিগী মনুংদা ফাদোক ওইবা য়াজখ্রে মদুদি মালেম পুম্বনা তশেংবা নিংতম্বদু ফঙনবা। অৱাবগী পাত্রা অদুবু মরিক অমফাওবা খাক্তনা মহাক্না থকচিনখ্রে, মদুদি মালেমগী মীয়ামশিংনা লেংদ্রবা হরাও তয়াম্বদু ফঙজনবা, অমসুং হরাওবনা থাজনবা। মসিগী মীনুংশি লৈরবা, খ্বাইদগী নুংশি থৌজাল লৈরবা নখোয়গী মপুগী নুংশি থৌজালদগীনি। তোন্থজবদা ঐখোয় য়াজরে, হে তাইবং মপুগী অপুনবদা থাজরিবশা, মদুদি নখোয়বু থাক ৱাংহন্নবা, অমসুং মশিং থিঙমদ্রবা অৱাবশিং নংখ্রে, মদুদি নখোয়না ৱাত্ত- পাদনবা অমসুং থুনা য়াঙনা চাওখৎচনবা। মালেম পুম্বসিবু নৌহৌনা শেম্লগে হায়না লাকখ্রবা মহাক্তু, য়েংউ, করম্না তাইবং মপুগা পুন্না খোঙলোই ওইখ্রবা মখোয়না মহাকপু খ্বাইদগী খুন্তাক্লবা সহরশিংদা নমদুনা লৈহনবিখ্রে!"**[১০]

৩. ঐখোয়না বাহা'উ'ল্লাহগী অৱাবশিংগী মতাংদা ঙাংবা মতমদা, ঐখোয়না মহাকপু উপাই লৈজদ্রবা য়েকনবশিংনা ওৎনৈবিরিবা করিসু তৌবা ঙমদ্রবা মীওই অমা ওইনা উহন্দনবা চেকশিনগদবনি। মহাক্না য়ানিংনা মীওইবা খুন্নাইবু নিংতমহন্নবা য়োহ্লিংনা পুনবদা য়াজখি। মহাক্কী পুন্সিগী ৱারী অসি, অচৌবা অৱাবগী ৱারীশিংনা থল্লসু, মচি ওইনা য়েংলবদি মাইপাকপা অমনি। নখোয়গী কাংলুপকী ট্যুতরগী মতেংগা লোয়ননা, বাহা'উ'ল্লাহগী পুন্সিগী মতাংদা হৌজিক লৈজরিবা নহাক্কী জ্ঞানদুদা য়ুম্ফম ওইদুনা বাহা'উ'ল্লাহগী অৱাবশিং অমসুং মায়পাকপশিংগী মতাংদা অতেনবা ৱাঙাং অমা শেম্বা ঙমব্রা ? মখাদা পিরিবা ৱাহং অসিনা নঙোন্দা মতেং ওইবা য়াই।

ক) করিগীদমক্তা বাহা'উ'ল্লাহনা য়োহ্লিং থাংবদা য়াজখ্রিবনো?

খ) করিগীদমক্তা বাহা'উ'ল্লাহনা ফাদোক অমা ওইবদা য়াজখ্রিবনো?

গ) করিগীদমক্তা বাহা'উ'ল্লাহনা অৱাবগী পাত্রা অদু থকখ্রিবনো?

ঘ) করিগীদমক্তা বাহা'উ'ল্লাহনা তোন্থজবা য়াখ্রিবনো?

---

ঙ) করিগীদমক্তা বাহা'উ'ল্লাহনা মশিং থিঙমদ্রবা অৱাবশিং খঙখ্রিবনো?

---

চ) বাহা'উ'ল্লাহনা অৱাবা য়াজখিবগী মরমদু মহাক্লা মদুগী ওন্না তৈনবা ওইনা ওন্থোক্লবা মহাক্কী শক্তি লৈতবগীরা?

---

ছ) বাহা'উ'ল্লাহনা মহাক্কী মমাঙদা শক্তি লৈখিদবা অমা ওইখিদ্রবদি, করিগীদমক্তা মহাক্লা অৱাবদু য়াজখ্রিবনো?

---

**তরেৎশুবা শরুক**

Alejandra না Sanchez কী ময়ুমদা অনীরকশুবদা চৎলুবদুসু অহানবগুম্না য়াম্না হরাও তয়াম্না অমা ওইখি। Sanchez অমসুং Mrs. Sanchez হান্না বাহা'উ'ল্লাহগী পুন্সি ৱারীগী মতাংদা খরামখৈ খঙলম্মী, অদুবু মখোয়না Alejandra না খুদোল তৌরকখিবদুদগী হেন্না তমশিনবদুসু হরাওজরম্মী অমসুং মহাক্কী (বাহা'উ'ল্লাহ) অৱাবশিংগী ৱারী অদুনা ময়েকশেঙনা শুন্ধৎলম্মী। মতাং অমদা Mrs. Sanchez না মুন্না খন্থরগা হায়রকই, "তাইবং মপুগী শাফোঙবশিংসি মতমচুপ্পদা লুচিংবা অমসুং মালেমগী শক্তিবু করম্বশিংগী খুত্তা অৱাবা নংনবগুম তৌই।" Alejandra না চিনফা পুরবা লৌথোরকপা ৱাহৈশিংদু মখোয়দা খুদোল তৌবসি চুনগনি হায়না খঞ্জে- মসি নহাক্লসু মমাঙগী শরুক্তু নৈনবদগী খঙলে - মদুগী লৌথোরকপা ৱাহৈশিংদুদা বাহা'উ'ল্লাহনা মীওইবা খুন্নাইগীদমক্তা মহাক্লা খঙখিবা অৱাবশিংগী মতাংদা পনবী, মদুদি ঐখোয়না ওৎনৈনবদগী নিংতমজনবা অমসুং তুংকোইবা নুঙাইবা ফঙজনবা। নুমিত্তুগী খন্না নৈনবদুনা মরুপ অহুম্মক থবক্তা চঙশিন্নিংবগী ইথিল ফাওহনখি।

মহাক্লা মথঙগী উনবা চৎনবা শেম শানবগী মতাংদা খন্থবদা, অব্দুল- বাহাগী ফম্বাল অদুনা খন্না নৈনবগী অচুম্বা হিরম অমা ওইরগনি হায়না Alejandra না খঞ্জখি। মহাক্লা শোইদনা থমগে খল্লিবা ৱাফমশিংদু মসিশিংসিনি:

> বাহা'উ'ল্লাহগী মচানুপা অহল, অব্দুল- বাহা অসি মীওইবগী পুৱারীদা খ্বাইদগী তোপ তোপ্পা মীশক অমনি, অমসুং হৌখিবা লাইনিংলম্বী অমত্তদা মহাক্লা মান্নবা মীওই অমত্তা লৈখিদে। অঙাং অমা ওইরিঙৈদগী হৌনা মহাক্লা মহাক্কী মপাবুঙগী লাইগী ওইবা ফম্বাল অদুবু শকখঙজখি অমসুং মহাকপু লোই থাখিবশিং অমসুং অৱাবশিংদা শরুক য়াখি। বাহা'উ'ল্লহনা লৈখিদ্রবা মতুংদা মহাক্লা বাহা'ই খুন্নাইবু য়েঙশিন্নবা অমসুং ঙাকশেন্নবা অব্দুল- বাহাদা শিন্নরমমী। বাহা'উ'ল্লাহনা মীওইবা খুন্নাইদা মহাক্কী খ্বাইদগী ৱাংনা ফজরবা শাফোঙববু পিবতা নত্তনা মহাক্কী (অব্দুল- বাহা) জ্ঞান অমসুং লৌশিংগী মতেংদগী মালেম অসিবু লমজিংবীগনি অমসুং ঙালহনবীগনি হায়না মহাক্লা হায়খিবা, মহাক্কী মচানুপাসু পীবিবসি কয়াগী মতিক চাওখ্রবা থৌজালনো হায়বদু ঐখোয়না কৈদৌনুংদা মপুঙফানা খঙজবা ঙমলোই।
>
> ঐখোয়না অব্দুল- বাহাগী পুন্সি অমসুং ৱাঙাংশিং অদুবু নৈনরুবা মতমদা, মসিগী লাংওল অসিদা মহাক্লা কল্লিবা তোপ তোপ্পা ফম্বাল অদুগী মতাংদা ঐখোয়না নুংহুনজিনবা জ্ঞান ফঙজে। মসিগী ফম্বাল অসিগী মায়োল অহুমখক ঐখোয়না পুক্নিংদা থম্বসি মরুওই।

অহানবদা, অব্দুল- বাহাসি বাহা'উ'ল্লাহগী য়ান্নরোল অদুগী মায়োলনি। বাহা'উ'ল্লাহনা মহাক্কী তুং ইনবশিংগা লোয়ননা য়ান্নরোল অমা শেমদুনা মখোয়গী থম্মোয়শিংদু মদুগী মায়োলদুদা ওনশিঞ্জনবা অমসুং মদুদা হায়বা ইঞ্জনবা মখোয়দা হায়রম্মী। মহাক্কী অনিংবা অমসুং সহিদা, অব্দুল- বাহানা, লাইনিং অসিগী ঙাকশেলপুরেল ওইরিবা, শোঘি ইফেন্দীবু মহাক লৈখিদ্রবা মতুংদা পূম্নমক্কা ওনশিঞ্জগদবা মায়োলদা ওইনা থম্বীরম্মী। ঙসিদি, বাহা'উ'ল্লাহগী ময়েকশেঙবা য়াথং অমসুং অব্দুল- বাহা অমদি ঙাকশেলপুরেলনা পীরম্বা ময়েকশেঙবা য়াথংশিংগী মতুং ইন্না লিংখৎখিবা তেংপানগী অচুম্বা ৱায়েল লৈঙাকশঙনা ওইরি। য়ান্নরোলগী শক্তিনা বাহা'ই খুন্নাইবু পুন্না থম্বীরি অমসুং মচেৎ তাবা অমসুং মচোই মচোই তাখিগদবদগী মদুবু ঙাকশেনবী।

অনীশুবদা, অব্দুল- বাহাসি বাহা'উ'ল্লাহগী ৱাহৈশিংগী শোইনাইদ্রবা ৱাহন্থোক পীবিরিবদুনি। বাহা'উ'ল্লাহগী শাফোঙবসি অশুক্কী মতিক চাওখ্রে, মহাক্কী ৱাঙাংশিংদা য়াওরিবা ৱাহন্থোকশিংদু অশুক্কী মতিক ৱাহন্থোক লুবদুনা মরম ওইদুনা, মহাক মশামক্কা থৱায় হাপ্পীরিবা মীওই অমা ওইরিবা, ৱাহন্থোক পীবা মীওই অমা থম্লন্বা মথৌ তাই হায়না মহাক্কা ফাওজখি। অসুম্না, লাক্কদৌরিবা মীওইবগী শুরোন কয়ানা, অব্দুল- বাহানা মশিং য়াম্লবা চেবাংশিংদা পীরম্লিবা ৱাহন্থোক হন্দোকপশিং অমসুং মহাক্কী চুমথোক্লবা ৱাঙাংশিংগী ইশিলহৌবশিংদু নৈনজদুনা বাহা'উ'ল্লাহগী তম্বীরোলশিংদুবু ভাব তাজবা ঙমগনি। অব্দুল- বাহাগী মতুংদা ঙাকশেলপুরেলনা বাহা'উ'ল্লাহগী তম্বীরোলশিংগী ৱাহন্থোক পীবা মীওইদুনি; ৱ াহন্থোক পীবগী থবক অদু মহাক্কা অরোইবনি, অমসুং লেমহৌরিবা মহাক্কী (বাহা'উ'ল্লাহগী) লাংওন অসিদা বাহা'উ'ল্লাহগী ৱাহৈশিংবু ৱাহন্থোক পীবগী শক্তি (authority) অদু কনামত্তদা লৈতে।

মমাঙৈদা, লাইনিং খুদিংমক মখোয়গী অশেঙবা অইবশিংদগী লৌথোরকপা ৱারেংশিংগী খেন্ন- খেন্নবা ৱ াহন্থোকশিংনা মরম ওইদুনা মচেৎ মচেৎ তাখিবগী লৈনানা নহাকনি। অদুবু মসিগী লাংওন অসিদদি, বাহা'উ'ল্লাহগী ৱাঙাং অমগী ৱাহন্থোক্কী মতাংদা চমম্লবা লৈরবদি, পূম্নমক্কা অব্দুল- বাহা অমদি ঙাকশেলপুরেলদা হনবিরম্বা ৱাহন্থোক অদুদা লনশিল্লি। মখাতানা চমম্লবা অদুম লৈরবদি, মখোয়না তেংপানগী অচুম্বা ৱায়েল লৈঙাকশঙদা মচাখাইবা ৱাফম থম্বীনবা ওনশিঞ্জবা য়াই। অদুনা, তম্বীরোলশিংগী ৱাহন্থোক্কী মতাংদা কন্না য়ানদবগী মফম অমত্তা লৈত্রে, অমসুং লাইনিং অসিগী অপুনবদু ঙাকলে।

অহুমশুবদা, অব্দুল- বাহা অসি মহাক্কী মপাবুংগী তম্বীরোলশিংগী মপুংফাবা খুদম অমনি। ঐখোয়না মপুং ফাবগী অসিগুম্বা থাক অসি য়ৌনবগী আসা তৌবা ঙমদ্রবসু, মতমপুম্বদা ঐখোয়গী মিৎমাংদা মহাকপু থমজগদবনি অমসুং মহাক্কী খুদমবু ইন্ননবা হোৎনগদবনি। ঐখোয়না অইবশিংদা নুংশিবগী মতাংদা পাবা মতমদা, ঐখোয়না অব্দুল- বাহাদা ওনশিঞ্জবা য়াই অমসুং ঐখোয়না নুংশিবা অমসুং থৌজালগী মচি ওইবা অদু উজবা ফঙগনি। ঐখোয়না অশেঙবা, অচুম্বা ৱায়েল, পুকচেল শেঙবা, হরাও তয়াম্বা অমসুং পুকচেল চাওবগী মতাংদা পাবা মতমদা, ঐখোয়না মঙোন্দা ওনশিঞ্জবা য়াই অমসুং মহাক্কী পুন্সিগী মতাংদা খন্থবা য়াই, অমসুং ঐখোয়না মসিগী গুনশিংসি খ্বাইদগী মপুংফাবা মওংদা মহাক্কা ফোঙদোকপগে হায়বদু উজগনি।

তশেংবগীদি, মনাই ওইবগী মতৌনা অব্দুল- বাহাগী পুন্সিগী ময়েকশেঙবা শক্তমনি। অব্দুল- বাহা হায়বা মিংথোল অসিগী ৱাহন্থোক্তি "বাহা'ইগী মনাই হায়বনি", অমসুং মঙোন্দা পীরকপা অতোপ্পা মিংথোল পূম্নমকশিংদগী মহাক্কা হেন্না পামজনা লৌখিবসি মসিগী মিংথোল অসিনি। মখাদা পীরিবা অব্দুল- বাহাগী ৱাহৈশিংসি সেবা তৌনিংবগী মহাক্কী কল্লবা পামজবা অদুবু ফোঙদোকচবনি :

**"ঐগী ইমিং অব্দুল- বাহা কৌই। ঐগী মহৈগী থাক অব্দুল- বাহানি। ঐগী তশেংবা শক্তম**

**অব্দুল- বাহানি। ঐগী থাগৎচবা অব্দুল- বাহানি। মপুংফারবা থৌজাল্লবা মহাক্কী মনাই ওইজবনা ঐগী লংলবা অমদি চাওথোকচনিংঙাই ওইবা লুহুপনি, অমসুং মীওইবা খুন্নাই পুন্থবু সেবা তৌজবনা ঐগী লেংদ্রবা লাইনিংনি... অব্দুল- বাহা নত্তবা ঐগী ইমিং, মিংথোল, থাগৎপা লৈজদে অমসুং লৈশু লৈররোই। মসিনি ঐনা ইখৌলাংনা পামজবা। মসিনি ঐগী খ্বাইদগী অথোইবা অপাম্বা। মসিনি ঐগী লোইনাইদবা পুন্সি। মসিনি ঐগী লোইনাইদনা অদুম্মক লৈরগদবা মিংচৎ।”**[১১]

ময়েকশেঙনা Alejandraনা মথঙদা Sanchezes শিংবু উনবা চৎপা মতমদা শরুক তমগে হায়না খল্লিবা অদু খ্বাইদগী তোপ তোপ্পা মীশক অমগী মরমদা পীবা ৱাহৌদোক অমদগী হেন্দে; মসিগী লাংওন অসিদা অব্দুল- বাহানা কল্লিবা ফন্বাল অদুবু মখোয়না খঙজরকপদু লাক্কদবা চহীশিংদা মখাতানা হেন্না হেন্না ময়েকশেঙনা খঙলক্কনি। নহাক নশামক্কী পুন্সিদা, সেবাগী লম্বীদা নখোয়না চৎপা মতমদা, মহাক্কী খুদমবু নিংশিংজবা অমদি মহাক্কী ৱাহৈশিংদুগী মতাংদা মুন্না খন্থনবগী খুদোংচাবা কয়া অমা ফঙলক্কনি। মমাংগী য়ুনিৎ অদুদগী হান্ননা নহাক্না মহাক্কী ৱাঙাংশিং খরদি খঙজিল্লে, অমসুং মহাক্কী চেবাংশিং অমদি মীয়ামগী ওইবা ৱাঙাংশিংদা ৱাখল্লোনশিংদুবু মহাক্না শন্দোক্না তাকখিবা মওং অদুগুম্না নখোয়না ফোঙদোকপা তমজনবা পুকনিং থৌগৎখি। হৌজিক, মহাক্কী ফন্বালগী মতাংদা নখোয়গী হৌজিক লৈজরিবা ভাব তাবদু হেন্না ময়েক শেঙহন্নবা, মথক্তা পনখ্রিবা মরুওইবা ৱাফমশিংদু নখোয়গী কাঙলুপকী অতোপ্পা মীওইশিংগা নহাক্না খন্না নৈনগদবনি অমসুং মদুবু ফজনা হায়বা তমগদবনি। সেবাগী লম্বেলদা খুমাং চাওশিন্নবা নহাক্কী হোৎনবশিংদা মথক্কী লৌথোরকপা ৱারেং অদুদা মুন্না ৱাখল তৌবদুনা মতেং ওইগনি।

### নিপালশুবা শরুক

Sanchez অমসুং Mrs. Sanchez উনবা চৎপা হেক হৌরকপদগী Alejandraগী পুকনিং ৱাখলদা লৈরিবা ৱাহং অমদি করম্বা হিরমশিং খন্না নৈনবনা খ্বাইদগী হেন্না মখোয়বু হেন্না মরাচেৎশিলহনবা অমসুং neighbourhood অদুদা চথরিবা খুন্নাই- শেমগৎপগী থবক অদুদা ইচংথৌনা শৌগৎপশিং ওইহনবদা মতেং ওইগদগে হায়বসিনি। নাকল অমদনা, মখোয়গী লোয়ননা মহাক্না খন্না নৈনগে হায়না খঞ্জবা লাইশোল, থৱায়গী শিবা নাইদবা পুন্সি, অমসুং তাইবং মপুগী নুংশিবদা খোঙফম চেৎপগী মতাংদা ওইবা হীরমশিং লৈরি। অতোপ্পা নাকল অমদনা, তপ্পা তপ্পা চাওখৎলক্লিবা খুন্নাই অদুগী ভিজন অমা খঙজবা অমসুং মদুবু তশেংনা ওইথোকহনবদা মখোয়না মমল য়াল্লবা শরুক তম্বা ঙমগনি হায়না খঙজবসি মখোয়না খঙজবসি মরু ওইগনি। Sanchez অমসুং Mrs Sanchez কা লোয়ননা অব্দুল- বাহাগী ফন্বালগী মতাংদা ৱারী শান্নরিঙৈদা মহাক্না মথঙ উনবা চৎপদা করি হীরম ওইগদগে হায়বদু তপ্পা তপ্পা Alejandra না খঙলকই। “মীয়ামবু পুনশিন্নবগী লাইনিং অসিগী পান্দমগী মতাংদা মখোয় য়াম্না ময়েকশেঙনা খঙই,” হায়না মহাক্না খঞ্জে। “অদুনা, অপুনবা খুন্নাই অমবু করম্না শেমগৎকনি অমসুং কায়হনদনা থমগনি হায়বা হীরম অসি ঐখোয়না কুপ্পা য়েংমিন্নবা য়াই।”

Alejandra না মরিরকশুবা মহাক্কী উনবা চৎপদা neighbourhood অদুদা মরুপশিংগী অপীকপা কাংলুপ অমনা হৌজিক হৌজিক পায়খৎলিবা থবক থৌরমশিংদু শৈথাদুনা হৌই। “ঐখোয়গী মশিংশিংদুনা হেনগৎলকপগা লোয়ননা,” মহাক্না শন্দোক্না তাকলম্মী, “ঐখোয় পুম্নমক্না খ্বাইদগী লুনা ঐখোয়গী ইরেংবন্দদা থোংগৎকদৌরিবা থৌদাং অদুদি ঐখোয়গী ৱাহৈশিংদা, ঐখোয়গী ৱাখলশিংদা অমসুং ঐখোয়গী থবকশিংদা হেন্না হেন্না পুনশিন্নবা ওইরকপদুনি। অদুনা, নহাক্না য়ারবদি, ঐখোয় পুন্না অপুনবগী হীরম অসিগী মতাংদা য়েংশিনমিন্নবা য়াই।”

“ঐখোয়গী খুন্নাইগী চাওখৎপদা অপুনবা হায়বসি কয়াগী মতিক মরুওই হায়বসি ঐহাক উবা ফঙলে,” Mrs. Sanchez না হায়রকই।

“অদুগা পুন্নমক্কী মথক্তা ইহান হান্নবা ঐখোয়গী থম্মোয়শিংবু মহাক্কী তাকপী তম্বীবশিংদা চিংশিনখিবসি বাহা‘উ’ল্লাহগী অপুনবগী পাওজেল অদুননি,” হায়না Mrs. Sanchez হায়রকই।

“ঐনা ৱাখল্লোন কয়া অমা খনগৎলক্লে অমসুং মখোয় অমমমগীদমক্তা লৌথোরকপা ৱারেংসু ফঙলে,” হায়না Alejandra না হায়রকই। “নখোয়না য়ারগদি, মখোয় অমমম অসি পানমিন্নসি অমসুং মদুবু খন্নসি।”

মখাদা লৈরিবসি Alejandra গী ৱাখল্লোনশিংগী লেঙথোকপদুনি :

- ঐখোয়গী খুন্নাইনা তশেংনা পুনশিন্নবা, ঐখোয় খুদিংমক্তা stife অমসুং contention বু নাথৈরমগদবনি। বাহা‘উ’ল্লাহনা হায় :

  **“ঙসিগী নুমিৎশিদা মপুগী নুঙশিবশিংগী মরক্তা নাকপাক তানবা অমদি খৎনা চৈনবা, শাওনবা, নুঙাইনদবা অমসুং হন্না য়েংনদবা অসি নত্তনা করিমত্তনা মপুগী মরমদা হেন্না অকায়বা পীবা ঙমলোই। মখোয়বু তাইবং মপুগী শক্তি অমসুং মহাক্কী নিংতম্বা মতেংদগী লাপ্না তাম্থোকখো, অমসুং পুনশিনবীরিবা, পুন্নমক খঙইবা, পুন্নমক লৌশিং লৈবা মহাক্কী মমিংদা মীওইবগী থম্মোয়শিংবু অমত্তা ওইনা চেৎনা পুনশিন্নবা নখোয়না কন্না হোৎনৌ।”[১২]**

- ঐখোয়গী খুন্নাইদা লৈরিবা খুদিংমকপু নুংশিগদবনি, মসিগী নুংশিবা অসি ঐখোয়না তাইবং মপুবু নুংশিজবদগী পোকলকপনি। অব্দুল-বাহানা হায় :

  **“মপুংফানা পুন্সিনবা ওইয়ু। কৈদৌনুংদা অমগা অমগা শাওনগনু... খুৎশেমশিংবু তাইবং মপুগীদমক্তা নুংশিবিয়ু অমসুং মখোয় মশাগীদমক্তা ওইনা নুংশিগনু। নহাক্লা মখোয়বু তাইবং মপুগীদমক নুংশিবিরবদি নহাক কৈদৌনুংদা শাওরোই নত্রগা খঙমদবা ওইরোই। মীওইবসি মপুংফাদে। মীওই খুদিংমক্তা মপুংফাদবশিং লৈ, অমসুং নহাক্লা মীয়াম মশামক্তা য়েংলবদি নহাক মতম পুম্বদা নুঙাইরোই। অদুবু নহাক্লা তাইবং মপুদা য়েংলবদি, নহাক্লা মখোয়বু নুংশিগনি অমসুং মখোয়দা থৌজাল হৈগনি, মরমদি তাইবং মপুগী মালেমদি মপুংফাবগী অমসুং মপুংফাবা মীনুংশি থৌজালগী মালেমনি।”[১৩]**

- করিগুম্বা, ঐখোয়না অমগা অমগা নুংশিবা ফাওনরগা, ঐখোয় মশেলগী মরক্তা উংখৎনবা থোরক্লবদি, মখাদা পীরিবা অব্দুল-বাহাগী পাওতাকসি খুদক্তা নিংশিংগদবনি :

  **“নখোয় খুদিংমক্কী থম্মোয়গী ৱাখল পুন্নমক নুংশিবদা অমসুং অপুনবদা পুক্নিং চংনবা ঐনা তকশিল্লি। লানগী ৱাখল অমা লাকপদা, হেন্না কনবা শান্তিগী ৱাখল অমনা অথিংবা পীয়ু। হেন্না কনবা নুংশিবগী ৱাখল অমনা য়েংথিনবগী ৱাখল অমা**

**মাঙহনগদবনি। লানগী ৱাখলশিংনা চান্ন- চিন্নবা, য়াইফ- নুংঙাইবা, পোত্থাবা অমসুং পেঞ্জবা পুন্নমক্তা মাংতাকহনবা পুরকই।**

**"নুংশিবগী ৱাখলশিংনা মচিন মনাও ওইবগী, শান্তিগী, মরুপ মপাং ওইবগী অমসুং হয়াও নুঙাইবদা মতেং পাংশিল্লি।"[১৪]**

- অমসুং করিগুম্বা, মদুবু ফাজিন্নবা হোৎনবা য়াবা হোৎনরবা মতুংদা, ঐখোয়গী পুক্লিংগী অকনবা অপাম্বা অদুনা হেনজিল্লকপা উরবদি অমসুং ঐখোয় ইশামকপু অতোপ্পশিংগা খৎনা চৈনবা উরবদি, মসিগী বাহা'উ'ল্লাহগী ৱাহৈশিংসিবু ঐখোয়না খুদক্তা অমুকহন্না নিংশিংজগদবনি :

**"করিগুম্বা নখোয়গী মরক্তা খেন্নবশিং থোরক্লবদি, নহাক্কী মাইথোংগী মমাংদা ঐহাক্না লেপলিবসি য়েংউ, অমসুং ঐগী ফোঙদোক্লবা অমসুং তরং তরংলবা মপুগী মরম অসিগীদমক্তা ফাওজরিবা নহাক্কী নুংশিবগী খুদোল অমা ওইনা অমনা অমগী অরানবশিংবু উরুগনু।"[১৫]**

- অতোপ্পশিংগী অশোইবশিংবু উদবা, মখোয়গী থাগৎপদা মতিকচাবা গুনশিং অদুদা মিৎয়েং থম্বা অমসুং মপুংফানা মীৱা ঙাংদবগী থকশি খাসি (discipline) অসি পুনশিন্নদববু থেঙননবা খ্বাইদগী মহৈ য়ানবা পাম্নে অমনি। ঐখোয় অমনা অমবু নুংশিরবদি মীৱা ঙাংনিংবগী ইথিলদুবু থেঙনবসি অরাইবা ওই। ঐখোয়না নিংশিংগদবনি অমদুদি ঐখোয়না নুংশিনবা মৈশিংদুগী অশোইবশিংদু অয়াম্বা মতমদা উরুদ্রে অমসুং মখোয়বু পাপ পু কুপশিনবীবা মিৎ অমনা য়েংবদা থোইনা অরুবা ওইদে। অব্দুল- বাহানা হায়বী :

**"মপুংফাদবা মিৎনা মপুংফাদবশিং উই। অশোইবশিংবু কুপশিনবা মিৎনা থৱায়শিংবু শেম্বীরিবা অদুদা য়েংজে। মহাক্না মখোয়বু শেম্বী, শিন্দম্বী অমসুং মখোয়গীদমক্তা পীবি, মখোয়বু শক্তি অমসুং পুন্সি, উবা অমসুং তাবগা লোয়ননা পীনবিরম্লে; মরমদুনা, মখোয়শিং অসি মহাক্কী লংলবা ফজবগী খুদমশিংনি। নহাক্না মীপুম খুদিংমকপু নুংশিগদবনি অমসুং থৌজাল পীবিগদবনি, লাইরবশিংবু য়েংশিনবীগদবনি, অশোনববু ঙাকপী শেনবীগদবনি, অনাবশিংবু ফাহনগদবনি, খঙদবা অদুবু তাকপী- তম্বীগদবনি অমসুং মহৈ মশিং তম্বীগদবনি।"[১৬]**

বাহা'উ'ল্লাহনা ঐখোয়দা কন্না তকশিনবিরম্মী :

**"হে ঐগী ফম্বালগা লোয়নবা! ফত্তবা অমত্তা তাগনু, অমসুং ফত্তবা অমত্তা উগনু, নশাবু তোম্থহনগনু, তেংথাগনু অমসুং কপকনু। ফত্তবা ঙাংগনু, মদুদি নঙোন্দা মদু ঙাংলকপা নহাকনসু তাদনবা, অমসুং অতোপ্পশিংগী অশোইবশিংবু চাওথোকহনগনু মদুদি নশাগী অশোইবশিংদু চাওনা উদনবা, অমসুং কনাগুম্বা অমত্তা নমথনবা নিংলুগনু, মদুদি নহাক নশামক্কী তোম্থবদু উখোক্লবা। অদুনা মিৎকুপ অমমুক ফত্রবা নহাক্কী পুন্সিগী নুমিৎশিংদু, মক্তুবা পুক্লিং, মোত্রবা থম্মোয়, শেংলবা ৱাখল, অমসুং শেংদোক্লবা নহাক্কী নতৌগা লোয়ননা হিংউ, মদুদি, নিংতম্মা অমসুং পেঞ্জনা,**

**নহাক্না মসিগী শিবা নাইবা হকচাংশিবু থাদোকলম্মবা, অমসুং অঙকপগী মশক ওইরবা লাইরমলেনদা চঙজনবা অমসুং লোইনাইদবা লৈঙাকলমদুদা মতমচুপ্পগী ওইনা লৈজনবা।"**[১৭]

অমসুং মহাক্না ঐখোয়দা হায়বী :

**"হে শৈদাংলিবসা! লৈতোল অদু ঐবু পাঞ্জনবা ঐহাক্না শেমখিবনি, মদুবু মগুন হন্থহনদুনা মোৎহনগনু। নশাগী ওইবা মৈদুনা করিগুম্বা নহাকপু থুম্মৎলবদি, নখোয় নশামক্কী অশোইবশিংদু নিংশিংউ অমসুং ঐগী খুৎশেমশিংগী অশোইবশিংদুবু নিংশিংগনু, মরমদি নখোয় অমমম খুদিংমক্না অতোপ্পা মীওইশিংবু খঙবদগী নশানা নশাবু হেন্না খঙজৈ।"**[১৮]

- অপুনবা হায়বসি তশেংনা খৎনা চৈনবা অমসুং নাকপাক তানবা য়াওদবদু খক্তা নত্তে, অমসুং নুংশিবা হায়বসি ৱাহৈখক্তদা ফোঙদোক্কদবা নত্তে। ঐখোয় অমনা অমবু নুংশিবা অদু খুন্নাইগী সেবাদা ওস্থোক্লবা মতমদুদা, অমসুং ঐখোয়গী থবক থৌরমশিংদুবু মতেং পাংনবা অমসুং অমগা অমগা শৌগৎনবগী ইথিলনা লৈতেংলবা মতমদতা ঐখোয়না ঐখোয়গী মরক্তা তশেংবা অপুনবদু লৈরে হায়না হায়বা ঙমগনি। অব্দুল-বাহানা ঐখোয়দা কৌবিরক্লি:

**"ঙহাক্কী ওইরবসু, পোত্থাগনু, অমসুং মিৎকুপ অমত্তগী ওইরবসু, নুংঙাইনবা থিগনু; হেন্নদুম থৱায় হকচাং পুম্নমক্কা লোয়ননা শু নোম্মু মদুদি নহাক্না মরুপশিংগী মরক্তগী অমবু কখোকপগা লোয়ননা সেবা তৌথোক্লবা অমসুং লংলবা থম্মোয় অমদা নুংঙাইবা অমসুং হরাও তয়াম্বা পুরক্লবা। মসি তশেংবা থৌজালনি, অমসুং মদুনা অব্দুল-বাহাগী লাইবক অসি লংহল্লি। মদুদা নহাক্না ঐগী লোইনবা অমসুং তিন্নবা ওইয়ু।"**[১৯]

অমসুং মহাক্না হায়বী :

**"মীওইবগী খ্বাইদগী দরকারদি অমগা অমগা মতেং পাংনবা অমসুং পীথোক পীশিন তৌনবনি। মীওইবশিংগী মরক্তা মরুপ মপাং ওইবগী অমসুং অমত্তা ওইবগী লিপুন অদুনা কল্লিবমখে, মীওইবগী থবক্কী লৈমাই খুদিংমক্তা শেমগৎ শাগৎপগী অমসুং থবক পাঙথোকপগী শক্তি অদু হেন্না কনগনি।"**[২০]

- মাইপাকপা খুন্নাইগী থবক্কীদমক্তা খ্বাইদগী মরুওইবা শোজৈদি হিরম খুদিংমক্তা থম্মোয়শেংবা অমসুং নুংশিবা ওইবা ৱা-তানবনি। ৱা-তানবগী মতেংদগী, খন্নরিবা হীরম অমদা ঐখোয়না য়েংলিবা খেন্ন-খেন্নবা মওংশিংদু অমত্তা ওইনা পুনশিল্লকই অমসুং ঐখোয়গী অপুনবগী ওইবা থবকশিং অদুদা ঐখোয়না চৎকদবা মাইকৈ অদু ফঙবা ঙমলকই। ৱা-তানবগী মতেংদগী, ৱাখলগী ওইবা অপুনবা ফঙবা ঙম্মী, অমসুং ঐখোয়গী ৱাখলশিং অমদি মিৎয়েংশিংগী অপুনবা অদুগা লোয়ননা, ঐখোয়গী খুন্নাইশিংনা চাওখৎনবগীদমক্তা ঐখোয়না মহৈয়ানবা থৌরাংশিং শেম্মী। ৱা-তান্নরিবশিংদুগী মতাংদা অবদুল-বাহানা হায় :

**“পুন্না ৱা- তান্নরিবা মখোয়শিংগী খ্বাইদগী মরুওইবা দরকারশিংদুদি ৱাখল্লোনগী অশেঙবা, থৱায়গী ওইবা লংজবা, তাইবং মপু নত্তনা অতৈ পুম্নমক্তগী থাদোকচবা, মহাক্কী লাইরমলেনগী ওইবা নুংশিরবা মনমদুদা চিংশিঞ্জবা, মহাক্কী নুংশিবশিংগী মমাংদা নোল্লুকচবা অমদি তোন্থজবা, অমসুং অৱাবশিংদা খাংবা কনবা অমদি লেপ্তুনা কন্না খাংবা উখোকপা অমসুং মহাক্কী থাক ৱাংলবা থোংজিলদা সেবা তৌজবগী ফিভম অদুনি। মখোয়বু করিগুম্বা মসিগী মগুনশিংসি তানশিলহনবদা মিনুংশিগা লোয়ননা তেংবাংবিরবদি, শকউদবা বাহাগী লাইরমলেন অদুদগী মায়পাকপদু মখোয়দা শোইদনা পীনবিরগনি।”**[২১]

- ৱাখল্লোনগী অপুনবসি থবক্কী ওইবা অপুনবদা ওন্থোক্কবদি মপুংফাদে। পুন্না থবক তৌমিন্নবা হায়বসি ঐখোয় পুম্নমক্না চপ-মান্নবা থবক তৌবদু নত্তে। মদুগী ওন্না - তৈনবদা, খুন্নাই অমনা অপুনবগী ওইবা থবক্কী থৌরাং অমা শেন্দা মতমদা, লন্নাই মীওই খুদিংমক্কী খেন্ন-খেন্নবা হৈথোইবশিং অদু মপুংফানা শিজিন্নৈ। ঐখোয়গী শক্তিশিংদু তরেৎ-তরা থোক্লা হেনগৎলকই অমসুং মালেমদা লৈবা খ্বাইদগী চাওরবা সঙস্থানশিংনা পাঙথোকপা ঙম্নদু অদু অপীকপা খুন্নাই অমফাওবা পাঙথোকপা ঙমলকই।

**“শেংলবা থৱায়শিংনা, লাইরমলেনগী শক্তিশিংদুবু শিজিন্নদুনা, থৱায় অদুগী অদুগুম্লবা গুনশিংদুগা লোয়ননা হৌগৎলকপা মতমদা, অমসুং পুন্না, মথঙ মথঙ পরেং নাইনা চঙশিল্লকপা মতমদা, মদুগী থৱায় অমমম খুদিংমক্তু থৱায় লিশিং অমগুম ওইগনি, অমসুং মদুগী কল্লবা ইপাক অদুগী ইথক করক্লিবা ইপোমশিংদু নোংদোনথক্তা লৈরিবা মীয়াম অদুগী লানমী তেঙ্গোলশিংগুম ওইরক্কনি।”**[২২]

নখোয়না মথক্কীশিংসি চেকশিন্না পারবনিনা অমসুং নখোয়গী কাঙলুপ অদুদা শরুক য়ারিবশিংদুগা মদুদা য়াওরিবা ৱাফমশিংদু অমমমতা ওইনা খন্না নৈনরবনিনা, মমাঙগী শরুক অহুমদা নখোয়না তৌখিবগুম্না মসিগী হিরম অসিবু খুদোল তৌবা তমশিনবদা অমগা অমগা মতেঙ পাঙনবা পাম্বা য়াই। মখাদা পীরিবা চাংয়েংশিংসিনা নখোয়গী হোৎনবশিংদুদা খরামখৈ মতেং ওইগনি।

১. মখাদা পীরিবা ৱাহৈ পরেংশিংসি মপুংফাহল্লু :

ক. ঙসিগী নুমিৎসিদা, মপুগী নুংশিবশিংগী মরক্তা ____________ অমদি খৎনা চৈনবা, শাওনবা, নুংঙাইনদবা অমসুং হুন্না য়েংনবদা অসি নত্তনা করিমত্তনা মপুগী মরমদা হেন্না অকায়বা পীবা ঙমলোই।

খ. ঙসিগী নুমিৎসিদা, মপুগী নুংশিবশিংগী মরক্তা নাকপাক তানবা অমদি____________, শাওনবা, নুঙাইনদবা অমসুং হুন্না য়েংনদবা অসি নত্তনা করিমত্তনা মপুগী মপুগী মরমদা হেন্না অকায়বা পীবা ঙমলোই।

গ. ঙসিগী নুমিৎসিদা, মপুগী নুংশিবশিংগী মরক্তা নাকপাক তানবা অমদি খৎনা চৈনবা, শাওনবা, নুঙাইনদবা অমসুং হুন্না য়েংনদবা অসি নত্তনা____________ মপুগী মরমদা হেন্না অকায়বা পীবা ঙমলোই।

ঘ. ঙসিগী নুমিৎসিদা, মপুগী নুংশিবশিংগী মরক্তা নাকপাক তানবা অমদি খৎনা চৈনবা, শাওনবা, নুঙাইনদবা অমসুং ________________ অসি নত্তনা করিমত্তনা মপুগী মরমদা হেন্না অকায়বা পীবা ঙমলোই।

ঙ. ঙসিগী নুমিৎসিদা, মপুগী নুংশিবশিংগী মরক্তা নাকপাক তানবা অমদি খৎনা চৈনবা, ________________ , নুঙাইনদবা অমসুং হন্না য়েংনদবা অসি নত্তনা করিমত্তনা মপুগী মরমদা হেন্না অকায়বা পীবা ঙমলোই।

চ. ঙসিগী নুমিৎসিদা, মপুগী নুংশিবশিংগী মরক্তা নাকপাক তানবা অমদি খৎনা চৈনবা, শাওনবা, ________________ অমসুং হন্না য়েংনদবা অসি নত্তনা করিমত্তনা মপুগী মরমদা হেন্না অকায়বা পীবা ঙমলোই।

ছ. ঙসিগী নুমিৎসিদা, মপুগী নুংশিবশিংগী মরক্তা নাকপাক তানবা অমদি খৎনা চৈনবা, শাওনবা, নুঙাইনদবা অমসুং হন্না য়েংনদবা অসি নত্তনা করিমত্তনা ________________ ________________ হেন্না অকায়বা পীবা ঙমলোই।

২. অনীশুবা লৌথোরকপা ৱারেংদা অব্দুল- বাহানা ঐখোয়দা হায়বী :

ক. ঐখোয় ________________________ হিংগদবনি।

খ. ঐখোয়না কৈদৌনুংদা ________________________ শাওনরোইদবনি।

গ. ঐখোয়না মীপুম পুম্নমকপু ________________________ নুংশিগদবনি অমসুং মখোয় মশাগীদমক্তা ওইনা নুংশিরোইদবনি।

ঘ. ঐখোয়না মীয়ামশিংবু________________________ নুংশিবিরবদি ঐখোয়না কৈদৌনুংদা নত্রগা ________________________ওইরোই।

ঙ. মীওইবসি________________________ ।

চ. ঐখোয়না ________________ য়েংলবদি ঐখোয় মতম পুম্বদা ____________________ ।

জ. অদুবু ঐখোয়না ________________________ য়েংলবদি, ঐখোয়না মীয়ামবু ________________________অমসুং মখোয়দা ________________________ ।

৩. অহুমশুবা লৌথোরকপা ৱারেংদা অব্দুল- বাহানা ঐখোয়দা হায়বী :

ক. ঐখোয় খুদিংমক্কী থম্মোয়গী ৱাখল পুম্নমক ________________________ অমসুং ________________________ পুক্রিং চংগদবনি।

খ. লানগী ৱাখল অমা লাকপদা, ________________________ ঐখোয়না অথিংবা পীগদবনি।

গ. হেন্না কনবা নুংশিবগী ৱাখল অমনা ______________________ ঙমগনি।

ঘ. লানগী ৱাখলশিংনা ______________________, ______________________, ______________________ অমসুং পুম্নমক্তা মাংতাকহনবা পুরকই।

ঙ. নুঙশিবগী ৱাখলশিংনা______________________,______________________, ______________________অমসুং ______________________ মতেং পাংশিল্লি।

৪. নহাক নশাগা অমদি খুন্নাইদা লৈরিবা অতোপ্পশিংদুগগী মরক্তা খেন্নবা থোরকপা উরক্লবদি নহাক্না করি তৌগদগে? ______________________

______________________

______________________

৫. নহাক্কী খুন্নাইগী অপুনবদা নহাক্না শরুক তম্বদা নঙোন্দা মতেং ওইবা নুংগী ওইবা থকশি খাসি অদু শন্দোক্লা শৈথাও: ______________________

______________________

______________________

______________________

৬. মখাদা পীরিবশিংসিদগী করম্বনা অপুনবদা মতেং পাংবগে?
- অতোপ্পশিংগী অশোনবশিংদুবু য়েংবা
- অতোপ্পশিগী অশোইবশিংবু উদবা
- মরুপ অমদা অতোপ্পা মীওই অমগী অশোনবশিংসি মতাংদা পনদুনা ঙাংবা
- অতোপ্পা মীবু ফত্তনা উহন্নবা ৱারী অদুবু হেনজিন্না হায়বা নত্রগা হোংদোকপা
- অতোপ্পশিংগী অশোইবশিংগী মতাংদা খনবা

৭. করিগীদমক ঐখোয়না মী খরনা অরানবা তৌবদনা ফৈ ফত্তে হায়রগা, অতোপ্পশিংনা চপ মান্নবা অরানবদু তৌবদনা ফৈ ফত্তে হায়দ্রিবা?

______________________

______________________

______________________

৮. অমদা অমগী মরমদা মীৱা ঙাংনবা ফিভম অমদা অপুনবা পুরকপা হায়বসি ওইথোকপ্রা ? করিগী ওইথোক্লিবনো?

______________________

______________________

______________________

______________________

৯. কনাগুম্বা অমগী মতাংদা ওইদবা অমা হায়জিনবা হায়বসি তশেংনা লাল্লি। অদুবু কনাগুম্বা অমনা তশেংনা তৌত্রবা করিগুম্বা অমগীদমক অহকপা ৱাহৈশিংনা অতোপ্পশিংদা তন্বা হায়বসি অচুম্বা ওইগদ্রা?

১০. ৱারেং ঙাংবা, মীৱা ঙাংবা, অমসুং মীগী অফ- ফত্তা ঙাংবা হায়বশিংসিগী মরক্তা করি খেৎনবগে?

১১. ৱারেম ঙাংবা, মীৱা ঙাংবা, অমসুং লেপ্তুনা মীগী অফ- ফত্তা ঙাংবনা খুন্নাই অমদা করম্বা ফোল পুরক্কদগে?

১২. মসিগী হৈনবশিং অসি ঐখোয়গী পুন্সিদগী করম্না ঐখোয়না লৌথোকপা ঙমগনি ?

১৩. মীশিংসি ইনাক্তা লৈরিবনি হায়না খন্দুনাখক্তা ঐখোয়না ৱা ঙাংলবদি করি থোকপা য়াবগে?

১৪. ঐখোয়না অঙাংশিংগী মমাঙদা মীৱা ঙাংলবদি, মদুনা মখোয়দা করি চৈথেঙ পীগদগে?

১৫. ৱারেম ঙাংবা অমসুং মীৱা ঙাংবগী হৈনবসি অসি কদাইদগী লাকপনো?

১৬. বাহা'উ'ল্লাহনা ঐখোয়বু কন্না পুক্লিং থৌগৎপি : "নশাগী ওইবা মৈদুনা করিগুম্বা নহাকপু থুক্মৎলবদি, ______________ অমসুং ______________ নিংশিংগনু, মরমদি নখোয় অমমম খুদিংমক্না______________ নশানা নশাবু ______________।"

১৭. নুঙশিবা হায়বসি ৱাহৈখক্তদা ইচম চম্না ফোঙদোক্তে। অতোপ্পা করি মথৌ তারিবগে? ______________

______________

১৮. অপুনবা অমসুং নুংশিবগা মরিলৈননা, অব্দুল- বাহানা ঐখোয়দা হায়বী : "ঙহাক্কী ওইরবসু, ______________, অমসুং মিৎকুপ অমত্তগী ওইরবসু, ______________; হেন্নদুম লোয়ননা ______________ মদুদি নহাক্না মরুপশিংগী মরক্তগী অমবু ______________ অমসুং লাংলবা থম্মোয় অমদা ______________ পুরক্কবা।"

১৯. অমসুং মহাক্না মখাতানা হায় : "মীওইবগী খ্বাইদগী দরকারদি ______________ অমসুং ______________। মীওইবশিংগী মরক্তা ______________ অমসুং ______________ লিপুন অদুনা কল্লিবমখৈ, মীওইবগী থবক্কী লৈমায় খুদিংমক্তা ______________ অমসুং শক্তি অদু হেন্না কনগনি।"

২০. মায়পাকপা খুন্নাইগী ওইবা থবক্কী খ্বাইদগী মরুওইবা শোজৈ অদু করিনো? ______________

______________

২১. ৱা- তান্নরিবশিংদুগী মতাংদা অব্দুল বাহানা হায়বী : "পুন্না ৱা- তান্নরিবা মখোয়শিংগী খ্বাইদগী মরুওইবা দরকারশিংদুদি ______________, ______________, ______________, ______________, মহাক্কী নুংশিবশিংগী মমাংদা ______________, অমসুং অৱাবশিংদা ______________ অমদি ______________ অমসুং মহাক্কী থাক ৱাংলবা থোংজিলদা______________। মখোয়বু করিগুম্বা মসিগী মগুনশিংসি তানশিলহনবদা মিনুংশিগা লোয়ননা তেংবাংবিরবদি, শকউদবা বাহাগী লাইরমলেন অদুদগী______________।"

২২. পুন্না থবক তৌমিন্নবগী শক্তি অদুগী মতাংদা, অব্দুল- বাহানা ঐখোয়দা হায় : "শেংলবা থৱায়শিংনা, ______________ শিজিন্নদুনা, ______________ লোয়ননা হৌগৎলকপা মতমদা, অমসুং ______________, মথঙ মথঙ পরেং নাইনা চংশিল্লকপা মতমদা, মদুগী থৱায় ______________ওইগনি, অমসুং মদুগী কল্লবা ইপাক অদুগী ইথক কারক্লিবা ইপোমশিংদু______________ ওইরক্কনি।"

**মাপলগুবা শরুক**

Alejandra না Sanchez অমসুং Mrs. Sanchez পু মরিরকশুবা উনবা চৎপদা, অনকপা high school অমদা তমদুনা মখোয়গা লৈমিন্নরম্বা মখোয়গী মগুনুপী Beatrice থেঙনবগী খুদোংচাবদু ফঙলকই। অপুনবগী

হিরমগী মতাংদা Beatrice য়াম্না খঙনিংলম্মী অমসুং খন্না নৈনবা অদুদা থৱায় য়াওনা শরুক য়ারম্মী। ৱারী শান্নবদু লোইশিল্লকপা মতমদুদা, Mrs. Sanchez না মখোয় ময়ামগী coffee অমদি cake খরা পুথোরকই। মসিনা Alejandra না Beatriceপু খরা হেন্না ফজনা খঙনবগী খুদোংচাব অমা পীবি, অমসুং neighbourhood তা চংশিল্লিবা খুন্নাই শেমগৎনবগী হোৎনবশিংগী মতাংদা ৱারী শান্ননবা মথৎগী নুমিত্তা মহাক্কা উননবা মহাক্কা শিল্লি। “মহাক থঙনা থঙননা লৈরিবা মপুংওইবা কোর্সশিংসি নৈনবা পামলম্বা য়াই” Alejandra না মথন্তা খঞ্জে। “চাংনাইবা তাম্বা অমদা অহানবা লাইরক খরদু লোইশিলহনবদা ঐনা মহাকপু মতেং পাংবীবা য়াই। মদুগী মতুংদা মহাক্কা অঙাংগী ক্লাস অমা হৌদোকপা পাম্বা য়াই নত্রগা neighbourhood তা নৌরিবা নহাশিংগী কাংলুপ শেম্বদা ঐবু তেংবাংবিবা য়াই। করিগুম্বা ঐগী মতেং পাংলবদি, মহাক্কা মঙাশুবা লাইরিক চংশিল্লকপগা লোয়ননা কাংলুপ অদুগী থৌদাংদু হেন্না হেন্না লৌরকপা য়াই, মদুনা মহাকপু এনিমেটর অমা ওইনা সেবা তৌনবা শেম শাবীগনি।” Alejandra নহাশিংগীদমক্তা শিনবা মীফম কয়া অমা য়াওরকলে, মদুগী মীফমশিংদুদা অকক্লবা হিরমশিংগী মতাংদা মিৎয়েং থমদুনা খন্না নৈনৈ, মদুগী ফোল ওইনা কয়া অমনা নৈনশঙগী প্রোসেসতা শরুক য়ারক্লম্মী। মহাক্কা মথঙগী নুমিত্তা Beatrice কা ৱারী শান্নবা মতমদা চপমান্নবা ৱাখল্লোনশিংগী পরিংদু ইন্দুনা শান্নরগে হায়না লেপচৈ। ৱারী অদু অসুম্না হৌদোকলম্মী :

> ঐখোয় পুম্নমক্কা মালেম অসি হেন্না ফবা মফম অমা ওইরকপদু উবা পাম্মী। মালেমপুম্বগী ওইনা শক্তি লৈরগদবা অমদি মীওইবা খুন্নাইগী ইমুঙ অসিনা চান্না চিন্ননা লৈরগদবা তুংগী মতম অদুগীদমক্তা ঐখোয়না আসা তৌজে। অসিগুম্বা লাক্কদবা মতম অসি মঙলান অমা নত্তে অমসুং মালেম অসিগী নুঙাই য়াইফহন্নবা হোৎনবদা শরুক তম্নবগী হোৎনবদা ঐখোয়না মশিং হেন্না হেন্না শরুক য়ারকপগা লোয়ননা শেমগৎপা ঙমলক্কনি। ঐখোয়গী থম্মোয়শিংদা চেজেৎনা ঐখোয় অমমম খুদিংমক্কা ঐখোয়গী খুন্নাইশিংবু সেবা তৌনিংবগী অপাম্বা লৈ। ঐখোয়না চাওখৎহনবা মথৌ তারিবসি মীয়ামগী য়াইফনবগীদমক্তা ইশাগী খনদবা সেবাগী থবকশিং পায়খৎনবগী ঐখোয়গী তৌবা ঙম্বদু শেমগৎপনি।
>
> মীওইবা খুন্নাইদা তৌথোকলিবা ঐখোয়গী সেবা অসি ঐখোয় পুন্না চৎমিন্নবা য়াবা সেবাগী লম্বেল অমা ওইনা ৱাখলদা খন্দুনা য়েংবা য়াই। মসিগী লম্বেল অসি পুম্নমক্তা হাংদোক্লি। ঐখোয় খুদিংমক্কা মদুদা চঙনবা ৱারেপ লৌজে, অমসুং মদুদা ঐখোয়গী থুবা য়াঙবগী মতুং  ইন্না  খুমাঙ চাওশিঞ্জে। মসিগী লম্বেল অসিদা ঐখোয় ইথন্তা চত্তে; ঐখোয়গী মরুপ মপাংশিংগা লোয়ননা সেবা তৌমিন্নে, পুন্না তমিন্নে অমসুং অমগা অমগা লোইনবি। ঐখোয়না থাংলিবা খোঙথাং খুদিংমক্কা হরাও তয়াম্বা অমসুং শোইদবা ইথিলদু পীবি, অমসুং ঐখোয় পায়খৎপা হোৎনশিনবা খুদিংমক্কা তাইবং মপুগী শোইদ্রে খঙহনবীরকপদু ফঙহনবি।

Beatrice না তারিবদু পামজরম্মী, অমসুং মসিগী তেল্লবা খুদোল অসিগী মতুংদা য়াম্না নুঙাইনা ৱারী ৱাতাই শান্নরম্মী। মখাতানা চৎথ্রিঙৈগী মমাঙদা, মতাংসিদা ঙহাক লেপসি অমসুং নৌনা মরুপ ওইরবা মরুপ অনীগী মরক্তা থোক্লিবা তোৎনা তিন্নবগী মওং মতৌ অসিগী মতাংদা মুন্না খন্থসি। Beatrice পু নৈনশঙগী প্রোসেসতা শরুক য়ারক্লবগী বার্তোন তৌনবগীদমক্তা Alejandra না য়াম্না মরুওইবা ৱারী- ৱাতাই অমা শান্নবা ৱারেপ লৌরম্মী। Beatriceতা ইচম চম্না নৈনশঙনা মথঙ মথঙ লৈবা কোর্সশিং পীরি অমসুং মদুবু য়াওনবা হায়দুনা বার্তোন তৌবদুনা করিগীদমক্তা মতিকচাবা ওইরোইদবগে?

____________________________________________

____________________________________________

____________________________________________

____________________________________________

## তরাশুবা শরুক

Alejandra অমদি Beatrice না শান্নরিবা ৱারী অদু পুং অনীমকু মখা চত্থরম্মী। Alejandra না মহাক্কী অনৌবা মরুপতা শরুক তন্লিবা অহেনবা ৱাখল্লোন কয়া অমা মখাদা পীরি। তশেংনা, ঐখোয়না খঙই মদুদি মহাক্কা লেপ্তুনা চত্থবা অশাংবা ৱারোল অমা ওইদে। পেরেগ্রাফশিংসিদা শমলপ্পা শন্দোক্পা থমলি :

ঐখোয় নহা ওইরি, ঐখোয়দা পাঙ্গল শক্তি লৈ, অমসুং ঐখোয় যাম্না থৱায় য়াওই। ঐখোয়দি নুংঙাইথোকনা পংহিংদা হিংবনি হায়না মীয়াম্না খনবী। অদুবু তশেংবদি মদুগী ওন্না তৈনবনি; ঐখোয়না মীওইবা খুন্নাইগী অৱাবগী মতাংদা ৱাজে অমসুং খুন্নাইদা তশেংনা হোংলকপদু উবা পামজে। অমদি ঐখোয়না ঐখোয়গী পুন্সিগী মতাংদসু হায়বদি - মহৈ মশিং, থবক, মরুপ মপাংশিং, ইমুঙ মনুংশিংগী - মতাংদসু খঙগদবনি। চহি খুদিংগী ঐখোয়না অহন ওইরকপগা লোয়ননা, ঐখোয়গী লেংজুমশিংদা হেন্না হেন্না থৌদাংশিং থোঙগৎলকপদু থেঙনৈ; ঐখোয়গী ইমা ইপাশিংনা ঐখোয়দগী হেন্না যাম্না আসা তৌজে। করিগুম্বা মতমদা, ঐনা ঐগী থৌদাং পূন্নমকশিংগী মতাংদা খল্লুবা মতমদা, ঐ মাইথিবগুম ফাওজে। অদুবু মতমদুদা ঐনা বাহা'ইগী অইবশিংদগী চিনফা পুখ্রবা ৱারেং অমা নিংশিংলকই : "মীওইবগী পুন্সি অদুগী য়েনিংথা লৈজে অমসুং মদু অঙকপা ফঙবা মশেক মঙালগা লোয়ননা পীনবি। নহা ওইরিঙৈগী মতম অদু পাঙ্গল অমসুং থৱায় য়াওবা অদুনা শক্তাকই মীওইবগী পুন্সিদা খ্বাইদগী ফবা মতম ওইনা তোপ তোপ্পা লৈ।"

ঐনা নঙোন্দা হায়নিংলিবসি মসিনা মদুদি ঐখোয়গী খুন্নাইগুম্না মালেম শিন্থুংবদা লৈরিবা নহা কয়া অমনা খঙজরকলি মদুদি মখোয়গী পাঙ্গল শক্তি অদু অনীলোংবা পান্দম অমদা ওনশিঞ্জবা যাই : মখোয় মশাগী ৱাখল লৌশিং অমদি নুংগী ওইবা চাওখৎপগী দাইত্ব লৌজবা অমসুং খুন্নাইবু হোংহনবদা শরুক তম্বা। ঐখোয়গী পান্দম অসিগী ময়োল অনীসি অমগা অমগা মরি লৈনৈ। ঐখোয়না তৌবা ঙম্বশিংদুবু চাওখৎহনবগা লোয়ননা, ঐখোয়না অতোপ্পশিংবু হেন্না ফজনা সেবা তৌথোকপা ঙম্মী, অমসুং অমগা অমগা মতেং পাংনবসিনা, ঐখোয়না লন্নাই মীওইশিং ওইনা চাওখৎচৈ অমসুং ঐখোয়না মপু ওইজরিবা গুনশিংদুবু হেন্না মপাঙ্গল কনখৎহল্লি।

মতাং অসিদনি ঐনা মমাঙদা পানখিবা সেবাগী লম্বেল অমগী ৱাখল্লোন অদুনা লাকলিবসি। মদুবু চৎপা হায়বসি ঐখোয়গী পুন্সিদা ইচম চম্না হেক হাপচিনবদু নত্তে; মদুনা ঐখোয়না তৌরিবা খুদিংমক্তু ৱাহন্থোক লৈহল্লি। খুন্নাইদা সেবা তৌবদুনা ঐখোয়গী মহৈ মশিংগী পান্দম অদু হেন্না ফজনা ভাব তাহনবদা ঐখোয়বু তেংবাংবী, ঐখোয়গী তুংগী পুন্সিগী মতাংদা খল্লিবা ঐখোয়গী ৱাখল্লোনশিংদু ময়েক শেংদোকহল্লি, ঐখোয়গী ইমুঙ মনুংশিংগী নুঙাই য়াইফবদা শরুক তম্বদা চংবা গুনশিংদুবু চাওখৎহন্নবা ঐখোয়বু তেংবাংবী। মদুনা ঐখোয়গী মরুপ মপাংগী মরিশিংদু হেন্না চেৎশিনহল্লি। মদুনা ঐখোয়গী পাঙ্গল শক্তিশিংবু করিসু কান্নদবা হোৎনবশিংদা মাংহনখিদনবা ঙাক শেনবী।

ঐখোয়গী নুংগী অমদি ৱাখল- লৌশিংগী চাওখৎপগী মতাংদা খনবদা, ঐখোয়দা চৈথেং পীরিবা শাফু কয়া অমগী মতাংদা ঐখোয়না খঙজগদবনি। খরা অমদি, খুদম ওইনা হায়রবদা জ্ঞানগী, অচুম্বা ৱায়েলগী,

অমসুং নুংশিবগী শাফুশিং অসিনা অচুম্বা মায়কৈদা ঐখোয়বু পুবী, অমসুং মসিগা চুশিন্নবা ঐখোয় ইশানা চৎনবা ঐখোয়না তমশিনগদবনি। অতোপ্পশিংদি, খুদম ওইনা হায়রবদা পোৎচাক্কী ওইবা অমদি মশাগীতা খনবা শাফুশিংনা, ওন্না তৈনবা চৈথেং পী, অমসুং ঐখোয়না মখোয়গী মায়োক্তা থেঙননবা হোৎনগদবনি। ঐখোয়না থোইদোক হেন্দোকপা ফঙনবা হোৎনগদবনি অমসুং ঐখোয়গী হোৎনবশিংদু তাইবং মপুনা শোইদ্রে খঙহনবীরকপগী থৌজালনা থৌজালবীগনি হায়বসিদা থাজবা থমগদবনি।

অমসুং খুন্নাইবু হোংদোকহনবদা ঐখোয়না শরুক তমজবশিংগী মতাংদা খনদুনা - হিংশা, লাইরবা, অমদি অৱাবগী মালেম অমবু শান্তি, ৱাত্ত-পাদবা, অমসুং চান্না চিন্নবা মালেম অমদা হোংদোকপা - ঐখোয়না পোৎচাক অমদি নুংগী ওইবা অনীমক্কী চাওখৎপগী মতাংদা খঙগদবনি। মীয়াম পুম্বগী পোৎচাক্কী ওইবা চাওখৎপদু করিগুম্বা ঐখোয়না মদুগা লোয়ননা নুংগী ওইবা চাওখৎপসু ফঙদ্রবদি ফঙবা ঙমলোই। অনীসি মান্ননা পুন্না চৎমিন্নরবা মতমদতা মালেমগী নুঙাই য়াইফবা ফঙবা ঙমগনি। ঐনা চিনফা পুখিবা অতোপ্পা লৌথোরকপা ৱারেং অমসু লৈ : “পোৎচাক্কী ওইবা সভেত্য অসি থাওমৈগী মশকনি, অদুবু নুংগী ওইবা সভেত্যদি থাওমৈ অদুদা য়াওরিবা মঙাল অদুনি। করিগুম্বা পোৎচাক অমদি নুংগী ওইবা সভেত্যা অসি পুনশিল্লবদি, ঐখোয়না মঙাল অমদি থাওমৈবু পুন্না ফঙলগনি, অমসুং মদুগী মহৈদি মপুঙফাবা ওইগনি।”

ঐখোয়না সেবাগী লম্বেলদা চৎনা চৎনা, ঐখোয়না লন্নাই মীওইশিংগী কাংলুপশিংগা থবক তৌমিন্নবা তমশিল্লি, অখন্নবা অঙাংশিং অমদি নৌরিবা নহাশিংবু, মখোয়বু জ্ঞান, হৈশিংবা, অমসুং নুংগী ওইবা গুনশিং তানশিনবদা মতেং পাংদুনা ঐখোয়না তমশিল্লি। ঐখোয়গী খুন্নাইশিংগী অপুনবগী মতাংদা মিৎয়েং চঙশিনবসু ঐখোয়না তমলকই। লন্নাই মীওইশিং, ইমুঙশিং, অমসুং খুন্নাই অমগী চাওখৎপদা শরুক তম্বা পামজবা সঙস্থানশিংনা পুন্না মতেং পাঙনদুনা থবক তৌমিন্নগদবনি। মখোয়না পুন্না য়ামিন্নবা যন্না উবা মিৎয়েং অমদি পান্দম অমা শেমগৎকদবনি অমসুং খৎনা চৈনবগী লন্থীশিংদু তুংদা থমলমগদবনি।

অদুনা, নহা ওইনা ঐখোয়না অতোপ্পশিংগা চান্না চিন্নবা মওংদা তোৎনা তিন্নবগী হৈনবীশিং চাওখৎহনবসি মরু ওই। ঐখোয়না মরুপ মপাংশিং ওইবসি দরকার ওই: ঐখোয়না তৌরিবা থবক্তা অমগা অমগা লোয়নবীবা, ঐখোয় অমমম খুদিংমক্কী শরুক তমলকপদু য়াবীবা, অমনা অমবু পুক্নিং থৌগৎনবা অমদি শৌগৎনবা, ঐখোয় অমমম খুদিংমক্কী পাঙ্গলশিং উবা, অমগা অমগা কান্ননিংঙাই ওইবা পাওতাকশিং থিনবা অমদি পীনবা, অমসুং অমনা অমগী মায়পাকপশিংদা হরাও তয়াম্বা ফাওজবা। সেবাগী লম্বেল চৎপা মতমদা, ঐখোয়না থবক পাঙথোক্কদবনি, ঐখোয়গী থবকশিংদুদা মুন্না খন্থগদবনি, ৱা তানগদবনি অমসুং পুন্না নৈনমিন্নগদবনি।

হৌখিবা চহি তরা তরাসিদা, বাহা'ই খুন্নাইনা মালেমদা লৈরিবা লৈবাক খুদিংমক্তা তমশিন্নবগী অখন্নবা মওংগী সঙস্থান অমা মায়পাকনা শেমগৎপা ঙমখ্রে। মসিগী নৈনশঙশিং অসিনা - ঐখোয়না নখোয়বু নৈনশঙ হায়না হায় - খুন্নাইবু সেবা তৌনবগী ঐখোয়গী তৌবা ঙম্বশিংদুবু হেন্না মপাঙ্গল কনখৎহনবা কোর্সশিং ফঙহল্লি। মসিগী কোর্সশিংসিবু নৈনদুনা, ঐখোয়না নুংগী ওইবা নুংহুনজিনবা জ্ঞানশিং অমদি সেবাগী লম্বেলদা পুন্না মাংলোমদা চঙশিনবদা দরকার ওইবা থবক্কী ওইবা হৈশিংবা অদু ফঙই। ঐখোয়না কোর্সশিংদুদা হেন্না খুমাঙ চাওশিল্লকপগা লোয়ননা, হেন্না হেন্না লুশিল্লকপা সেবাগী থবকশিং পাঙথোকপা ঙম্বগী ঐখোয়গী তৌবা ঙম্বদু চাওখৎলকই। মসিগী খোঙচৎকী তাঙ্কক পুম্বদা, ঐখোয়দগী হেন্না খঙহৈরবা (experience) মখোয়শিংদুনা ঐখোয়বু লোয়নবী অমসুং, মতমগী মতুং ইন্না, ঐখোয়না মহৌশানা খঙবা হৈবা ৱাৎলিবা মরুপশিংদুবু লোয়নবা হৌরকই। হৌবদগী হৌনা, ঐখোয় পুম্নমক লন্নাই অমদি খুন্নাইগী

ওইবা অহোংবদা, ঐখোয় ইশাগী তমশিনবগী অমদি খুন্নাই অদুদা সেবা তৌনবগী থৌদাং অদুবু ইখৌলাংনা লৌজদুনা, ইচংথৌনা শরুক য়ারিবশিংনি।

"ইচংথৌনা শরুক য়াবা অমা ওইবা" হায়বগী ৱাহন্থোক্তী মুন্না ৱাখল খন্থদুনা থবক তৌনিংবগী অনিংবা লৈবদুনি, ঐখোয়গী হোৎনবশিংদা অৱাবা থেংনরবসু খঙবা কন্না হোৎননবা, অমসুং খোঙথাং খুদিংমক্তা জ্ঞান ফঙনবা অমদি পানশিন্নবগী অনিংবা লৈজবদুনি। ইচংথৌনা শরুক য়ারিবা মীওই অমা হায়বসি কান্নবশিংদুবু ইচম চম্মনা করিসু তৌদনা লৌশিনবদু নত্তা অদুগী মহুত্তা চাওখৎপদা মশাখিংনা শরুক তম্বদুনি। ইচংথৌবা শরুক য়াবা অমা ওইনবা ৱাখলথোকপা অমদি থকসি খাসি লৈবা মরোমদোম থবক পায়খৎপদু তমশিনবা মথৌ তাই। নৈনশঙগী কোর্সশিংনা খুন্নাই শেমগৎপগী লেপ্তুনা চঙশিল্লিবা থবক অদুদা ইচংথৌবা শরুক য়াবশিং ওইনবগী ঐখোয়গী তৌবা ঙমবদু হেনগৎহনবদা মতেং পাংই।

মথক্কী পেরেগ্রাফশিংসিদা য়াওরিবা ৱাখল্লোনশিংসিগী মতাংদা মুন্না খন্থনবা ঐখোয় মিৎকুপ অমা লৌসি। শরুক অসিগী হৌগৎলকপদা হায়খিবগুম্না, Alejandra না ৱাখল্লোনশিংদুবু Beatrice না মদুগী মতাংদা খন্থনবা অমদি খন্না নৈনবদুদা শরুক তমলক্লবগী খুদোংচাবদু মতিকচানা পীদনা অমগী মথঙদা অমা লেপ্তুনা ইচম চম্না হেক্তা হায়খিদে। নখোয়না খন্থনবা খনবা য়াবদি - হায়রিবসি পেরেগ্রাফ খুদিংমকপু নখোয়গী কাংলুপতা খন্না নৈনবগী খুদোংচাবা ফঙথ্রবা অমসুং নশামক্লা ৱাখল্লোনশিংদুবু ফজনা ফোঙদোকপা তমশিল্লবা মতুংদা - শান্নরিবা ৱারী অদু Alejandra না রুহি নৈনশঙগী কোর্সশিংগী মতাংদা ৱাহৈ খরা হায়দুনা Beatrice পু বুক ১ নৈনবা য়াওনবা বার্ত্তোন তৌবা য়াবগী থাক অদু য়াওরব্রা হায়বদুনি। মখাদা পীরিবা অহাংবদুদা নহাক্লা নহাক্কী মফমদা লৈরম্লবদি নহাক্লা করি হায়গদগে? বুক ১ অমসুং ২ বু করম্না নহাক্লা শন্দোক্লা তাক্কনি অমসুং মখোয়না তৌনবা হায়রিবা সেবাগী থবকশিংদুবু করম্না শৈথাগনি? মথঙদা লাক্কদৌরিবা লাইরিকশিংদা পায়খৎকদবা সেবাগী থবকশিংবু শমলপ্পা পল্লম্থনা- অখন্ননা অঙাংশিংগী নুংগী ওইবা মহৈ মশিংগীদমক্তা শিল্লিবা ক্লাসশিং তাকপী তন্বীবা অমসুং নৌরিবা নহাশিংগী কাংলুপ অমবু মখোয়গী এনিমেটর অমা ওইনা লমজিংবীবা- শোইদনমক্কী তুংদা করি সেবা মহাক্লা তৌজবা য়াবগে হায়বগী মতাংদা অশানবা মিৎয়েং অমা Beatrice তা ফঙহনবদা মতেং ওইগনি। Beatrice পু বুক ১ নৈননবা Alejandra না বার্ত্তোন তৌবদা হাপখিবা য়াবা অদুগা মান্নবা মওংদা, মসিগী সেবাগী থবক অনীসিগী মতাংদা ৱাহৈ পরেং খরা ইবদা নখোয়গী কাংলুপকী ট্যুতর অদুনা মতেং পাংবীবা ঙমগনি।

## তরামাথোইশুবা শরুক

Alejandra না Sanchez কী যুমদা মথঙ উনবা চৎপা ঙমদ্রিঙৈদা চয়োল অনী হৌখ্রে। মদুগী মতমদুদা, Beatrice intensive campaign অমদা শরুক য়াবা ঙমলম্মী অমসুং বুক ১গী অহানবা যুনিৎ অনীদু লোইশিল্লম্মী। হৌজিক মহাক মরুপ মণ্ডা য়াওবা কাংলুপ অমদা অহুমশুবা যুনিৎ অদু চঙশিল্লি অমসুং মখোয় neighbourhood তা চয়োল অমদা অনীরক উনৈ। Sanchez কী ইমুঙদা লাইশোলগী হিরমগী মতাংদা ৰারী শান্নবা মতাং চাবা ওইগনি হায়না Alejandra না খঞ্জে অমসুং Beatrice তা মহাকপু মতেং পাংবা পামব্রা হায়না হঙই। নহাক নশামক্লা বুক ১গী অনীশুবা যুনিৎ অদু নৈনরবনি, অদুনা মফমসিদা উনবা চৎলুবদা Alejandra অমসুং Beatrice না নৈনখিবা হীরম অদু অমুক শমলপ্পা হায়বগী মথৌ তাদ্রে। যুনিৎ অদুবু হঙ্গৎনা অমুক য়েঙলবা মতুঙদা, মসিগী হীরম অসিগী মতাংদা খন্না নৈনবদা নহাক্না নৈনবা পান্বা মপুঙ ওইবা ৰাফমশিংদু ইথোকপা ঙমগদবনি। নহাক্কী ৰাখল্লোনশিংদু ইনবা মখাদা অহাংবা লৈরে।

## তরানিথোইশুবা শরুক

Alejandra না Sanchezকী ময়ুমদা উনবা চৎপদু চয়োল খরা মখা চথরম্মী, অমসুং মখোয়না লাইশোলগী মরুওইবগী মতাংদা শাংনা খন্না নৈনরকপদগী মহৌশানা মশিং য়াম্লবা ৱাফম কয়াগী মতাংদা খন্না নৈনবগী খুদোংচাবা অমা ফঙখি খুদম ওইনা - থৱায়গী পুন্সি, নুংগী ওইবা গুনশিং চাওখৎহনবা, তাইবং মপুগী আইনশিং অমসুং য়াথংশিংবু ইঞ্জবা অমসুং মহাক্কী নুংশিবদা খোঙফম চেৎপা-অসিগুম্বা হীরমশিংগী মতাংদা খন্না নৈনবা ঙমখি। তাঞ্জা মতাং অমদা, মখোয়না লৈঙাক পরিংগী (Administrative Order) সঙস্থানশিংগী মতাংদসু, অখন্ননা লোকেল অমদি নেস্নেল স্পিরিচুয়েল এসেমব্লিসশিংগী মতাংদা ৱারী খরসু শান্নে। মসিগী মতুং তারকপদা চৎখিবা উনবা খুদিংমক্তা নৈনখিবা ৱাফম অদু ঐখোয়না খন্নবা দরকার ওইদে। অদুমওইনমক, ঐখোয়না খন্নরিবা মওংগী থঙনা থঙননা লেপ্তুনা চঙশিনবা ৱারী ৱাতাইশিং অমদা শরুক য়ারিবশিংগী মরক্তা য়াম্না তোইনা থোরকপা অনীখক লৈ। অহানবনা খুন্নাই অদুনা পাঙথোক্লিবা মীফমশিং অদুগী মতাংদনি অমসুং অনীশুবা ৱাহং অদুনা শেলথুমগী ওইবা রিসোর্সশিংগা মরি লৈনৈ। মসিগী শরুক অসিদা ঐখোয়না অখন্ননা নুমিৎ তরামাপলনিগী চাকলেন অদুবু নৈনদুনা মীফমগী হীরম অসিবু নৈনগনি অমসুং শেলথুমগী ওইবদুনা মথঙগী শরুক্তা নৈনগনি।

অদুনা, মখাদা পীরিবা ৱাফমশিং অসিনা নুমিৎ তরামাপলনিগী চাকলেনগী হীরমগী মতাংদা ৱারী ৱাতাই শান্নবগী য়ুম্ফম অদু ওইবা য়াই :

- বাহা'ই খুন্নাইদা - লাইশোল তৌনবা, নৈননবা, অখন্নবা থৌদোকশিংবু মীয়ামগী ওইনা পাঙথোক্লকবা খুন্নাইগী থবক থৌরমশিং অমসুং খুন্নাইদা পাঙথোকপা সেবাগী মতাংদা ৱা- তান্ননবা, থবক্কী থৌরাংশিংবু খন্না নৈননবা - তোঙান তোঙানবা পান্দমশিংগীদমক্তা মীফমশিং শিল্লি। বাহা'উ'ল্লাহনা মখাগী ৱাশক অসি পীবিরম্মী:

**"ঐগী পুন্সি অমদি ঐগী মরমদা শাখিনি! তাইবং মপুগী মরুপশিংনা চঙনিংবা মফমদা চঙলবসু, অমসুং মখোয়না মপুবু থাগত্তুনা অমসুং শক শোন্দুনা মখোয়গী খোঞ্জেল অদুনা লাওরক্কদবা মফম অদুদা, অশেঙবা থাজরোইশিংগী থৱায়শিংনা অমসুং থৌজাল্লবা দুত পূম্নমকশিংনা কোইশিল্লগনি।"**[২৩]

- মরুপশিংগা পুন্না মীফমশিংদা তাইবং মপুগী ৱাহৈবু তাজবনা থম্মোয়শিংদা হরাও তয়ান্বা পুরকই অমসুং অপুনবগী লিপুনশিংবু হেন্না চেৎশিলহল্লি। বাহা'উ'ল্লাহনা ঐখোয়দা কন্না পুক্নিং থৌগৎপী:

**"লৈনিংবা লমদমদা লৈজরবসু মরুপশিংদুনা, মীফমশিংদা পুন্না পুনমিন্নবা, অমসুং মদুদা লৌশিং লৈনা অমসুং ৱাঙাং হৈনা ৱা- ঙাংবা, অমসুং তাইবং মপুগী শৈরেংশিংবু পাবা হায়বসি তৌফম থোকপা মথৌনি; মরমদি নুংশিবগী মৈরিবু চুখৎলিবা অমসুং মদুবু মৈচাকথোক্লা চাকহল্লিবসি তাইবং মপুগী ৱাহৈশিংননি।"**[২৪]

অব্দুল বাহানা ইবিরম্মী :

**"লৈবাক অদু অচুম্বগী মঙালনা ঙালহন্নবা অমসুং মদুগী লমদম অদুবু, শেঙলবা থৱায়না শোইদ্রে খঙহনবীরকপগী মতেংদগী খ্বাইদগী ফজরবা লাইরৈবাক ওইরক্লবা, মীফমশিং পাঙথোকউ অমসুং লাইরৈবাক্কী তম্বীরোলশিং অদু থিয়ু অমসুং শৈশকউ, মরমদি মসিগী চাক অসি পূম্নমক মশেক মঙাল লৈরবা মপুগী চহিচা অদুনি, অমসুং মীওইবা খুন্নাইগী মালেমগী অমত্তা ওইবগী নুংশিরবা শৈশক অদু নোংপোক অমসুং নোংচুপ শিন্নুংবদা লৈরিবা নাকোংশিংদা য়ৈররি।"**[২৫]

- বাহা'ইগী মীফম পূম্নমক্তগী নুমিৎ তরামাপলনিগী চাকলেন অখন্ননা পনবা য়াই। বাহা'ইগী থবান দা নুমিৎ ১৯না শাবা থা ১৯ লৈ, অমদি, লমদম খুদিংমক্তা, বাহা'উ'ল্লাহ মশামক্লা হায়রম্বগুম্না মসিগী মীফম অসিগীদমক্তা থা খুদিংগী বাহা'ইশিংনা পূন্না অমুক পুনমিন্নে :

**"তশেংনা, থা খুদিংগী ইশিংতনা সেবা তৌরবসু চাকলেন অমুক অমুক পাঙথোকপা হায়বসি নখোয় খুদিংমক্লা তৌফদ্রবা নথৌনি; মরমদি মালেমগী অমদি লাইরৈবাক্কী পান্বেশিংনা ওইরবসু থম্মোয়শিংবু পূন্না পুনশিন্নবা মপু মানা নোংদমক্লে।"**[২৬]

- নুমিৎ তরামাপলনিগী চাকলেনদা শরুক অহুম য়াওই। অহানবা শরুক অদু লাই খুরুম্বগী শরুকনি, মদুদা লাইশোলশিং অমসুং থাজবা অসিগী অশেঙবা খুৎ- ই- শিংদগী ৱারেংশিং পানৈ। অনীশুবা অদুনা মরুপশিংনা খুন্নাইদুগী ওইবা থবক থৌরমশিংগী মতাংদা খন্না- নৈনবা য়াওবা administrative কী শরুকনি। অহুমশুবা অদুনা মরুপশিংনা সমাজীক ওইনা উনবা শরুকনি।

- মখাদা পীরিবা অব্দুল- বাহাগী ৰাহৈশিং অসিদগী নুমিৎ তরামাপলনিগী চাকলেনদা লাই খুরুম্বগী শরুক অদুগী মরুওইবদুগী মতাংদা মমি অমা উবা ফঙই :

**“মতম কুইনদগী লৈরক্লবা মহৌশাগী ফজবগী হায়বা ইনবা থাজরবা মনাইশিং! মতমগী খোঙচৎ (cycle) খুদিংমক্তা অমসুং লাংওন খুদিংমক্তা, চাকলেন অসি চানবীরবনি অমসুং নুংশিরবনি, অমসুং তাইবং মপুবু নুংশিবশিংগী চানবা থৌরাং অমা তৌবসি য়াম্না থাগৎনিংঙাই ওইবা থবক অমনি হায়না লৌরবনি। মসিগী চাংদম্নবা ঙম্বগী ৰাংমদা লৈরবা লাংওনসিদদি, মসিগী চাক অসিগী মনুংদা খ্বাইদগী পুকচেল চাওরবা চাক অসিদদি, মসি তশেংনা অখন্ননা ওইররে, মসিবু য়াম্না ৰাংনা মীয়াম মাংদা থাগৎপীরে, মরমদি মসি তশেংনমক্কীসু তাইবং মপুবু নিংজনবা অমদি শকচ- শোঞ্জনবা শিনবা মীফমশিংগী মনুংদা অমা ওইনা লৌই। মীফমসিদা শেঙলবা শৈরেংশিং, লাইরমলেনগী ওইবা থাগৎপবশিং অমসুং শৈথাবশিং অদু শক শোনগনি, অমসুং থম্মোয় অদু থৰায় হাপ্পীগনি, অমসুং মশামক্তগী পুবিখিগনি।”**[২৭]

- চাকলেনগী administrative ওইবা শরুক্তা, মরুপশিংনা অরাপ্পা অমদি অনকপদা লৈবা বাহা’ই খুন্নাইগী থবক থৌরমশিংগী পাওদমশিং তাই, মখোয় মশাগী খুন্নাইদা ওইরিবা থাজবা অসিগী থৌরমশিংগী মরমদা খন্না নৈনদুনা মদুগী চাওখৎ খোঙথাংগী মতাংদা খন্থমিন্নৈ, তেংপানগী ৰায়েল লৈঙাকশঙদগী ফঙবা লমজিং লমতাকপু ময়াম খনমিন্নৈ, মখোয়গী থৌরাংশিংগী চাওখৎপদা মুন্না খন্থমিন্নৈ, অমসুং থাজবা অসিগী সঙস্থানশিংদা প্রস্তাবশিং পী। নুমিৎ তরামাপলনিগী চাকলেনদা ৰা- তান্নবসি খ্বাইদগী মরুওই, মরমদি মসিগী মতেংদগী, লন্নাই মীওই খুদিংমক্না মালেমদা লৈরিবা বাহা’ই খুন্নাইগী থবক থৌরমশিংদা শরুক য়াবা ঙমহল্লি।

- চাকলেনগী সমাজীক্কী ওইবা শরুক্কা মরি লৈননা হায়রবদা মসি মরুপ মপাং ওইবগী, অতিথিগী সেবাগী অমদি নুংশিবগী মতাংদনি। ইশৈ নোংমাই থাবা য়াই, নুংগী ওইবা থাক্তা ৰাংনা থাঙ্গৎপীবা ৰাঙাংশিং ঙাংবা য়াই, অঙাংশিংনা হৈজবশিং উৎপা য়াই। শম্না হায়রবদা, চেকশিন্না খনগৎলবা চিংলেম্বা অমসুং হরাও তয়াম্বা ওইনা চৎনবীগী ওইবা ফোংদোকপশিং অদুনা চাকলেন অসিগী মসিগী শরুক অসিগী মগুন হেনগৎহন্নবা শিজিন্নবা য়াই।

- নুমিৎ তরামাপলনিগী চাকলেন অসি থাজবা অসিগী Administrative Order গী মরুওইবা শক্তম অমনি। মসিনা খুন্নাইগী পুন্সি অদুগী লাই খুরুম্বগী, administrative কী, অমসুং সমাজীক্কী ওইবা ময়োলশিংদু পুন্না পুনশিল্লকই। মসিগী শক্তমশিং অসিবু মান্ননা মরুওইনা লৌগদবনি, মরমদি চাকলেনগী মায়পাকপা হায়বসি মসিগী পোৎলম অহুমশিবু চাং অমদা চুননা থন্বগী মখা পোল্লি। ইং ১৯৮৯গী অগষ্ট থাদা ইখিবা পাওজেল অমদা, তেংপানগী ৰায়েল লৈঙাকশঙনা অসুম্না হায়বীখি।

**“বাহা‘উ’ল্লাহগী মালেমগী পরিং (World Order) অসিনা মীওইবা খুন্নাইগী য়ুনিৎ পুম্নমকপু য়োমশিনবী; পুন্সিগী নুংগী ওইবা, লৈঙাকপগী ওইবা অমসুং খুন্নাইগী ওইবা লেপ্তুনা চঙশিল্লিবা থবকশিংদুবু পুন্না পুনশিনবী; অমদি মীওইবগী তোঙান তোঙানবা**

**মওংশিংদা ফোঙদোক্লিবা মীওইবগী ফোঙদোকপবু অনৌবা সভেত্য অমা শেমগৎপগী মায়কৈরোমদা ওনশিলহনখি। নুমিৎ তরামাপলনিগী চাকলেন অদুনা মসিগী শক্লোন পূম্নমক অসিবু খুন্নাইগী য়ুম্ফম অদুমক্তদা পুনশিল্লি। মসি বাহাগী মীওই পুম্বনা মেম্বর ওইবা খুঙ্গং, টাউন সহরদা থবক তৌরিবা সঙস্থান অমনি। মসি অপুনবা য়োকখৎনবা, চাওখৎপবু শোইহনদনবা, অমসুং হরাও তয়াম্ববু নাওয়োকপীনবা নিংই।”**[২৪]

• অসিগুম্বা মরুওইবা নুমিৎ তরামাপলনিগী চাকলেনগুম্বা থৌরম অসিবু হাথু হাথু পাঙথোকপা ঙমলোই। লন্নাই মীওই খুদিংমক্তা মশামকপু লাইশোল তৌদুনা অমদি ৰাখল মুন্না খন্থদুনা চাকলেনগীদমক্তা নুংগী ওইবা মওংদা মশা মশাবু শেম-শাজগদবনি, অমসুং থৌরম অদুগী মনুংদুমক্তসু, মীওই খুদিংমক্তা লাইশোল তৌবগী শরুক্তা পাবা নত্রগা থিরিবা ৰারেং অদুবু তাবা ওইরবসু; রিপোর্ট পীবা, লমজিং লমতাক ফঙজবা ওইরবসু, নত্রগা প্রস্তাবশিং থাঙ্গৎপা ওইরবসু; থৌরম অদুবু শিল্লিবা মীওই ওইরবসু নত্রগা হরাও তয়াম্বা অমসুং তরং তরংনা মহাক্কী সেবা অদুবু ইচম চম্না শরুক তমজবা ওইরবসু, মদুদা থৰায় হকচাং য়াওনা শরুক য়াগদবনি। নুমিৎ তরামাপলনিগী চাকলেনগী মতাংদা ইবা চপ মান্নবা চিঠি অদুদা, তেংপানগী অচুম্বা ৰায়েলশঙনা অসুম্না হায়বী :

**“চাকলেনগীদমক শেম শাবগী মরুওইবা শকলোনশিংদা চুনবা পানবা ৰারেং, পাবিনবা অফবা মীওই, মাংজৌননা, খন্দোকপা অমদি লাইশোলগী থৌরমদু উৎপদা নত্রগা হৌদোকপদা মীয়াম মমাঙদা চুনবা বেভার উৎপগী ৰাখল্লোন অমসু য়াওরি। মপান্দা নত্রগা মনুংদা ওইরবসু, চাকলেন পাঙথোক্কদৌরিবা মফমদুগী অকোয়বগী ফিভমদা মিৎয়েং চঙনা য়েংশিনবদুনা চাকলেন অদু য়াম্না চাওনা ইথিল পী। লু নানবা, মফম অদুবু প্রেক্টিকেল অমদি ফজবা মওংদা শিল্লাংবা-পূম্নমক অসিসু মরুওইবা শরুক অমনি। মতম চপচাবা হায়বসিসু য়াম্না ফজনা শেম-শাবগী পাম্বে অমনি।**

**“চাকলেনগী মায়পাকপসি শেম-শাবগী অমদি লন্নাই মীওইশিংনা শরুক য়াবগী মগুনগী মখা পোল্লি। নুংশিরবা মপুনা (Master) মখাগী পাওতাক অসি পীবিরম্মী : “নখোয়না নুমিৎ তরামাপলগী ওইনা পুনবা মীপুনশিং অদুদা কন্না পুক্লিং চঙগে, মদুদি মদুগী থৌরমশিং অদুদা মপুগী নুংশিরবশিং অমসুং মিনুংশি থৌজাল হৈরবা মহাক্কী মনাই নুপীশিংনা মখোয়গী মায়থোঙশিংদুবু লাইরৈবাকলোমদা ওনশিন্নবা, মপুগা ৰারী ৰাতাই শান্নদুনা শকচ-শোঞ্জনবা, অমসুং থম্মোয় শেঙবা অমসুং অশেঙবা ওইবদা হেন্না চাওখৎচনবা, অমদি মপুবু কিজবদা, অমসুং পুক্লিংগী অকনবা অপাম্বগী ৰাখল্লোনবু অমসুং মশাগীত্তা ওইবা ৰাখলবু থেঙনবদা হেনগৎলক্কবা। অসুম্না মখোয় মশানা মশাবু মসিগী পোৎলমগী মালেম অসিদগী খাইদোকচখিনবা, অমসুং থৱায়গী ওইবা কন্না হোৎনজবশিংদা মশামকপু লুপশিঞ্জখিনবা।”**[২৯]

মতমপুম্বদা তৌবগুম, নখোয়না মথক্কী ৰাখল্লোন অসি কয়ারক হন্না পাগদবনি অমসুং মদুবু নখোয়গী কাংলুপতা খন্না নৈনগদবনি মদুদি মদুবু মখোয়না লাইনা হায়বা তমশিন্নবা। মখাগী শাজেলশিং অসিনা নুমিৎ তরামাপলনিগী চাকলেনগী মরুওইবগী মতাংদা মখাতানা নুংঙ্গনজিনবা জ্ঞান ফঙহনবদা নখোয়বু মতেং পাঙগনি।

১. মপুবু থাগৎনবা অমসুং শকচ-শোঞ্জনবা ঐখোয়না পুল্লিবা মফম খুদিংমক অদু করিনা শকতাক্কনি হায়না বাহা'উ'ল্লাহনা থাজচবা পী ? ______

______

২. মথক্কী অনীশুবা লৌথোরকপা ৱারেং অদুদা, বাহা'উ'ল্লাহনা ঐখোয়দা হায়বী মদুদি, ঐখোয় পুন্না মীফমশিংগীদমক্তা পুল্লকপা মতমদা, ঐখোয়না ______ অমসুং ______ ৱা ঙাংগদবনি, অমসুং তাইবং মপুগী শৈরেংশিংবু পাগদবনি; মরমদি ______ অমসুং ______ তাইবং মপুগী ৱাহৈশিংননি।

৩. মথক্কী অহুমশুবা লৌথোরকপা ৱারেংদা, অব্দুল বাহানা মীফমশিং পাঙথোক্লবা অমসুং লাইরমলেনগী ওইবা তন্বীরোলশিংদুবু থিনবা অমদি শকচ-শোঞ্জনবা পাওতাক পীবি, মদুদি

- ঐখোয়না হিংলিবা লৈবাক অদু ______
- ঐখোয়না লৈরিবা লমদম অদুবু, ______

৪. বাহা'ইগী থবান্দা থা কয়া লৈবগে? ______

৫. থা অমমমদা নুমিৎ কয়ানি লৈবগে? ______

৬. থা অমগী মনুঙদা ৱাহা'ইশিংনা করম্বা অখন্নবা মীফম পাঙথোকপগে? ______

______

৭. নুমিৎ তরামাপলনিগী চাকলেনগী শরুক অহুম অদু করি করিনো?

______

______

৮. নুমিৎ তরামাপলনিগী চাকলেনগী শরুকশিংদু মথঙ মনাও অমদা হেক্তা পাঙথোকপ্রা?

______

৯. চাকলেনগী লাই খুরুম্বগী শরুক্তুগী পান্দম করিনো?

______

______

______

______

১০. চাকলেনগী administrative ওইবা শরুক্কী পান্দম করিনো?

______

______

______

______

১১. চাকলেনগী সমাজীক ওইবা শরুক্কী পান্দম করিনো?

______

______

______

______

১২. মখাগীশিং অসিদা চাকলেনগী administrative ওইবা শরুক্তা খন্না নৈনবদা চুনগদবদু করম করন্বনো?

- খুন্নাইগী পায়খৎলিবা থবকশিংগী শেলথুমগী দরকারশিং
- লৈবাক্কী ফুটবোল টিমগী পাঞ্জলগী মতাংদা
- খুন্নাই অদুগী মীওই অনীগী মরক্তা লৈরিবা য়ানদবদু করম্না কোকহনগদগে
- খুন্নাই অমদা চঙশিল্লিবা বাহা'ইগী ওইবা অঙাংগী ক্লাসশিংগী চাওখৎপা
- হৌখিবা চয়োলদা খুন্নাই অদুগী মীওই অমনা নৈনখিবা অইবশিংদগী লৌথোরকপা ৱারেং অমগী ৱাহন্থোক
- খুন্নাই অদুদা চঙশিল্লিবা নৌরিবা নহাশিংগী থৌরম অদুগী মশাখিংবা মতৌ
- নহাশিংগীদমক্তা লমদম অদুদা হাংদোরকলিবা থবক্কী খুদোংচাবশিং
- হেন্না হেন্না লুবা হেনজিল্লক্পবা নৌরিবা নহাশিংগী কাঙলুপশিংগী সেবাগী প্রোজেক্টশিংদা খুন্নাই অদুনা পীবা য়াবা শৌগৎপীবা
- ইন্সষ্টিট্যুতনা য়োকখৎলিবা মহৈ মশিংগী থৌরমশিংদা য়াওরিবা অঙাংশিং অমদি নৌরিবা নহাশিংগী মমা মপাশিং উনবা চৎপশিং
- খুন্নাই অদুগী লাইখুরুম্বগী মওং মতৌ অদুবু মপাঙ্গল কনখৎহনবা
- টেলিভিজনদা উৎলক্কদবা shows শিংদুগী মতম
- ষ্টদি সার্কলশিংদা য়োকখৎলিবা হরাও তয়াম্বা অমসুং থকশি খাসিগী ফিভম অমা য়োকখৎপগী মতাংদা ফঙলকলিবা নুংহুনজিনবা জ্ঞানশিং
- লাক্কদৌরিবা শেঙলবা নুমিৎপু করম্না হরাওনা পাঙথোক্কদগে
- খুন্নাই শেমগৎপগী লেপ্তুনা চথবা থবক অদুদগী থোরকপা সমাজীক্কী য়াইফনবা থবকশিং

১৩. মসিগী ৱাহংশিংসি নখোয়গী কাঙলুপ্তা খন্না নৈনৌ : চাকলেন অসিগী শরুক অহুম অদুবু চাং অমদা চুননা থন্বসি করিগীদমক্তা মরুওইরিবনো?

১৪. হৌজিক মখাদা পীরিবা ৱাহং অনীসি খন্ন- নৈনৌ।

ক. নহাক্না চাকলেন অদুগী মপু ওইরবদি নহাক্না করম্না মদুগীদমক শিল- লাংগদগে?

খ. নহাক্না চাকলেন অদুদা শরুক য়াবদমক ওইরবদি নহাক্না করম্না মদুগীদমক্তা শেম শাগদগে?

## তরাহুমদোইশুবা শরুক

থাজবা (লাইনিং) অসিগী মতাংদা ৱারী শান্নবা মতমদা য়াম্না তোইনা থোরকপা অনীশুবা ৱাহং অদুদি বাহা'ই খুন্নাইনা মখোয়গী শেলথুমগী দরকারশিংদু করম্না থেঙনবগে হায়বগী মতাংদনি। অসিগুম্বা খঙনিংনা হংলকপশিংদা পাওখুম নখোয়বু মতেং পাংবা য়াবা ৱাফম খরা মসিদা পীরি :

- বাহা'ই খুন্নাইনা মখোয়গী শেলথুমগী দরকারশিংদুবু য়েংশিন্নবা শিজিন্নরিবা খুৎলাই অদুদি বাহা'ই ফন্দনি। মসি খেন্ন- খেন্নবা থাকশিংদা লাইনিং অসিগী সঙস্থানশিংনা পান্নে : লমদমগী, লৈবাক্কী, মহাদেস, অমসুং অন্তর্জাতীগী থাকশিংদা। বাহা'ইশিংনা থাজে মদুদি মখোয়গী লাইনিংবু য়োকখৎনবগী হোৎনবশিংদা চঙবা চাশিংদু মখোয় মশামক্লা লৌজগদবনি, অমসুং মরমদুনা ফন্দ অদু খুন্নাই অদুগী মীওই ওইরবশিংদা কৎলকপা খক্তা লৌশিল্লি।

- ফন্দদা কৎপা হায়বসি য়ানিংনা মরোমদোম পাঙথোকচবা থবকনি। মসি অরোনবনি হায়বদি মসি লন্নাই মীওই অমদি লাইনিং অসিগী সঙস্থানশিংগী মরক্তা লৈনবা ৰাফম অমনি; খৎলক্লিবা মীশিংগী মমিং অমসুং পীরক্লিবা শেনফমশিংদু লাওথোক্তে।

- ঐখোয়না শেমগৎনবা হোৎনরিবা সভেত্যশি পোৎচাক অমদি নুংগী ওইবা অনীমক্তা ৰাত্ত- পাদবা অমা ওইগনি। লন- থুম হায়বসি অকক্লবা ফিভম খরা ওইরবা মতমদুতা লৌশিনবা য়াই। ঐখোয়না মদু পুকচেল শেঙনা শু নোন্নগা তানগদবনি। ঐখোয়না মদুবু মীওইবা খুন্নাইগী য়াইফনবগীদমক্তা চাদিং তৌগদবনি। অমসুং খুন্নাই অপুনববু চাওখৎহনগদবনি; মীওই খরখক্তনা কাহেন্না ইনাক খুল্লগা অয়ান্বনা পুন্সিগী চঙদ্রবা য়াদ্রবশিংদুফাওবা ফঙদনা লৈবা হায়বসি চৎনবা য়ারোই। বাহা'উ'ল্লাহনা ঐখোয়দা হায়বী :

- **''খ্বাইদগী ফবা মীওইবা হায়বদুদি মখোয়গী শিনফমনা হিংনবা শেল তাঞ্জদুনা মদুবু মালেমপুম্বশিংগী মপু ওইরিব, তাইবং মপুগী নুংশিবগীদমক্তা মখোয় মশাদা অমদি মখোয়গী মরি মতাশিংদা চাদিং তৌবা মীওইশিংদুনি।''৩০**

- **''...নখোয়না অফবা অমদি অঙকপা মহৈশিং পীথোক্কদবনি, মদুদি নখোয় নশামক্লা অমসুং অতোপ্পশিংনা মদুদগী কান্নবা ফঙজনবা। অদুনা মীপুম খুদিংমক্লা কালাশিং অমদি শিনফমশিংদা থৌ চিনবা হায়বসি শোইফদ্রবা মথৌ অমনি, মরমদি মদুদা লনথুমগী অরোবশিংদু লৈ, হে ভাব তাবগী মীওইশা!৩১**

অমসুং অব্দুল- বাহানা শন্দোক্লা তাকপী :

**''লনথুম হায়বসি মীয়াম পুম্বদু ইনাক খুনবা ওইরবকান্দা থাগৎপদা মতিক চাই। অদুমওইনমক, করিগুম্বা খরাখক্লা হায়ঙমদনা ইনাক খুল্লগা, লেমহৌরিবশিংদুনা লৈতা লাইরবা ওইরবদি, মদুগী লন থুম অদুদগী করিগুম্বা মহৈ নত্রগা কান্নবা অমত্তা ফঙদ্রবদি, মদুগী লানগী মপু ওইরিবা মীওই অদুগী খুদোংচাদনবগী মরম ওইরকই।''৩২**

- অরানবা ৰায়েল অমসুং অৰাবদগী নিংতম্বা খুন্নাই অমা শেন্নবগীদমক্তা, ঐখোয় পুম্নমক পুকচেল চাওগদবনি অমসুং পীগদবনি। ঐখোয়গী শেলথুমগী রিসোর্সশিংদু ফনা য়ামজদ্রবসু, ঐখোয়না মীওইবা খুন্নাইগী চাওখৎপদা করিগুম্বা খরা কৎচগদবনি, মরমদি তশেংবা ৰাত্ত- পাদবা হায়বসি পীবগী মতেংদনা ফঙবা ঙমগনি। পুকচেল চাওবা হায়বসি মীওইবগী থৰায়গী গুন অমনি; মদু ঐখোয়গী পোৎচাক্কী ওইবা ফিভমশিংদুগা করিমত্তা মরি লৈনদে। অথুপ্পা ৰারোলদা বাহা'উ'ল্লাহনা হায় :

**''পীথোকপা অমদি পুকচেল চাওবা হায়বসি ঐগী গুনশিংনি; মশামকপু ঐগী গুনশিং অসিনা লৈতেংলবা মহাক্তু য়াইফরবনি।''৩৩**

- ঐখোয়না নিংশিংগদবনি মদুদি ঐখোয়গী লৈজরিবা লন- থুম পুমনমক অসিগী তশেংবা হৌরকফম পুম্নমক থৌজাল হৈবা তাইবং মপুনি। মহাক্লা ঐখোয়দা চাওখৎপগী পান্বেশিং পীবি; মহাক্লা

ঐখোয়দা পীরিবা অদুগী শরুক খরদু মহাক্কী মরমদা চাদিং তৌরিবনি। অদুনা, বাহা'ইশিংগীদমক্তদি, ফন্দদা কৎপা হায়বসি ইচম চন্বা পুকচেল চাওবগী ৱাফম অমা নত্তে; মসি নুংগী ওইবা থৌজাল অমসুনি অমসুং চাওরবা লন্নাইগী থৌদাং অমনি। ঙাকশেলপুরেলনা ঐখোয়দা পাওতাক পীবি :

**"ঐখোয় খুদিংমক মদুনা লৈজরিবা পূন্নমক অদুবু লেপ্পা লৈতনা মশাবু হাংহঞ্জরিবা অমসুং শক উদবা হৌরকফম অমদগী লেপ্তুনা থলহল্লিবা ফাউনটেন নত্রগা ইফুৎ অমগুম ওইগদবনি। লাইরগনি হায়বগী অকিবা অদুনা নিংহন্নহনদনা অমসুং লান অমদি অফবা পূন্নমক্কী হৌরকফম ওইরিবা অদুগী শোইদ্রবা থৌজাল অদুদা থাজদুনা ঐখোয়গা হিংমিন্নরিবশিং অদুগী য়াইফনবগীদমক্তা লেপনাইদনা পীথোকচবা-চুম্না হিংবগী অরোনবা হায়বদু মসিনি।"**[৩৪]

মতাংসিদা খন্না নৈনরিবা ৱাখল্লোন খরা অমদি মথঙ মথঙ লৈরিবা তুংগী কোর্স অমদা হেন্না কুপথনা নৈনবগী খুদোংচাবা অমা ফঙগনি, মদুগী কোর্স অদুনা পোৎচাক্কী পাম্বৈশিং হায়বা হিরম অদু নৈনরি। হৌজিক্কী ওইনদি, মতম পূন্নমক্তা তৌবগুন্না, মথক্তা য়াওরিবা ৱাখল্লোন অসি অমমমতা ওইনা খন্না নৈননবা অমসুং মখাগী চাংয়েংশিং অসি পাঙথোক্লবা পুক্নিং থৌগৎচরি মদুদি নখোয়না ৱাখল্লোনশিংদুবু মহৌশাগী ওইবা মওংদা অমদি লাইনা ফোঙদোকপদু তমশিন্নবা :

১. লৌথোরকপা ৱারেংশিংদা য়ুম্ফম ওইদুনা, মখাদা পিরিবা ৱাহৈ পরেংশিংদা লৈরিবা অহাংবশিংসি মেনশিল্লু।

ক. বাহা'উ'ল্লাহনা ঐখোয়দা হায়বী মদুদি ঐখোয়না ঐখোয়গী শিনফমনা ____________ তাংগদবনি অমসুং মদুবু ____________________________________________

খ. ঐখোয়না ____________ অমদি ____________ মহৈশিং পীথোক্কদবনি, মদুদি ঐখোয় নশামক্না অমসুং অতোপ্পশিংনা ____________________________________________

গ. ঐখোয় খুদিংমক ____________ অমদি ____________ থৌ চিনগদবনি, মরমদি ____________________________________ মদুদা লৈ।

ঘ. অব্দুল-বাহানা শন্দোক্না তাকপী মদুদি লনথুম হায়বসি ________________ ইনাক খুনবা ওইরকান্দা____________________________________।

ঙ. করিগুম্বা ________________ হায়নিংঙম্বা ________________ , ________________________ ওইরবদি, মদুগী লন থুম অদুদগী নত্রগা ফঙদ্রবদি, লন অদু ____________________________________________ মরম ওইরকই।

চ. বাহা'উ'ল্লাহনা হায়, ____________ "অমদি ________________ হায়বসি ঐগী গুনশিংনি; মশামকপু ঐগী ____________________ অসিনা ________________ মহাক্তু য়াইফরবনি।"

ছ. অমসুং ঙাকশেলপুরেলনা ঐখোয়বু ________________________________ লেপ্পা লৈতনা ________________________ অমসুং ________________________ থলহল্লিবা ____________ নত্রগা ____________________ অমগুম ওইগদবনি।

জ. ____________ হায়বগী ________________________ অমসুং ________________________ থাজদুনা ঐখোয়গা হিংমিন্নরিবশিং অদুগী ________________________________ চুম্না হিংবগী অরোনবা হায়বদু মসিনি।

২.    মথক্কী ৰারোল অসিদা পীখিবা ৰাখল্লোনশিংগী মথঙ মনাও অদু ইবিয়ু :

## তরামরিশুবা শরুক

থবক থৌরমশিংনা মরাংকাইনা লৈরবা খুঙ্গং নত্রগা neighbourhood অমদা হাংদোরকপা য়াবা ৰারী ৰাতাইগী মখলশিংদুগী মতাংদা নুংহুনজিনবা জ্ঞানশিং ফঙনবা, নহা ওইরিবা বিশ্ববিদ্যলয়গী ছাত্রা ওইরিবা, Alejandroগী হোৎনবশিংদুবু ঐখোয়না য়েংদুনা লাক্লি। চয়োল কয়া অমগী মতমশিংদুদা, মথঙ মথঙ চথবা উনবা চৎপশিংদুদা, মহাক্না Sanchez অমসুং Mrs Sanchez না লাইনিং অসিগী মতাংদা লৈজরিবা মখোয়গী জ্ঞান অদুবু হেন্না লুথনা খঙহনবদা অমসুং মখোয়না য়াজরবা তন্বীরোলশিংদুদা মখোয়গী লৈজরিবা অচেৎপা থাজবা অদুবু কনখৎহনবদা মতেং পাঙগনি হায়না খঞ্জবা, হিরম কয়া অমা মখোয়গা লোয়ননা মহাক্না খন্না নৈনখ্রে। কোন্না মমৈথঙদা, মতাংদুদা Sanchezes কী মশুনুপী Beatrice লাকপদুনা, অতোপ্পা মখলগী ওইবা ৰারী ৰাতাইবু কুপ্না য়েংশিনবা ঙমহনখি, মসিগী ৰারী অসিদি নহা অনীগী মরক্তনি, মখোয় অনীমক মখোয়গী খুন্নাইশিংদুবু করম্না সেবা তৌবা ঙমগদগে হায়বগী মতাংদা তমশিনবা য়াম্না পামজৈ। ৰারীদু চঙশিনবদা অমসুং চাংয়েংশিংদুবু পাঙথোকপদা, ঐখোয়না উরে মদুদি, ঐখোয়না মতাংসিদা খন্নরিবা ৰারী ৰাতাইশিং অসি মখাতানা তুংকোইনা চত্থবদা, মরি লৈনবা হিরমশিংগী মতাংদা হেন্না হেন্না জ্ঞান লৈরকপগী মথক্তা, অকক্নবা নুংগী ওইবা গুনশিং, ৰাখল্লোনশিং অমসুং হৈশিংবশিংসু দরকার ওই।

য়ুনিৎ অসিগী মসিগী শরুক অমদি মথঙগী শরুক্তা ঐখোয়না খেন্নবা মখলগী ওইবা হিরমশিং কুপ্না নৈনগনি- হায়বদি, নৈনশঙনা (institute না) য়োকখৎপা মহৈ মশিংগী ওইবা থৌরমশিংদা শরুক য়ারকলিবা নহা ওইরিবশিংদুগী ইমুঙ মনুংশিংদা উনবা চৎলুবদা মহৌশানা পায়খৎপা খন্না নৈনবশিংদুদা খন্নবা হীরমশিং নৈনগনি। হান্নমা হায়খ্রবগুম্না, অঙাংশিংগী ক্লাসশিংবু তাকপীবা অমসুং এনিমেটর অমা ওইনা নৌরিবা নহাশিংগী কাঙলুপ অমবু লমজিং লমতাকপীবা হায়বসি মখাতাবা লাক্কদৌরিবা মথঙগী কোর্সশিংদা, হায়বদি বুক ৩ অমদি ৫ তা

মথঙশিংনা নৈনরি। মসিগী থৌরমশিং অসি নখোয়না চহি নৌরিঙৈদা নশামক য়াওখ্রব্রা নত্রগা য়াওদ্রব্রা হায়বগী মতুং ইন্না, মসিগী থৌরম অনীসিগী মতাংদা খঙলম্বা নত্রগা খঙলমদবা য়াই।

অহানবদা, নৌরিবা নহাশিংগী ইমুঙ মনুংগা শান্নবা লেপ্তুনা চত্থবা ৰারী ৰাতাই অমগী য়ুন্ফম য়াম তোইনা ওইরিবা অদুদা য়াওরিবদু য়েঙশি। ঐখোয়না ঐখোয়গী ৰারীদু থমলম্বা অদুদগী মতম খরা হৌখ্রে হায়না খনসি অমদি Beatrice হৌজিক বুক ২ নৈনরি। Alejandra না মহাক্কী মরুপতা মহাক্কী মতেংগা লোয়ননা কাংলুপ অমা শেমগদৌরিবা মশিং য়াম্লবা নৌরিবা নহাশিংগী ইমুঙ মনুংশিং উনবা চৎপদা চৎমিন্নরুবা য়াব্রা হায়না হংলম্মী। মহাক্ক া থৰায় য়াওনা য়ারম্মী।

Alejandra না করি ওইথোকপা য়াবগে হায়না মহাক্কা খল্লিবদু Beatriceতা শন্দোক্না তাকলম্মী। “ঐখোয়না উনবা চৎপা খুদিংমক” মহাক্না মঙোন্দা খঙহল্লি, “মমা মপাশিংবু মখোয়গী মচানুপা নত্রগা মচানুপীনা য়াওনিংবা উখোক্লবা থৌরম অদুবু খঙহন্দুনা হৌদোক্কনি অমসুং মদু neighbourhood পু মাঙলোমদা চঙশিন্নবগী খুন্নাই-শেমগৎপগী লেপ্তুনা চঙশিনবা থবক্কী শরুক অমনি হায়নসু হায়গনি। মদুগী মথঙদা ঐখোয়না মখোয়গা লোয়ননা থৌরম অদুগী খ্বাইদগী মরুওইবা ৰাখল্লোনশিং অমদি থাজবশিংদু মখোয়গা লোয়ননা কুপ্না নৈনগনি। মসি থঙনা থঙননা চত্থগদবা উনবশিংগী মনুংদা অহানবা ওইগনি, অমসুং ঐখোয়গী আসাদি মসিনি মদুদি, মতমগী মতুং ইন্না ৰারী-ৰাতাই অদুনা খুমাঙচাওশিল্লকপগা লোয়ননা, ইমুঙ অদুনা মওং কয়া অমদা কাঙলুপ অদুবু ইচংথৌনা শৌগৎলকপদা নত্তনা খুন্নাই অদুদা নৌরিবা নহাশিংবু নুংগী ওইনা শক্তি হাপনবগী থৌরম অদুবু শৌগৎপশিংসু ওইরক্কনি।”

Alejandra অমসুং Beatrice না মখাতানা ইমুঙ খুদিংমক্কা খন্না নৈনরুগনি হায়না থৌরাংলিবা ৰাফম খরদু খন্না নৈনরম্মী। মখোয়না অহানবা উনবা চৎপদা ৰাখল্লোন খরতমক নৈনবা ঙমগনি অমদি লেমহৌরিবশিং অদুনা মথঙগী ৰারী ৰাতাইদা নৈনগনি হায়বদু মখোয়না খঙদুনা, মখোয়না মরুওই হায়না খনবা ৰাখল্লোন পুন্নমকশিংদু ইশিন্নবা ৰারেপ লৌ। মফমসিদা নৌরিবা নহাশিংদা লোত্তুনা য়াওরিবা পাঙ্গল শক্তিশিং অদুগী মতাংদা মথঙ মথঙ পল্লি :

- লন্নাই মীওই অমগী পুন্সিদা, চহি ১২ অমদি ১৫গী মরক্তা লৈরিবা চহিশিং অসি খ্বাইদগী মরুওইবা তাঙ্কক অমনি-মসি তাঙ্ককনাইনা অঙাং ওইরম্বদগী মপুং মরৈ ফারকপদু তম্না চঙশিনবগী থাক অদুনি।
- অয়াম্বা মতমদা ঐখোয়না মসিগী চহি কাঙলুপ অসিদা লৈরিবশিংবু “নৌরিবা নহাশিং” হায়না খঙনৈ। মখোয়শিং অসি মখাতানা অঙাং ওইদ্রে অদুবু মপুঙফাবা মওংদা নহা ওইবগী থাকসু য়ৌদ্রি।
- লাইবক থিবদি, অরানবা ৰাখল্লোনদি ওইবা অদুবু পাকশন্না মীয়ামলক্তা শন্দোক্তুনা লৈবা খল্লক খল্লকপদু হেক্তা তৌবা, হায়বা ইন্দবা, মশাগী তাইবংদা অদুম লুপ্তুনা লৈজবা অমসুং মতম পুন্বদা খমথেঙবা অৰাবা ফিভমদা তাবগী খুদোংথিবা লৈবগী শক্তম অমা নৌরিবা নহাশিংগী মতাংদা লৈরি। অদুমওইনমক, ঐখোয়না মখোয়বু অতোপ্পা মিৎয়েং অমদা উজে। মসি অচুম্বনি মদুদি, মসিগী পুন্সিগী তেল্লবা তাঙ্কক অসিদা, ঐখোয় পুন্নমক য়াম্না থুনা য়াঙনা হকচাংগী ওইনা, পুক্নিং অকনবা ইথিলগী ওইনা অমসুং ৰাখলগী ওইনা হোংবদু থেঙনৈ। অদুবু, তশেংবগীদি, মসি য়াম্না চাওনা শক্তি লোত্তুনা লৈবা অমসুং থোইদোক হেন্দোকপা ওইবা য়াবগী চাওরবা আসা লৈজবা চহি মতাং অমনি।

- ঐখোয় ইশামকশিংসু নৌরিবা নহাশিং ওইখিবা কুইদ্রি অমসুং মসিগী অহোংবশিংসিনা করম্না ঐখোয়বু চৈথেঙ পীখিবগে হায়বদু নিংশিংলি করিগুম্বা মতমশিংদা ঐখোয় থৌনা য়াম্না লৈ অমসুং করিগুম্বা মতমশিংদা য়াম্না কিথি কিরুম ফাওই। করিগুম্বা মতমশিংদা ঐখোয় ইরাই লাইনা ময়ামগা হরাও হরাও পুল্লি অমসুং অতোপ্পা মতমশিংদনা ইকাইজবা ফাওই। অয়াম্বা মতমদা ঐখোয় ইথন্তা লৈনিংই হায়না হায়, অদুবু মীনা খঙবীবসু পাম্মী। ঐখোয় করি করি থবকশিংদা হৈবগে হায়বসু ঐখোয়না ভাব তানিংই অমসুং ঐখোয়গী করি হৈথোই শিংথোইবশিং অমসুং তৌবা ঙম্বশিং লৈবগে হায়বসু খঙনিংই। অমসুং ঐখোয়বু অতোপ্পশিংনা করম্না য়েংবীবগে অমদি ঐখোয়গী ৱাখল্লোনশিংগী মতাংদা মখোয়না করি খনবগে হায়বদু ঐখোয়দা য়াম্না মরুওই।
- খঙজিনবদা মরুওইরিবসি করিনো হায়বদা মসিনি মদুদি মসিগুম্বা লিচৎ-শাজৎ অসি মতম খরা খরতগীনি হায়বসি। মীওইবা অমগী পুন্সিদা পুক্নিং ৱাখলগী অকক্নবা শক্তিশিংনা থুনা য়াঙনা চাওখৎলিবসি মসিগী চহিশিং অসিগী মনুংদনি। ঐখোয়না হিংলিবা মহিং অসিগী য়ুম্ফম ওইবা ৱাহংশিংগী মতাংদা পাওখুমশিং থিবা হৌই। ঐখোয়গী অকোয়বদা থোকলিবশিংদু ঐখোয়না কুপ্না নৈনবা হৌই অমসুং ঐখোয়দা তাকপীরকখিবা অয়াম্বশিংদু ৱাহং হংবা হৌরকই। অমসুং অহলশিংনা হান্না তৌ হায়বদা খুদক্তা য়ারম্বা অদুগুম্বা হৌজিক য়ানিংবা ওইদে, মসি অখন্ননা মখোয়গী ৱাহৈ অমদি থবকশিংগী মরক্তা চয়েৎনবা উরক্লবা মতমদা অমুক্তা হেল্লি।
- মখোয়গী থোরক্লিবা শক্তিশিংদুবু মহৈ য়ানবা মওংদা শিজিন্নহনবদা নৌরিবা নহাশিংবু মতেং পাঙবীগদবা ওইরবদি, মখোয়বু অঙাংগুম্না লোয়নবা তোকপসি মথৌ তাই। মসিগী তাঙ্কক অসিবু অব্দুল-বাহানা অসুম্না শৈথারি :

**"মতম অমগী মতুংদা মহাক্না নহাগী তাঙ্কক অদুদা চঙশিল্লম্মী, মতম অসিদা মহাক্কী হান্নগী ফিভমশিং অদুবু মহাক্কী খুমাঙ চাওশিনবগী থাক (degree) অদুদা পানশিনবা য়াবা অনৌবা দরকারশিংনা মহুৎ শিল্লম্মী। মহাক্কী মশাদা হান্নদগী য়াওজরবা কুপ্না য়েঙশিনবগী শক্তিশিং (faculties of observation) অদু পাকথোক চাওথোকলম্মী অমসুং হেন্না য়ৌশিল্লম্মী; মহাক্কী ৱাখল-লৌশিংগী তৌবা ঙম্বশিং অদু শিন্দমবীরম্মী অমসুং হেন্না লুথনা য়ৌশিনবা ওইরকলম্মী; অঙাং ওইরিঙৈগী ঙমখৈশিং অমসুং অকোয়বগী ফিভমশিং অদুনা মখাতানা মহাক্কী পাঙ্গল শক্তিশিং অমসুং মায়পাকপশিং অদুবু ঙমখৈ নাইহনবা তৌদ্রে।"৩৫**

- বাহা'ইগী থাজবা অসিবু লৈঙাকলিবা সঙস্থান ওইরিবা, মালেমগী ৱায়েল লৈঙাকশঙনা ঐখোয়না নৌরিবা নহাশিংগা লোয়ননা থবক তৌবদা চঙশিল্লিবা মওং অসিগী মতাংদা অসুম্না হায়বী :

**"মালেমগী ওইবা ট্রেন্দশিংনা মসিগী চহি কাঙলুপ অসিবু প্রোব্লেমেটিক ওইবা, হকচাং অমসুং পুক্নিংগী অকনবা ইথিল ওইবা চমম্লবা অহোংবা অমগী অকনবা চৈনা অমদা লক্ষ্যাংনরবা, হায়বদা তাগনদবা অমসুং মশাগী ওইবা ৱাখলতনা য়োল্লবা ওইবগী শক্তম (image) অমা উথোক্লবসু, বাহা'ই খুন্নাই অসিনা - মখোয়না শিজিন্নরিবা লোন্দা অমসুং মখোয়না চৎনরিবা খোঙজংশিংদা - মদুগী ওন্না তৈনবা মাইকৈ অমদা চঙশিল্লম্মী, মালেম্না উথোক্লিবা image অসিগী মহুত্তা নৌরিবা নহাশিংদা মশাগী খন্দনা অফবা তৌথোকপা, অচুম্বা ৱায়েলগী অকনবা ইথিল অমা লৈজবা, স্বারজগৎ অসিগী মতাংদা তমশিন্নিংবগী খৌরাংবা অমসুং হেন্না ফবা মালেম অমবু শেমগৎপদা শরুক তমনিংবগী অপাম্বা অমা মখোয়শিংদা উরম্মী।"৩৬**

Alejandra অমসুং Beatrice না মথওদা মখোয়না নুংগী ওইবা শক্তি হাপনবগী থৌরম অদুমক্তা মিৎয়েং চওলম্মী অমসুং মদুগী শক্তম খরা মশক খওদোক্লবা হোৎনৈ;

- চহি ১২ অমদি ১৫গী মরক্তা লৈবশিংদুদি মখোয়না মখোয়গী ৱাখলশিংবু পাওদম্বা ঙস্বা, প্রোজেক্টশিংদা থবক তৌমিন্নবা, মশান্নশিং শান্নবা, অমসুং অতোপ্পা কয়া অমা তৌমিন্নবা য়াবা মরুপশিংগী কাঙলুপ অমদা য়াওজবা পামজৈ। মরম অসিগীদমক্তনি, থৌরম অসি "নৌরিবা নহাশিংগী কাঙলুপ" অমা হায়বগী ৱাখল্লোন অসিদা শেমগৎলিবসি। কাঙলুপ খুদিংমক "এনিমেটর" অমনা লমজিং লমতাকই, অয়াম্বা মতমদা মসিগী মীওই অসি মখোয়দগী চহি খরা হেন্না য়াম্লবা নহা অমনা, নহাশিংদুগী অশেঙবা মরুপ অমা ওইনা, মখোয়গী তৌবা ঙম্বশিংদু চাওখৎহনবদা মখোয়বু তেংবাংবী।
- কাঙলুপশিংনা চাংনাইনা উন্নে। মখোয়গী মীফমশিংদা, নৌরিবা নহাশিংনা ৱাখল্লোনশিংবু কুপ্পা নৈনবা অমসুং থিংলক্কনি নত্রগা নোকনবিগনি হায়বগী অকীবা য়াওদনা তৌনিংলিবা ৱাখল্লোনশিংদুবু ফোঙদোকচবা তমজৈ। মখোয়বু তানবা, ৱা- ঙাংনবা, মুন্না খন্নবা, কুপ্পা মচাখাইনা নৈননবা, ৱারেপশিং লৌনবা, অমসুং মদুবু থবক্তা ওন্থোক্লবা পুক্নিং থৌগৎপী।
- ঐখোয় হৌজিক নৌরিবা নহাশিংনা খনবা অমদি চৎলিবা লিচৎশিংবু চৈথেঙ পীবা ফত্তবা শাফু কয়া অমা লৈরবা মতম অমদা হিংলি। এনিমেটরশিংনা মখোয়বু মসিগী শাফুশিংসিবু থেঙননবা মতেং পাঙবী - খুন্নাইগী লিচৎ শাজত্তা পথ- পুমথরক্লিবা অদুদগী মশাবু ঙাকথোকচবতা নত্তনা মালেমগী নুঙাই য়াইফনবগীদমক্তা থবক তৌনবা মতেং পাংবী।
- থৌরম অসিনা মীওইবগী থৱায়দা হান্নদগী য়াওজরক্লবা শক্তিশিং অদুবু নাওয়োক্লবা হোৎনৈ, হায়রিবা শক্তিশিং অসি ইনখৎলকপগী অঙানবা মতমদুদা হেন্না হেন্না পাকচাওবা থাকশিংদা ফোঙদোরকপা হৌরকই। অখন্নবা মরুওইবা শক্তিশিংদি ৱাখল অমসুং ফোঙদোকপগী শক্তিশিং অসিনি। নহা ওইরিবা মীওইশিংনা মালেম অসিগী মতাংদা য়াম্না ৱাহন্থোক লৈবা অরুবা ৱাখল্লোনশিং ফোঙদোক্লবা অমসুং মদুবু মখোয়না করম্বা মওংদা হোংবা উবা পাম্বগে হায়বদু হায়জবা অনীমক্তা দরকার ওইবা লোন অদু চাওখৎহনগদবনি।
- নৌরিবা নহাশিং অসি পান্দম লৈবা পুন্সি অমগীদমক য়ুম্ফম ওইবা ৱাখল্লোনশিংদুগী ৱাহন্থোক্কী মতাংদা মুন্না খন্থনিংবগী ইখৌলাংবা লৈজৈ। নুঙাইবা, আসা, অমসুং থোইদোক হেন্দোকপা হায়বসি খুদম খরনি। লাইবকথিবদি মীয়াম্না অয়াম্বা মতমদা মসিগী ৱাখল্লোনশিংসিগী মতাংদা ইচম চম্বা মওংশিংদা ঙাংনৈ। অসিগুম্বা ৱাখল্লোনশিং অসি করম্না নুমিৎ খুদিংগী পুন্সিদা ফোঙদোরকপগে হায়বদু খঙজদুনা ফজনা ভাব তাজবা অমা ফঙজবসিনা, নৌরিবা নহাশিংনা সাউন্দ মোরেল ষ্টকচর অমা শেমগৎপা ঙমগনি অমসুং খুন্নাইগী ফত্তবা শাফুশিংবু থেঙনবা ঙমগনি।
- ৱাখল্লোনশিংবু ভাব তাবা হায়বসি ৱাখল- লৌশিং চাওখৎহনবদা মরুওই। য়ুম্ফম ওইরিবা ৱাখল্লোনশিং অদুবু মতিকচানা ভাব তাহন্নবা মতিকচাবা মতেং ফঙহনদনা, খেন্ন- খেন্নবা হিরমশিংগী মতাংদা পাকচাওরবা information অমা তমশিন্নবা মখোয়দগী আসা থমলকপদুনা মরম ওইদুনা নৌরিবা নহাশিংনা করিগুম্বা মতমদা মহে তমফমশঙদা অৱাবা থেঙনবা য়াই। থৌরম অসিনা ৱাখল্লোনশিংগী মতাংদা- লমচৎ শাজৎকী, mathematical, বিজ্ঞানিক অমসুং অতৈ অতৈ- মুন্না মমুত্তানা খন্থনবা মখোয়বু থৱায় হাপ্পী অমসুং মসিনা মমৈথঙদা স্কুলদা মখোয়গী performance অদু হেন্না ফগৎহল্লি।

- নৌরিবা নহাশিংদা পোৎশিংগী ৱাহন্থোক খঙনিংবগী অখন্নবা অপান্বা য়াওজে। মখোয়গী অকোয়বদা থোক্লিবা অদুগীদমক্তা লৈরিবা মরমশিংদু মখোয়না খঙজবা পান্মী। মায়পাক্লবগীদমক্তা, মখোয়গী হকচাংগী ওইবা মিৎশিংদুনা উবা ঙমজবতা নত্তনা মখোয়গী থৱায়গী মিৎ অদুনসু উজগদবনি। অদুনা, থৌরম অসিগী মরুওইবা পান্দম অমদি নুংগী ওইবা লৌশিনবা ঙন্বা- হায়বদি নুংগী ওইবা শাফুশিংবু শকখঙজবা ঙন্বগী তৌবা ঙন্বা অমসুং থেঙনরিবা হীরমশিংদুগী নুংগী ওইৎবা চৎনপথাপ অদুবু মশক খঙদোকপা- অসিবু হেন্না মপাঙ্গল কনখৎহনবনি।
- থৌরম অসিনা মদুগী তোঙান তোঙানবা পান্দমশিং- লমচৎ শাজৎশিং, নুংগী ওইবা লৌশিনবা, অমসুং ফোঙদোকপগী শক্তিশিংবু চাওখৎহন্নবগী- অদু মথঙ মথঙ লৈরিবা লাইরিকশিংগী মতেংদগী মায়পাক্লা ফঙবা ঙমজে। লাইরিকশিংদুদা মালেমগী খেন্ন- খেন্নবা মফমশিংদা লৈরিবা নহা ওইরিবা মীওইশিংগী পুন্সিগী ইচম চন্বা ৱারীশিং য়াওরি। মসিগী লাইরিকশিং অসিবু পূন্না নৈনমিন্নবা, মদুদা য়াওরিবদুবু খন্না নৈনবা অমসুং দরকার তাবা চাংয়েংশিং অদুবু মপুঙফানা লোইশিনবদগী হেন্দোক্তুনা, নৌরিবা নহাশিংনা মশান্নশিংদা শরুক য়াই অমসুং কালাশিং অমসুং খুৎনা শেন্নগী কালাশিংসু তমশিল্লি।
- এনিমেটরশিংগী মতেংগা লোয়ননা, কাঙলুপশিংনা মথঙ মথঙ চথবা সেবাগী প্রোজেক্টশিংগী শেন্মী অমসুং পাঙথোকই, মসি থৌরম য়াম্না চাওবা পোৎলম অমনি। মসিগী প্রোজেক্টশিং অসিগী মতেংদগী, নৌরিবা নহাশিংনা খুন্নাই অদুগী মতাংদা অমসুং মদুগী দরকারশিংগী মতাংদা খনবা, মদুগী মতাংদা -ৱা- তান্নবা, অমসুং মখোয় মশেলগী মরক্তা অমসুং খুন্নাই অদুদা লৈরিবা অতোপ্পশিংগী পূন্না থবক তৌমিন্নবা তমশিল্লি।
- লাইরিকশিংদুদা য়াওরিবা হীরমশিংদু মখল মথেল য়াম্মী; হীরম অমমমনা নৌরিবা নহাশিংবু নুংগী ওইনা শক্তি হাপ্পীবদা চঙদ্রবা য়াদ্রবা হীরম অমদা মিৎয়েং থন্মী। অহানবা লাইরিক অদুনা, খুদম অমা ওইনা, "শোইদ্রে খঙহনবীরকপা" হায়বা ৱাখল্লোনগী মতাংদা নৈনৈ- হায়বদি ঐখোয়না চিংলেম্বা পান্দমশিংদু ফঙনবা হোৎনবা মতমদা তাইবং মপুনা শোইদ্রে খঙহনবিরকই। অতোপ্পা লাইরিক অমনা "আসাগী" মতাংদনি- করম্না ঐখোয়না তুংদা লাক্কদবা মতমশিংদা খ্বাইদগী ৱারবা মতমশিংদসু আসাগা লোয়ননা য়েংঙগদগে। অতোপ্পা লাইরিক অমনা অমুক "থোইদোক হেন্দোকপগী" ৱাখল্লোনবু কুপ্পা নৈনৈ। লাইরিকশিংগী মনুঙদা লাইরিক অমনা পারিংনাইবা পুক্লিং ৱাখলগী হৈনবীশিংবু কুপ্পা য়েঙশিল্লি। বিজ্ঞানগী মতাংদদি, ফিসিকেল, পুক্লিং ৱাখল, অমসুং নুংগী ওইবা হকশেলবু চেকশিন্না থন্বদা মিৎয়েং চঙবা লাইরিক অমা য়াওরি। অমসুং নৌরিবা নহাশিংনা মসিগী চহি অহুমশিদা নৈনবা অতোপ্পা লাইরক তরানিথোইদগী হেন্না লৈরি।

লাইরিকশিংদু মমা মপাশিংনা য়েংজবা পান্নবদি য়েংজবা য়ানবা, Alejandra অমসুং Beatrice না লাইরিক খরা পুনবা থৌরাং তৌরন্মী। নখোয়না লাইরিকশিংদুগী মতাংদা ফজনা খঙদ্রবদি, নখোয়না ওইথোকপা য়ারিবমখৈ ৱারী কয়া অমা পাশিন্নবা মতম খরা লৌবদু কান্নগনি- মসিনা খুন্নাই অদুদা হাংদোরক্লিবা মখল মথেল কয়াগী ৱারী ৱাতাইশিং অদুবু হেন্না খঙবা ঙমহনগনি। মরক অসিদা, নখোয়বু মথক্তা পীথ্রিবা ৱাখল্লোনশিং অসি - মসিগী ৱাখল্লোন অসি বুক ৫তা হেন্না মচাখাইনা নৈনরি- নখোয়গী কাংলুপতা অতোপ্পা শরুক য়ারিবশিংদুগা লোয়ননা ফজনা খন্না নৈননবা পুক্লিং থৌগৎলি। করিগুম্বা, লাইরিক অদুবু নৈনরবা মতুংদা, নহাক্না নৌরিবা কাংলুপ অমগী এনিমেটর অমা ওইনা থবক তৌথোক্কে হায়না লেপলবদি, নহাক্না পরিং পথাপ নাইনা মদুদা য়াওরিবা নহাশিংদুগী ইমুঙ মনুংশিংদা উনবা চৎকনি অমসুং মখোয়গা লোয়ননা মসিগী ৱাখল্লোনশিং অমদি মসিগা মান্নবা ৱাখল্লোনশিং

অসি কুপ্পা নৈনগনি। অদুবু হৌজিকশু, Beatrice কুম্না, হান্না খঙহৈরবা মীওই অমগা লোয়ননা নখোয়গী খুন্নাইদা লৈরিবা নৌরিবা নহাশিংগী ইমুঙ মনুঙশিংদা উনবা খরা চৎপদা লোয়নরুবা।

**তরামঙাশুবা শরুক**

মথঙগী নুমিত্তা, Alejandra অমসুং Beatrice না neighbourhood তা শেমখিবা অনৌবা কাঙলুপ অদুদা শরুক য়াগদৌরিবা নৌরিবা নহা অহুমগী ময়ুমশিংদা চৎলম্মী। নুংগী ওইনা পাঙ্গল হাপনবগী ৱারী ৱাতাই অদুদা মমা মপাশিংনা থৱায় য়াওনা শরুক য়াবদু উজবদা Beatrice হরাওজে। নুংথিলগী মতম লোইশিল্লক্লবদা, মহাক্না থাজরম্মী মদুদি মহাক্না Alejandra বু নৌরিবা নহাশিংগী কাঙলুপ অদু পান্নবদা মতেঙ পাঙবা পামজৈ অমসুং মহাক মশামক অনৌবা কাঙলুপ অমগী এনিমেটর অমা ওইনা সেবা তৌবা তমশিনবা পামজৈ, মসি চহি অমগী মনুংদা ওইবা য়াই। মহাক্না তশেংনা খঙলকই, মদুদি মসিগী মতমসিগী মনুংদা মহাক্না লোইশিনগদবা লাইরিক খরসু লৈরি। অদুবু হৌজিকফাওবদা অসি য়ৌনা মহাকপু পুবিরক্লবা লেপ্পুনা চঙশিনবা তাস্থা অদুদা লাইরিকশিংদু মহাক্না মখাতানা চঙশিনগে হায়না লেপলে।

অদুনা অসুম্না তৌদুনা, Alejandro গী লেপ্পুবা মতেঙ অমসুং পুক্নিং থৌগৎপীবদগী, Beatrice না সেবাগী লম্বীদা মাংলোমদা চঙশিল্লম্মী। অদুনা, ঐখোয় মহাক্কী ৱারী অসি অমুক মখা চথসি, থা খরগী মতুংদা, মহাক বুক ৩ লোইগদৌরে। মহাক্কী ষ্টদি সার্কলগী ট্যুতরনা অঙাংশিংগী ক্লাসকী ওজা ওইরিবা Maribel দা, Beatrice অমসুং মহাক্না শরুক য়ামিন্নরিবশিংদু মহাকপু লোয়নবীনবা বার্ত্তোন তৌনবা হায়রকলম্মী, মখোয়না গ্রেদ ১গী নৌনা হৌদোকখিবা ক্লাস অদুগী অঙাংশিংদুগী মমা মপাশিং উনবা চৎপশিংদা থঙনা থঙননা য়াওনবা। বুক ৩ নৈনরুবদগী Beatrice না য়াম্না তমশিঞ্জরে হায়না খঞ্জে। অমসুং Alejandra না মঙোন্দা কয়ারক পল্লকপদগী মহাক্না খঙলে মদুদি লাইৎরক অদুদগী ফঙলক্লিবা নুংহুনজিনবা জ্ঞানশিং অদুনা এনিমেটর অমা ওইনা সেবা তৌনবগী মহাক্কী তৌবা ঙম্বদু হেনগৎহল্লগনি।

মখোয়না পুন্না পুল্লকপা মতমদা, Maribel না Beatrice তা ইমাগী মমা উনবা চৎলুসি হায়না হায়। "মহাক অসি তমশিনবা পামজবা য়াম্না নুংশিবা নুপীমচা অমনি," Maribel না পাওদমলকই। "ঐ হান্নসু মহাক্কী মমা- মপাগা অমুক উন্নরুরবনি অমসুং মখোয়দা বাহা'ইগী অঙাংশিংগী ক্লাস অমগী মওং মতৌদা শন্দোক্না তাকখ্রবনি। মখোয়না হরাওনা ইমাবু শরুক য়াহনবা পাম্মী। মহাক্কী মমাদু ক্লাস অসিগী মতাংদা হেন্না খঙনিংবগী অপাম্বদু ফোঙদোরকই, অমসুং অমুকহন্না লাক্কনি অমসুং ঐখোয়না তাক্লিবা লাইরিক অসিগী য়ুস্ফম ওইবা মহৈ মশিংগী ওইবা ৱ খল্লোনশিংসিগী মতাংদা খরা শোইদনা হায়রগা হায়না হায়রম্মী। ঐ তশেংনা ঐগী ওইনা নিংশিংনবা খরসু ইশিল্লে। নহাক্না পামলদি, ঐখোয় মদুগী ইশিনবদু পুন্না য়েংমিন্নবা য়াই অমসুং মদুগী মতাংদা ঙাংনবা য়াই।" Beatrice না য়ারম্মী। মখোয়না খন্না নৈনখিবা ইশিলহৌবশিংদু মসিদা লৈরে :

- অহানবদা, ইমান্না ক্লাসতা য়াওরকপসি ঐহাক য়াম্না নুঙাই হায়বদু Mrs. Martinezতা ঐনা হায়গনি অমসুং মহাক্কী ফজরবা মগুন খরা পাঙগনি।
- বাহা'উ'ল্লাহগী অইবশিংদগী লৌথোরকপা মসিগী ৱারেং অসি পাদুনা খন্না নৈনবসি খ্বাইদগী ফগদৌবা মাল্লি:

> **"মীওইববু মমল য়াম্লবা মণিমুক্তগানা থল্লবা খোনি অমগুম ইকায়খুমনৌ। মহৈ মশিংখক্তনা, মসিগী লঙ্গৈশিংসিবু শাফোঙহনবা ঙমহনগনি, অমসুং মীওইবা জাতীনা মদুদগী কান্নবা ফঙবা ঙমহনগনি।"**

- ঐনা মথঙদা ওজা অমা ওইনা মসিগী ৰারোল অসিনা ঐবু কয়া য়াম্না ইথিল পীবগে হায়বগী মতাংদা ৰাখল্লোন খরা হায়বা য়াই। ঐগী ক্লাসতা য়াওরিবা অঙাংশিংবু হেক য়েঙদুনা মখোয়বু মমলনাইদ্রবা মনিমুক্তাশিংনা থল্লবা খোণী অমগুম খল্লুবা মতমদা ঐগী থম্মোয়সি হরাও তয়াম্বনা মথোই কাজে হায়না ঐনা হায়গনি। মখোয় অমমম খুদিংমক্তা লাইরমলেনগী ওইবা গুনশিং উথোকপা ঙম্বগী শক্তিদু লোত্তুনা য়াওরি। পুথোরকপা অমদি চাওখৎহনবা য়াগদবা হৈশিংবসি মখোয় অমমম খুদিংমক্তা য়াওরি। মখোয় অমমম খুদিংমক খুন্নাই অসিগী মগুন লৈবা মীওই অমা ওইরক্লবা চাওখৎচবা য়াই অমসুং মালেমগী নুঙাই য়াইফবদা শরুক তম্বা য়াই।
- মথঙদা, ঐনা মহৈ মশিংনা অঙাং খুদিংমক্তা শাফোঙহন্নবা কন্না হোৎনগদবা মনিমুক্তা খরগী খুদম খরা পীবা য়াই। ঐনা পুক্নিং-ৰাখলগী শক্তি খরা পনবা য়াই, খুদম ওইনা হায়রবদা, মহৌশাগী আইনশিং খঙদোক্লবগী শক্তি, কালাগী ফজরবা পোৎশকশিং পুথোক্লবগী শক্তি, অমসুং চিংলেম্বা ৰাখল্লোনশিং ফোঙদোক্লবগী শক্তিশিং। অঙাংশিংনা মসিগী শক্তি পুম্নমকশিংসি মখোয়না নিয়োম চুম্বা মহৈ মশিং অমা ফঙলবকান্দা চাওখৎহল্লকপা ঙমগনি হায়না ঐনা শন্দোক্লা হায়গনি। অদুবু, মসি ওইথোক্লবগীদমক্তা, চহি নৌরিঙৈদা অকক্লবা মগুনশিং মখোয়না তানশিলহৌগদবনি। খুদম ওইনা, মখোয়না পুক্নিং চঙবা তমগদবনি, দরকার তারকপা মতমদা থবক কন্না শুবা, অমসুং মখোয়না তৌরিবদুদা পুক্নিং চঙবা তমশিনগদবনি। মখোয়না অতোপ্পশিংগী নুঙাই য়াইফবগী মতাংদা খনবা অমদি মখোয়গী খুন্নাই অদুবু সেবা তৌবা পাম্বা লন্নাই মীওইশিং ওইনা চাওখৎলক্কদবনি। অদুনা চহি নৌরিঙৈদা মখোয়গী লমচৎ চাওখৎহনবদা মিৎয়েং চংবা মরুওইবসি মসিগী মরমসিননি।
- অদুনা, মতাং অসি Mrs. Martinez দা মহাক্কী মচানুপীবু করম্না মখলগী মীওই অমা ওইহনবা পাম্বগে হায়বগী মতাংদা ঐখোয়দা ৰাখল্লোন খরা থম্বীবা য়াব্রা হায়না হংবা য়াবা অফবা মফম ওইগনি। ইমানা লৈজগদবা মরুওই হায়না মহাক্না খঞ্জবা লিচৎকী মগুনশিং খরদু করি করিনো?
- মহাক্না পাল্লকপা মগুনশিংগী মনুঙদা, খরা অমদি, শোইদনা, নুংগী ওইবা গুনশিংগী মনুঙ চনবা ওইগনি, মসি ঐনা মথঙদা হায়নিংবা হিরম অদুনি। লন্নাই মীওই অমনা মপু ওইজবা য়াবা অকক্ল বা মগুনশিং লৈ, মসিগী মগুনশিংসি মীওইবগী মহিংদা যুম্ফম ওইবা গুনশিংনি হায়না ঐনা হায়গনি। মখোয়সি মীওইবা অমগী থৱায়দা য়াওরিবনি। মখোয়দুবু ঐখোয়না ঐখোয়গী থম্মোয়গী মিংশেলদুবু তকথোকপা মতমদা চাওখৎহল্লি মদুদি মদুনা তাইবং মপুগী মগুনশিং থক্তোকপা ঙমজনবা। মসিবু ঐখোয়না নুংগী ওইবা গুনশিং হায়না কৌই, অমসুং ঐখোয়গী গ্রেদ ১গী ক্লাসশিংদা ঐখোয়না তাক্লিবা পারাশিংসি অয়াম্বনা মসিগী গুনশিংসিগী মতাংদা মিৎয়েং চঙই।
- ঐনা মখাতানা অদুম চথবা য়াই অমসুং বুক ৩ গ্রেদ ১গী পারাশিংদা নৈনরিবা নুংগী ওইবা গুন খরদু অমমমতা ওইনা পনবা য়াই অমদি মঙোন্দা মদুগা মরিলৈনবা লৌথোরকপা ৰারেংশিং শরুকতম্বা য়াই। ঐনা শন্দোক্লা তাক্কনি মদুদি ইমানা মসিগী লৌথোরকপা ৰারেংশিং অসিবু চিনফা পুগনি অমসুং মহাক্না মহাক্কী মচানুপীদা মদুবু থিনবা, লোইনা লোইননা মহাক্না তমলকপা লাইশোলশিংসু হায়নবা য়াই :

- নুঙশিবা :

**"হে মরুপ! নহাক্কী থম্মোয়গী লৈকোলনুংদা নুঙশিবগী অতোরগুলাপ নত্তনা অতৈ অমত্তা থারুরগনু..."**[৩৪]

- অচুম্বা ৱায়েল :

**"নহাক অচুম্বা ৱায়েলগী লম্বেলদুদা চৎলু, মরমদি মসি, তশেংবমক্কীসু, অচুম্বা লম্বেল অদুনি।"[৩৯]**

- অচুম্বা ঙাংবা :

**"অচুম্বা ঙাংবনা মীওইবগী অফবা গুনশিংগী য়ুম্ফমনি।"[৪০]**

- হরাও তয়াম্বা :

**"হে মীওইবগী মচা! নহাক্কী থম্মোয়গী নুঙাইবদা হরাও নুঙাইজৌ, মদুদি নহাক্না ঐবু থেঙনবদা মতিকচানবা অমসুং ঐগী ফজববু থক্তোক্লবা।"[৪১]**

Maribel অমসুং Beatrice না মথক্কী ৱাখল্লোনশিং অসি অহানবা উনবগী ওইনদি মতিকচারে হায়না লেপ্লে। থুনমক নহাক নশামক বুক ৩ নৈননবা চঙশিল্লগনি অমসুং অঙাংশিংগী ওইবা রুহি ইনষ্টিট্যুতকী চহি তরুক্কী থৌরম অদুবু শেল্লিবা চৎনপথাপশিং খরদুগী মতাংদা মুন্না খন্থনবগী খুদোংচাবা অমা ফঙলগনি। করিগুম্বা, মদুগী মমাঙদা, অঙাংগী ক্লাসকী ওজা অমগা লোয়ননা মমা মপা খরা উনরুবগী তাঞ্জা লৈরক্লবদি, মসিদা পীরিবা ৱাখল্লোনশিংসিনা মতেঙ ওইগনি, অমসুং মসিবু নখোয়গী কাঙলুপ্তা নখোয়না ৱাফম অমমম খুদিংমক লৌখত্নুনা খন্না নৈনগদবনি।

### তরাতরুকশুবা শরুক

মমাঙদা ঐখোয়না মসিগী অব্দুল-বাহাগী ৱাহৈশিংসি পাখি : "মীওইবগী মরক্তা মরুপ মপাং ওইবা অমদি পুনশিন্নবগী লিপুন্না হেন্না চেৎশিল্লকলিবমখৈ, মীওইবগী থবক্কী মফম পূম্নমক্তা শেমগৎ শাগৎপগী অমসুং মায়পাকপগী শক্তি অদু হেন্না কনখৎলক্কনি।" তেংপানগী অচুম্বা ৱায়েল লৈঙাকশঙনা ঐখোয়দা হায়বী মদুদি, য়ুমশিংদা উনবা চৎপদা অমসুং ঐখোয়গী য়ুমশিংদা লাক্লবা বার্ত্তোন তৌরুবদা, ঐখোয়না "খুন্নাইগী ওইবা ইথিল অমা য়োকখৎপা নুংগী ওইবা মরীগী লিপুনশিং য়োকখৎলিবনি।" মরমদুনা, ঐখোয়না মসিগী চৎনবীসিনা ঐখোয়গী চাওখৎলক্লিবা খুন্নাইগী চৎনবীদা পীরিবা মহৈদু হন্থনা লৌরোইদবনি।

মমাঙগী শরুকশিংসিদা ঐখোয় ঐখোয়গী য়ুমশিংদা অমনা অমগীদা উনবা চৎপা মতমশিংদুদা থোকপা য়াবা মখল কয়াগী ৱারী ৱাতাইশিং অদু ঐখোয়না য়েঙমিন্নখ্রে। ঐখোয় পূম্নমক, সেবাগী লম্বেলদা ঐখোয়না চৎনা চৎনা, ঐখোয়গী খুঙ্গং, টাউন নত্রগা neighbourhood তা বাহা'উ'ল্লাহগী তম্বীরোলশিংবু ঐখোয়গী লন্নাই অমসুং অপুনবগী পুন্সিদা পানশিনবগী মতাংদা লেপ্তুনা পাকথোক চাওথোরক্লিবা ৱারী ৱাতাই অমদা শরুক য়াগনি। করিগুম্বা মতমশিংদা মসিগী তম্বীরোলশিংসিগী মতাংদা লৈজরিবা মখোয়গী জ্ঞানদুবু হেন্না লুখনা খঙহনবা হেনগৎহন্নবা ফোর্মেল ওইনা শিনবা লেপ্তুনা থঙনা থঙননা য়ুমদা উনবা চৎপশিংদা থোক্কনি। অতোপ্পা তাঞ্জা কয়াদসু, institute কী মহৈ মশিংগী থৌরমশিংদা, মখোয়গী পান্দমশিং অমসুং য়াওরিবশিংদুনা খন্না নৈনবগী হীরমশিং ওইগনি।

মশিং হেন্না হেন্না য়াম্লবা য়ুমলোন্নবশিং অমসুং মরুপ মপাংশিংবু খুন্নাই শেমগৎপগী লেপ্তুনা চত্থরিবা থবক অদুদা য়াওরনবা তরাম তরাম্না কৌশিনগনি। অদুনা, নখোয়না তুংগী মতমশিংগী মতাংদা খনবা মতমদা, অমসুং নখোয়গী মাংদা হাংদোকখ্রিবা সেবাগী লম্বেলদু য়েঙখিবদা, নখোয়না মসিগী য়ুনিৎ অসিদা পীরিবা হিরমশিংসিবু মতিকচানা তমশিনখিনবা হোৎনবা য়াবা হোৎনগদবনি, হিরম অমমমগী মতাংদা ৱারী ৱাতাই শাবা হৈজিনগদবগী,

অমসুং, শুকশোই শোইদনা, বাহা'উ'ল্লাহগী তন্বীরোলশিংগী মতাংদা লৈজরিবা নখোয়গী জ্ঞান অদু মখাতানা লুখনা খঙজিন্নবা হোৎনগদবনি। অসুম্না অতোপ্পশিংগা লোয়ননা তাইবং মপুগী ৱাহৈশিংবু পাওদমজবগী মতমপুন্বদা লোইররোইদবা হরাও তয়ান্বদু নখোয়গী ওইজনবা।